(ঐ মশক খংবা অমসুং পুন্সিবু মশক খঙনবা থিবা থেংকৌলোন)

সাইখোম অরাংবা মঙাং

লংলা-লংজিন

([illegible])



MITTAL

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]



লংলা লংজিন

ইজ্রবাঃ　　সাইখোম অৱাংবা মঙাং

অফোংবাঃ　　মৈহৌবোন ইনাৎ থাং তা অপুনবা লুপ (মিতাল)

অহানবা নম্বাঃ　　এপ্রিল ২০০৯, ইম্ফাল।

লাইবিক মশিংঃ　　১০০০

মমলঃ　　লুপা ২০০

মখুমঃ　　লাইনিংহন কংলা শূখাম মকতোম্বী মৈতৈ অর্মাদ

লাইওখ্রবা মোইবাংথেম মনি মৈতৈ

মনুংগী লাইঃ　　হুইবেম রূপচন্দ্রা, সগোলবন্দ মৈনো লৈবক

হক কল্লিবাঃ　　অইবা অমসুং অফোংবা।

নম্ফমঃ　　মোনিকা প্রিন্টর্স, কৈশামথোং ইম্ফাল।



MAHARAJA OF MANIPUR

SANAKONUNG, IMPHAL



য়াইফ- পাউজেল

—— o ——

চৈচৎ - ২৮।০৪।২০০৯

সাইখোম অরাংবা মঙাংনা 'লংলা- লংজিন' কৌবা লাইরিক অমা পুথোকপীরকপা অসিদা ঐহাক্না থম্মোয় শেংনা অহৈবা অসিবু পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়নন্না থাগৎচরি।

লাইরিক অসিদা ইপা- ইপুনা থম্বীরম্বা মমল নাইদ্রবা বাঙুরোল কয়া মচা খাইনা নৈনবীরি। ঐখোয়গী লৈসেমলোন, লৈঙাকলোন, লৈকনলোন, লাইনিংলোন, থেংকৌলোন, চংনরোন, পাফল অসিনচিংবা ইনাৎকী মরু হুব্রবা রারোল কয়া য়াম্না লায়থোকপা মওংদা অপাবশিংবু খংহন্নবা হোৎনরি। মসিনা ইপানাৎ- ইপুনাৎকী মরমদা থোইদোক্না খংজদ্রবা, খংনবা খোঙুল লীরক্লিবা অমদি খংদুনা লৈরবশিংদা

তোঙান- তোঙানবা মওংদা লমজিং- লমতাক ওইরগনি হায়না চেংনা থাজৈ।

'তাংকক লৈকোইবা' মীংথোন ফংলবা অইবা অসিবু ইপানাং- ইপুনাংপু হিংহন্নবা হোংনবদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা ইনাংকী - লল্মী অমনি। মহাক্কী খুৎহৈ লাইরিক অসিনা এখোয়গী ফজখ্রবা ইপানাং- ইপুনাংকী মশক অদু মালেমদা মশেক- মঙাল নাইনা শকতাকপদা অচৌবা লমজিং- মৈরা ওইবা ওইরসনু।

মতুংদসু পুক্নিং হন্থদনা, অসিগুম্বা মখললগী মমল য়াম্লবা লাইরিক কয়া পুথোকপীরক্নুনা এখোয়গী ইনাংকী লনগৈ চোলহনবীনবা পুক্নিং থৌগৎচরি।

য়াইফরে - - -

[illegible]



Dr Kh Sarojini Devi
DIRECTOR
DEPARTMENT OF ART & CULTURE



যাইফ - পাউজেল

সাইখোম অৱাংবা মঙাংনা ইবা "লংলা লংজিন" হাযবা লাইবিক অসি পাকবদা থোইদোক্লা থম্মোইদা হায়ফম খংদবা নুঙাইজবা অমা পোকই। কংলৈপাক্কী নিংশিংবা থোক্লবা মতমদগী মশাগী ওইনা লৈজবক্লবা লৈশেমলোন, লাইনিং- লাইশোল, লৈঙাকলোন, মীহৌলোন, ৱাঙুলোন লিচৎলোন্দা লৈপাক্কী অকনবা শাফু কযা লাক্লুনা কংলৈচাশিংনা মশাগী মপোৎ মশক খংজবক্লে, মীগী অৱাইবা মীপোৎনা মপোৎ ওইনা লৌনবক্লে। মশানা মশাবু মশক খংলক্লে। অসিগুম্বা চিববা মতম অসিদা "লংলা লংজিন" হাযবা লাইবিক অমা কংলৈচাশিংদা খুদোল তম্বিবকপা হাযবসি থোইদোক্লা শিংথানিঙাই অমদি কান্নবা লাইবিক অমা ওইগনি। লাইবিক অসিনা কাউথোক্লববা পাবি পুবিগী লাইৱা গুন্নবা ৱাবি লিখুর্নশিংবু নৌনা শাফোংহল্লগনি, মশানা মশাবু খংজনবগী পান্থে অমদি ওইবগান হায়নিংই।

লাইবিক অসিদা লমদমাসগী চক মবীগী ওইবা লিচৎ শাজৎ, তৌগদব, তৌবোইদবা পাট্রবৌ পান্থগী ৱাহৈশিংবু যাম্না লাযনা খংগদবদা ৱাহন্থোক পীদুনা তাক্লির্বশিংসিনা অকনবা ৱাহৈশিংবুসু লায়না খঙহনগনি। অসি গুম্বা লিচৎ শাজৎশিংগী ৱাবোলশিংসু হাবোলশিংগীদমক্তদি থোইদোক্লা শিংথানিঙাই ওইববা পাউজেল অমদি ওইবগান।

ইবুংঙো সাইখোম অৱাংবা মঙাংনা মতুং তাবকপদসু হেন্না থিজিনবিদুনা ইবমদম মাংপৃব, কংলৈপাক্কী ওইবা ৱাবি লিখুন কযাসু পুথোবকপা ঙম্বা ওইসনু হাযবগা লোযননা মপুগী মফমদা থৌনিজাব।

Dated / Imphal
the 6th May, 2009

Director,
Arts & Culture
Govt. of Manipur

ৱাহৈ খরদং



সাইখোম অবাংবা মঙাংনা থৎই লাইবিক ওইনা ইদনা [illegible] পুথোকপদবক্লিবা [illegible] লংঙাক কৌবা লাইবক অসি যাম্না থাগৎনিংঙাই। লাইবিক অসি [illegible] অমাদা [illegible] উচেক উবি [illegible] বাব [illegible]পাম্বা লৈবনা নুমিৎ থা [illegible] চাক [illegible] শবা ফাওবগা কাংলোনশিংন যাম্না মপংযানা [illegible] ইল। সাইখোম অবাংবা মঙাং অসি [illegible] ওইজনবসু মমাংদা [illegible] লাইবিক [illegible] কয়াম্বনা ইদুনা পুথোকখুবা অইবনি। মতাক্তা মমাংদা [illegible] কলম [illegible] লাইবক অদগা হন্দক মতাক্তা লংলা লংঙাক কৌনা [illegible] পুথোক[illegible] লাইবক [illegible] পাম্দা লৈবদা [illegible] ওইবা [illegible] অসি [illegible] অহৈবা [illegible] অমা ওইজরবগা [illegible] লাইবক [illegible] পাবনা [illegible] থিরবেতহনবা যাম্না [illegible] অহবা [illegible] থাংকৌলোনদু তাইবং ম ওইবগা পুন্সিগা চাংদম্নদনা ঊরেল। [illegible] ওইবগা [illegible]পাকপা থিংবা শিরবগী পুন্সিবেনন মনুংদা লৈবা পুন্সি অদ। [illegible] যাম্না অকাইব মওংদা খদম চাংদম কয়াগা লেইননা ইদুনা থংহাল্লে। লাইদা লৈপাক [illegible] লৈপাক অসিদা তাইবা ওইবাশ[illegible] হৌখিবগী বাবশিংবসু যাম্না মযেক শেংনা [illegible] মাওইবগা নুপা অমসুং নুপিগী লৈবিবা লিচৎলোনদগী তৌবগা থাং [illegible] খুৎলাইশিংব পাদম্নদুনা পুথোকলকখিবা খবিকপুসু উৎ তুনা থংহল্লি। লংলা লংঙাক কৌবিনা লাইবক অসি তংগা মীবোনা যাম্না কাংবা লাইবিক অমা শোইদনা ওইবগান হাইনা হাইজানংই। মতুংদসু অবাংবা মঙাংনা থাং [illegible] ওইবা লাইবিক কয়া ইদুনা লৈপাক মীযামদা খুদোল ভম্না ভুম্না ওইবসনু হাইনা অইবা অসিবু পুক্নিং থৌগৎচবি।

লাংথৈজ শিঙাকপুবেন মোইবাংথেম মনি সিংহ

শংগোলবন্দ মোইবাং হন্নুবা লৈবক

রাহৈ খরদং

লংলো লংজাং, কৌবা থাং তাগী হৌবকসোনগী মনমদা ইবা লাইরিক অমা সাইখোম অবাংবা মঙাংনা পুথোকাপকপসি এহাক্না হৌবদগী লোইবা ফাওবা পাজরে। লাইরিক [illegible] মং হৌদা ফাওববা 'লচৎলোনশিং' অসিদি য়াম্না পাক চাওই। লাইরিক অসিদা চহুমাল হুদং [illegible] অমসু, [illegible] লাইনা লৈরিবা হুইবং মীওইবগী হৌবকলোনগী মনমদা য়াম্না [illegible]। [illegible] পাম্বা অসিদা কবিগুম্বা শোনশক অমৎতা লৌত্রাগুম্ব ইহাং [illegible] কাকোক কোর [illegible] ওইনা লৈনাগুম্ব ম [illegible] গুসি ফাওবগী মনুংদা ওইবকইনা [illegible], [illegible], লৈরুকনং, লৈকলয় [illegible] শাগোহল্লবা লাই হবা ওবা অমাদ মীওইবং [illegible] লচৎলোন [illegible] মরু মখাপু খংনা থিজিনা লুমাঙকদনা [illegible]। [illegible] হেংকৌদগী মথং মথং, চাদা [illegible] ওদবক্তা, [illegible], [illegible], [illegible], শাকং, লমচৎ, [illegible] - শাগুং, যেক্তেন, [illegible], [illegible] কাওবা ওইনা থাং তাগী [illegible] লৈতং শংগা লোইননা [illegible] য়াম্না মথেক শেংনা [illegible], মহা অমদ লাইশকশংগা লোইননা মচা থাইনা [illegible] ওইনা থাকাল [illegible] হান্না শম্না কোৎনা কোন্না লোইবা মাংফদবা লাইনা শেগা [illegible] হাইবসি মথেক শেংনা ওকই। হেংকৌদগী মতৌ কবম্না খৌশাংলেং [illegible]। [illegible] লচৎলোন কয়ামকমবুসু লাকখিবগী মনমদা য়াম্না সগাইনা পল্ল। থবা [illegible] ২৭কী মাংখিবোনশংবুসু চক্কী মতুং ইন্না মথেক শেংনা ওকই। লাইরিক অসি 'পক্লবস্ লাই হবা ওবগী' লেশেমলোনগী মীশেমলোনগী মনমদা য়াম্না মচা থাইনা খুদম কয়াশংগা লোইননা মথেক শেংনা তাকই। অসিগুম্বা অরাংবনা ইবা লাইরিক অসি হৌজিক্কী মীবোন্না পাবদা য়াম্না কান্নবা মখলগী লাইরিক অমা শোইদনা ওইবগনি হাইজানংই। মতুংদসু মক ওইবা লাইরিক কয়ামকম পুথোকপদুনা কংলৈচা খুন্নাই অসিগী ইনাৎকা লক্লমবু থিবদা অচৌবা থৌদাং যাবা গুম্বা ওইবসনু হাইনা এহাক্না থাগৎ রাহৈ পাজরি।

লাংজৈ শিন্তাকপুবেন সাইখোম নোদিয়া মঙাং

বাখা লৈমা চীঙ

ৱাহৈ খরদং



লমদমসিগী লৈশা লৈহাউদা পোকমিন শাৎমিন্নবকখিবা, ঈগী মবীসু ওইবিব ঐগী ইনাও সাইখোম অৱাংবা মঙাংনা খোবিলাংবা লংলা লংজিন কৌবা লাইবিক অসি হৌবদগী লেপবা ফাওবা পাজবে। অমুক্তসু হন্না পানিংলি, হন্না হন্না পাখিগনি। মবমদি মতমগী অহোংবা শাফু কযানা মনুং অমসুং মপান অনীমক্তগী ফুজিল্লক্তুনা কংলৈ মীতৈ খুনাই অসি ঙসিদি পাবী পুবীগী লীল্লম কাউথোক্লবক্লবা, কংলৈ ঈনাৎকী লীকলম মমি শামজিল্লক্লবা তংকক অমা যৌবে। তাংকক অসিদা অৱাংবা মঙাংনা কংলৈ ঈবমদম অসিগী লাইওইখ্রবা ইপা-ঈপুশিংনা খোমজিন তাশিন থম্বীবম্বা পুযাশিং নৈনদুনা মীতৈ ফুকপকী হৌবক ৱাবী, ৱাঙুলোন, চৎনলোন, ফিলোসোফী অমদি ঈথিক্লকী চাউবাকপা শক্তম অমা লাক্লুনা, মক ওইনা ঐখোযগী মপুশিল্লক্লবা, মীযাম অমসুং লৈঙাকলোম্নাস যৌশাবীদ্রবা চানবেল - মার্সিয়েল আর্তসকী লীখুন তাক্তুনা ঈবকপা অসি থাগৎনিঙাইনি ঐখোযগী যাম্না লাইবক ফবনি কংলৈপাক ইবমদম অসিদা তাইবং মী ওইবনা অহানবা খুন্দ লৈতাবক্লুনা লৈশেমলকপগী ৱাবী ঐখোয়গী থাজহনবাশিং, লৈশেমলোন পুযাশিংদা ফংই সাইন্তিফিক ওইবা মীৎয়েংনা য়েংলগসু Anthropologist, historians শিংনা সু মালেমদা খুন্দ লৈতাদুনা লৈবম্বা অহানবা খুন্দা লৈতবদা Human Species শিংগা লৈফমসি খা লেংপোক এসিংদা ওইনা পী। University of California, Los Angels কী D R Sardesai না ইবা, 1997 দা ফোংবা Southeast Asia (Past and Present) লমাই ১০দা ইবি Just as Tibet is the source of major rivers of mainland South-east Asia. Southern China and eastern Tibet were the source of the region's population হযবিদা মফমশিং অসিনা Mons, Shans, Tais, Kachins, Karens, Burmans নচিংবা ফুকপশিং অসি খাবেমদা কুমৎ বকখিবনি হযনা মচাক্লা মখাতাবি মীতৈ ফুকপ অসিসু 'তাই' শিংগা নক্লনা য়েংগোলিয়ানদা যকপকী বুক্লোক খুন্দা অহানবদা হাওবকপা মী ওইনি হাযবদা লাম্ফংঙাই ওইদে। য়েংনঙাই ওইবা অক্তোপ্পা সোর্চ অমনা চাইনীজ স্কোলার, মমিং লৈবা আর্কিওলোজিষ্ট প্রোফেসার Jia Lanpo না

ইংকুমজা ১৯৬০ ৭০গী তাকক্তা Shanxi Province কী মফম কয়াদা লৈনুং তৌবদগী ফংলকপা মচার্কশিং অদু Early Man in China হায়না বৈজিংগী Foreign Languages Press না ফোংখি। মদুদা মালেমগী অহানবা মীওইশিং লৈবম্না মফমসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াদনি হায়বগা লোয়নননা পাফন (মেন) য়েক্তুনা মফমশিং অদু সার্কল অমনা কোয়শিন্দুনা তাকলি। মহাক্কী সার্কল অদুনা সাউথ চীনা, ম্যানমাব, থাইলেন্দ, কাশ্মীব, হিমালয়গী লমদম, বেঙ্গল,আসাম, কংলৈপাক, চিত্তগোং হীল ত্রেক্ত য়ৌনা কোনশিল্লি। অমবু ওইববসু অমবু ওইববসু কংলৈচা চীংমী তম্মীশিং অসি মালেমদা অহানবা খুন্দা লৈতাবকখিবা ফুকপশিংগী মনুংদা অমনি হায়বসিমদি অশেংবা ৱাচুম ওইনা লৌজনিংই। ঐখোয়গী পুৱাবীনা কংলৈচা ইপা ইপুশিং অদু শাদা- লান্দা থৌবা, মতম লৈবা খিবিক্তা শাকদোম, লানকদোম নত্তা দে, কংলৈচা-দে, নোংমদা পোকপা মচানা নিনি শিবা হৌনদে হায়দুনা কংলৈপাক ইবমদম অসিবু ঙাকশেন্দুনা থম্লম্না মার্সিয়েল বেস অমনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাকই। অদুগুম্না থৌনা ফববা ইপা ইপুশিং অদুনা কংলৈপাক ইবমদম অসিবু য়ুমথংনবা য়েক্লবা লৈবাকশিং খাগীদগী, খাম্নলদগী, শেনবী অৱাদগী, থোংনাং ময়াংদগী, থবাক চুং ওই, পাম্বোম তা ওই হুয়েন লাম্থেংনদুনা কনবীবকখিবনি, খোমজিন তাশিন থম্বীবর্ম্বনি। অদুগুম্না ইপা ইপুশিং অদুবু পুৱাবীনা শৈথাবি: অথৌ লিচা হেল্লা, থযাং কোন্দাই লোনবা, হিকক্রি লানবাউখোন, হুংঙা মিকপখোন, চীংনুং ঈবাউখোন, চীশাং নাযেখোনবু নাচুংদবা...অসিনচিংবা হাযদুনা। অদুগুম্না ইপা ইপুশিং অদুনা শৈশকলম্মী: তইবং নোংশাপান্দা নমু মীবু ওইনা পোক্লববা অসিদা পলেম পম্বৌ অনিগী মতিক পুনুং অচৌববু শৈথানবিদো, মালেম লৈমযোন অসিগী অকম মখৈ লৈতনবু পলেম পোকমাবী ইমাগী লাইজ ঈবেনপুঙগুম্না মতক্লা থোইনা লুমই হাযনৈদো, কোবৌ নোংমদোন অৱাংবা শৱাং অথাম্লবুসু পম্বৌ শাৎমবগী মত্তাক্লা হেন্না থুমথোই মত্তাযদো,(অদুমকপু) পলেম পম্বৌদগীসু হেন্ন থুমথোইবদি পোক্লফম লমদম মহাক্লি।

অসিগুম্না মবৈবাক নীংবনা পুঙ্গগী লাইনীঙ ওইজখিবা পাথৌ ঈপা ঈপুশিংদুগী হুমাংমল ঐখোযনা চাবি, লমদমসিগী লৈশাদা, ঈশিং নুংশিত্তা ঐখোয চাউর্জবি। অদুগুম্না ঈপা ঈপুশিং অদু ঙমখৈ পাকথোক চাউথোকপগী লম শন্দোকপগী তৌবিতৌবিযেল এমবিসন লৈবমদে মবমদুমক্লা কোন্না কবোভেল্লী মীখুৎ চনখিবদা লাযনা থোকহনখিবনি। মখোযগী হাযববু মখোযগী খোঙ্গবী লীনশাং তাখিফম (ফুমাখফম) মোংব মবান ঈংখোল ফৈবোই অমদি পোক্লফম মবমদম অসিবুতা ঙাকশেনবনা মশিঙ্গাং ওইবকখি।

অরাংবা মণ্ডাংগী লাইবিক অসিদা মালেম লৈশেমলোন্দগী হৌবগা, খুন্দা লৈতাবকপা, লাইনিংথৌ সনামহীগী থেংকৌবোন্দগী খৌশালোন মাপল অমসুং থাংগী মিহুল তমলকপা, থরাযগী ওইবা লাইনীং খুদা, থেংকৌদগী জগোয পোক্লকখিবা, লাই হবাউবগী মতাং, থেংকৌলোন মাপলগী রাহস্তোক অমসুং অকুপ্পা কাংলোনশিংগী মবমদা ইবি। লোয়ননা ভাইবং মীওইবনা চংকদবা শাজং লীচংকী মবমদসু চেকশিন্না ইবি। শেংনা হাযববদা অরাংবা মণ্ডাংগী লাইবিক অসিনা মীতৈগী মাসিংযেল আর্ট থাং- তাগী মবমদা থিজিল্লিবা থিজিল্লোই অমদি মহৈবোহযশিংদা নিংথিনা লংলা লংজিন পিবগনি হাযবসি ঐহাক্কী থাজজবনি।


রাফম অমনা কংলৈপাক (মনিপুব) অসি ইন্দিযাগী মনুংদা শান্নখোংনবগী লমদা পুক্কে (Storehouse) অমা ওইবে হাযবসি খ্বাযনা যানববা বাফম ওইবে। মশান্ন কযাদা নেসনেল অমদি ইন্তরনেসনেল থাক্তা মাংজিন থাবা ঙমলকলে। মসিদা লাইবক থীবা হাযগদ্রা পুন্নিং নুংশিনভাই ওইবিবর্বাদ যেলহৌডৈদগী শাগোন্নদুনা লক্লবা মীতৈ থাং- তাগা দীসাপ্পন অমিব মীযাম্নসু লৈঙাক পাযবিবশিংনসু থওইর্বাদনা বেক- সীংতা ইন্দুদুনা থম্লীবগুম তৌবিবা গ্রাসনি। ঙসিগী মালেম অসিদা হুঙ্কিক উবিবসি মা ওইবা ফুকপ খুদিং মাগা মাগা যেলহৌ পুন্নাবী, নাংকী শক্তম, কলচবেল অমদি নেসনেল আইর্দিস্তাত ঙাকশেন্দুনা থম্লবা কন্না হোংনবকপা মতমনি। কংলৈচা ঐখোযগীসু মীপুম খুদংমক মানা - মানা ঙমঙবা হিবমদা ইবমদম অসিগী পাবম পুবম, নাংকী লীক্লমচং পুখং, যোকখং, শৈগংনবা ফাবৈ তাখংতুনা হোংনফম থোকই হায়বা রাফম অসি থমজনিংই।

অবোইবদা, পীকচববসু সাইখোম অরাংবা মণ্ডাংগী লাইবিক অসি অসুক্কী মতিক মমন য়াম্না লাইবিকনি হাযজনিংই। ভুংদসু অরাংবা মণ্ডাংনা পাযখংপীবকপা খুদিংমক মায় পাকপা ওইসনু।

পাউনম লবঙ্গো মণ্ডাং,
ইদিতব, কংলাপাউ, ইম্ফাল।

অইবগী ৱারোল

ঙসিগী মালেমদা ইশা ইশাগী লৈশেমলোন লৈজবা খুন্নাইশিংগী মবক্তগী ঐখোই মৈতৈ খুন্নাইসু অমা ওইবি। লৈশেমলোনগী ৱাবু হেক নিংশিংলুবদা খুন্নাইসিগী ৱাংউলোন, লাইনিংলোননচিংবশিং অসি য়াম্না মক ওইবি। মখম অসিনা "লংলা লংজিন" কৌনা মংখোনজদুনা পুথোকচাবা লাইবিক অসিগী মক ওইবা ৱাখনগী ইচেন অসিদি কংলৈপাক্কী লৈশেম খুনশেমলোন, মৈতৈবোনগী মতমদগী হৌনা লৈজনখ্রীবা ফজখ্রবা লিচৎলোনশিংবু ঙসিগী মীবোন কযানা কাওথোক্লকবে।



ঙসিগী নতাবোন ভুংগীনা যুম্নাবেন ওইবকদৌবিবা মকওইনা ঐখোয়গী নতাবোলশিংনা খন্নই অসিগী ওইবা হৌবকলোনগী ৱাবি লমদাংশাংশিং স্কুল, কলেজদা তম্নগী মহুৎতা মীনমগী ওইবা ৱাবীশিংনা মকওইনা তম্মখিবনা মপা মপুগী হৌবকলোন, লিচৎলোনশিংবু অযাম্বনা মশক খংনবকখিদবে। অসিনা মখম ওইনগা মপা মমা, মচে মচন, মচিন মনাওশিংবু নুংশিবগী মমি শম্নবক্কে।

অমবোমদা ঈগী মবী ওইবা ইমা অমতগী মচা ওইনা হৌফম শাংফম ওননা হৌবকলিবা চিংমীগা তম্মীগসু যাম্না লাপ্নবগুম্না লৈনবে। পুংখাই অমগী মনুংদা যৌনবা মফমদা লৈনবিবা চিংমী তম্মীগী ওইবা মচিন মনাওশিংবু অমনা লাপথ্রবা জপান, আমেরিকদগী লাক্লগা খুনথোক্লবগুম্না খন্নবকলি। শকচু মায়দবা ঈগী মবীসু তিন্নদবা মীবমদগী লাকপা কযাবুনা পোকমিন্নবা ইচিন ইনাওগুম্না খন্নবে। পুম্নমকশিং অসি মপা মপুগী লিক্লমবু মশক কাওথোকনবকপদগী থৌওইনবক্তবদগী ওইবকখিবনি। নাকন অমবোমদনা ভোঙান তোঙাম্বা অচৌবা শাফু অমমমগা লোইননা লেপ্পা লৈতনা চেনশিনলক্লিবা মীবমগী ওইবা লাইনিং অমদি চৎনবীনা নোংমা নোংমগী অসুম অসুম লাকশিল্লক্কী। অদুগা খুন্নাই অসিগী লিববা লিচৎলোনশিংবুনা মপু

পান্দ্রবা থরাই য়াওদ্রবা হকচাংগুম্না হামচৎ হামফোইন্না তুরোই ঙমলোইন্না মমি শামলকলি। পুম্নমকশিং অসিবু উরু, খংলুরগা থম্মোইদা নিংঙমদবা অমগা লোইন্না তুংগী যুম্বীরেন ওইরক্কদৌরিবা ঙসিগী নহারোলশিংদা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা খুন্নাই অসিগী হৌরকলোনগী ৱারি লিচৎলোনশিংবু খরদংদা ওইরবসু মমি তাহনজনিংদুনা শফোং তমজবা লাইরিক্নি ।

লাইরিক অসিগী মনুংদা য়াওরিবা লৈশেমলোনগী মনুংদা লৈরিবা থেংকৌলোনশিংগী হৌরকফম অমদি পাফনশিং অসিদি অসুক্কী মতিক য়াম্না পাক চাওনা লৈখিবনা লাইরিক অসিদা য়াম্না চাওখিগদৌবা মবম্না খুদোং চাদবা খরদগী মপুং ফানা হাপচবা ঙমজখিদরে। হৌজিক লাইরিক অসিদা থমজরিবা খরা অসিদি মরুওইনা লৈশেমলোন, থেংকৌলোনশিংগী মপুং ওইবা খরদংবু খনগৎতুনা লৌখৎচরগা থমজর্বনি । মথংগী খুৎনমশিংদা মপুং ফানা হাপচিনবা ঙমজনবা হোৎনজগে ।

লাইরিক অসিবু পাবিদুনা পুক্নিঙগী ওইবা ৱাখনগী মমি অমমমদং তাকপিনবা হঙগৎচরুবদা তাংলবা মতম কয়াবু কাইথোপিদুনা অচৌবা থৌগাই য়াবিবকপশিং, ইকাই খুমনজরিবা কংলৈ পিবালেন ইনিংথৌ লৈশেম্বা, আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্টর ওইবিরিবি ইচেম্মা সোরোজিনি অমদি ঐগী ইয়াম্বা কংলা পাউগী ইদিটর পাউনম লবঙ্গো মঙাং,থাং- তাগী লমদা শক্লাইববা লংজৈ শিন্তাকপুরেন সাইখোম নোদিয়া মঙাং অমদি লাংজৈ শিন্তাপুরেন মোইরাংথেম মনি পুম্নমক্না চিল্লবা মতম কাইথোকপিদুনা মমল যান্নবা ৱাবোনশিংবু ইবিরকপগীদমক শিংঙমদ্রবা তৌবিমন তোনশিঞ্জবে। কৈশামথোংদা লৈবা মোনিকা প্রিন্তর্সগী প্রোপাইতর সৌবাম বসন্তা অমদি মাগী থৌমীশিংনা অকম্বা থৌদাং যাবিবগীদমকসু থোইদোক্না ইকাই খুম্নজবি। লোইননা ইরমদম অসিগী ঈগী ইচেন তিন্নবা মনাও অমা ওইনা মতম পুম্ন মক্না অৱাৎ অপা কয়াবু য়েংশিনবিরিবা ঐগী ইযাম্বা লাইশ্রম সনাতোম্বা মৈতৈ ফ্রেন্স তোকিজগী প্রোপাইতরনা লাইরিক অসিগী মখুমগী অচংবা শেনফর্মশিংবু পুথোকপিদুনা মতেং পাংবিরকপগীদমক তৌবিমন উৎচবি।

কংচবা



শান্তিওইদুবা সাইখোম ওংবী অমুরেমা

নুংশিবাবি পালেম ইমাও
খুনাইজম শাগৈদা লৈশাং তম
সাইখোম শাগৈদা পুন্সি লৈপুনখিবী
অমুবেমা কোলোই মিংকৌবী
মযাম্মা তম্মা, তম্মা কোলোইনবী,

পন্থী অপোকপা ইবোতোম্বাগী
অহন তালোই ওইখিবি
পাবি নমোম লৈশাং তমখিদবী ।
অবোইবা পুন্সিগী শরুক ফাওবদা
কংথোকপতনা নথৌদাং ওইখিবি
খ্বাংচেৎ মচা লাংখিবা ।

নংগুম্বী পালেমদি অতাংবীনি
লৈবমলোই মালেমগী মফম কৈদসু
নংগুম্বী পালেমদি থিফংলোই
নপাবশিংদা অপোকপি পালেমদগী
হেল্লি ইমা নংবু নুংশিজবনা ।

নংনা নাওয়োক নাওকোনবীদুনা
পুক্নিবু মশক খংহনবিবন্না
পলেম নংগী লমনবু
করিনবু শিংঙমগনি
নিংঙমহৌদেদা নাপাবী ওইবনা
পলেমগী লমন তোলহৌরিবা

লাংওন মপোক অমদা
শিযোমনুংগী নপারী ওইজগে পলেমগী
নতমপাক্তা চাওজগে
শিংঙমজগে পলেমগী লমন,
হন্দক্কী মপোক শিমাগিদি
পলেম ইমা নুংশিবী
ফজবা রাহৈনা শৈহেক শৈথাজবসু তৈজদে
কৌজগেকো পেন্না "ইমা ইমা" ।

নপাবিনা হৈত হৈতনা খোবি লাংজবা
লংলা লংজিন শিমতং
পলেম নংগী নখুযাখাদা
কংচবি নপারী ওইবনা
শকচগে লমন শিংঙমজবা
হন্দক্কী মপোক্কী ওইনা
লংন্দনা লৌশিনবিযুকো পলেও ।

ৱাহৌদোক

লংলা লংজিন হায়না মিংথোনবা লাইবিক অসিগী নুং অমসুং পানগী ওইবা ইচেন অসিদি তেংপাংনবা অসিদা কবিগুরুনা পোংশক অমত্তা লৈত্রিঙৈ অমম্বা লাই মহাকতমক লৈবিঙৈ মতমদগী মতৌ কবম্না তেংপাম্বা অমদি তাইপং পাম্বা ওইবকখি। মকওইনা পোইবৈ লমদম কংলৈপাক অসিগী লৈহৌমীশিংনা লাইগা মীগা শম্নবিঙৈগী মতমদগী হৌনা লৈশেমলোনগা ইবোইনদুনা মীওইবা অমা ওইনা তাইপংদা খোঙদাবকখিবগী হৌবক ৱাবিনি। তেংপানবা মপুনা লাথাবী থেংকৌ অহুমদগী মঙাং লুবাং খুমনগী মতম অহুমবু পুথোবকখিবা। মতুংদা চয়োন অমগী মনুংদা লৈবা নুমিৎ তবেৎনিবু থেংকৌশানা শেমলকখি। লোয়নবা তেংপাম্না মপুনা মচা অহুম লাইনিংথৌ অতিয়া শিদবা, লাইনিংথৌ আচবা (অশিবা), ইবুধৌ পাখংবা মপাবি অহুম্মু কৌদুনা কোবৌ তাইপং মালেম্মু শেমগৎ শাগৎলকখিবগী মপুং ওইবা হৌবকফমনি। মচা ইবুংঙো অশিবনা লৈশেমঙৈগী পাদম্মদুনা লাই হবাওবা কুম্মৈ পুথোকপগা লোয়নবা লৈঙাকলোন, লৈকললোন, লৈশেমলোনগী ওইবা থেংকৌলোন কয়ামকম মথং মথং পুথোক্তুনা খুন্নাই অমগী মউ লিংদুনা মীওইবা ওইবকখি। লোয়নবা তেংপাম্বগী পাক চাওববা যুম্ফম্মু তাইপং মীওইবগী হকচাংগা পাদম্মদুনা নুং অমসুং পান অনিনা যাম্না অবিবা লিচৎলোম্দা যুম্ফম ওইদুনা অশিবা লাইনিংথৌনা শেম্বিবম্নি। অসিদসু নৎতনা লৈশেমলোনগী মনুংদগী ওইবকখিবা থেংকৌশিংদগী পাদম্মদুনা পুং, ঈশৈ, জগোই, তাবি পেন্না, থাং-তা, চুং চিংকোই অবামবাইনচিংবা তোঙান তোঙানবা মখন কয়াগী লিক্লম পবমলোনশিংগা লোয়নবা খুৎশু খুৎলাই কয়ামকমবুসু তাইপং মীওইবশিংগীদমক শেমলম্মী। খুনাইগী অমদি মীওইবগী লিচৎ, লমচৎ, শাজৎ, পোকপা, হিংবা, শিবগী পাবমলোনশিংবু মচা খাইনা মপুং ফানা শেম্বীবম্মী।


তেংপান্বগী শকলোন অমবু ইয়ু শিদবা হায়নসু খংনৈ । ইয়ুগী সানা শঙগায তাইপং হকচাং নুংদা থব্রাই মীবেননা লেংদনা লৈ । য়ুমজাও কাজাওনুংদা খোইদৌ ওইনা ফুঙ্গা লাইক থমই । য়ুমশবোন ফিথুপ অহুম কযাং মপান শুনা শাই। লাইপুংথৌ মপান লাই নুবা ৩বেংনা শাবা য়ুমনি শম্মা হাযববদা লৈশেমলকঙৈদা মালেমবু মীওইবগী য়ুমজাও অমগী মতৌগুম শকলোন পাদম্মদুনা চাওববা পাক্লবা তেংপানবু মীওইবগী হকচাং কযাং তা পীক্লা থুপচিন্দুনা লাইগী লাইশং অমগুম্মা অশিবা লাইনিংথৌনা লৈরিবি। মসিবু মীওইবশিংনা থস্মোই লাইয়ুম কৌনা খঙনৈ ।

মতৌ অসুম্মা লাইবৈপক্কী পোইবৈ লমদম কংলৈপাক অসিদ হায় শেম্বা কোন্না লোইবা লমদমনি হাযনা যাম্মা ডাল্লাঙদগী হৌনা লাংডম কযানা লৌনবম্মী। তেংপান্বগী পাক চাওববা খাবকপ মীওইবগী হকচাং কযাংনদা পুসিন্দুনা পাদম্মবস্ত্রীবা থক্কী লাই ওইনা ইপু ইপাশিংগী লাখলোনা লৌশংগী মঙান আস অসক্কী মতিক হাইনংঙাই লৈতনা বাংনা শান্না উবা ঙম্মম্মা হায়নসি লেংবা যাদ্রবা খুদম কযাশিংনা মযেক শেংনা তাকাপবম্মা। লমদম অসিগী লাইগী মচা মশু ওইবশিংনা তাইপংগী হকচাং নুংদা লাইবু লেংদনা ই, মসি অসিনা মীওইবগী হকচাংবু লাইগী অশেংবা য়ুমনি হাযনা লৌনে। মসিগী খদমদ লমদম অসিগী লাইগী মচা মশুশিংনা অমনা অমদা খোঙনা খিৎতং শোক্লাখবদা লাইপকপু কংনৈ । মবম অসিনা তাইপং মীওইবগী থবাই অমাদ হকচাংবু ব্রাংউবশিংনা থাং অমসুং তানি হাযনা লৌনবগা লোযননা অবাংবা থাক্তা শৈহেক শৈথানবম্লিবা অসিনি। তাইপং মীওইবগী থবাইবু পলেম ইমা ওইবা থাংনি হাযনা লৌনৈ। অদুগা হকচাংবুনা পম্থৌ ইপা ওইবা তানি হাযনা ব্রাংউব কযানা লৌনৈ। মবম অসিনা মীওইবগী থব্রাই অমদি হকচাংবু থাং অমসুং তানি হাযনা মৈহৌবোনদগী লৈশেম খুনশেমঙৈগী মতমদগী হৌনা লেংবা যাদ্রবা খুদম কয়ানা উব্রুনা তাকলমই। অসিগুম্লবা থক্কী ইপ ইপাশিংনা থম্নীবম্লিবা হকনা লুববা লিচৎলোনশিংবু মিতালগী মহৈবোইশিংগী স্কুলিং অমা ওইনা তম্নবগী লিক্লম অমা ওইনা লৈপাক মীয়ামদা খুদোন ওমজবা লাইবিক্লি।

লাইবিক অসিবু ইনবা হোৎনজবদা ব্রাবোন ওইনা লৌজবকখিবা লাইবিকশি দি (১) ইবেম পুযা (২) বিদব ডাইবি, ১৯৬৩ (৩) মালেম

চুকখোংলেন পুয়া (৪) অপোক চাদা লাইহুই (৫) লৈশেমলোল পুয়া (৬) তাওবোইনাই য়াঙবি লমলেন (৭) পাখংবা লাইনিং অসিনচিংবনি । লোয়ননা ৱাবি খাখোংশিংবু হকথেংননা ফংজবকপা শিল্পাকপুবেনশিংদি (১) লাই ওইখ্রবা লাংজ্রে শিল্পাকপুবেন মোইবাংথেম ইবেতোম্বী, থাংমৈবন্দ লাইজিং উমং (২) লাংজ্রে শিল্পাকপুবেন সুখাম মকতোম্বী, শিংজমৈ চিংঙা মথক (৩) লাংজ্রে শিল্পাকপুবেন সাইখোম নোদিয়া মঙাং, ৱাখা লৈমচিং (৪) লংজ্রে শিল্পাকপুবেন মোইবাংথেম মনি, সগোলবন্দ মোইবাং হনুবা লৈবক (৫) লাই ওইখ্রবা লংজ্রে শিল্পাকপুবেন থোঙাম বিব সিংহ, ককচিং খুনৌ (৬) লাই ওইখ্রবা চোংথামচা জোইগুাম্বা, নগামাপন শিংজুবুং লৈবক, হার্যাবিবা মী অথোইবশিং অসিগা মফমদগী ফংজবকখি । লোইননা ওইনাম নবকুমাব মৈতৈ ৱাকৈথেল সোইবম লৈকাইদ' লৈবা ঈয়াম্বনা যাম্না অতেনবা মতমদা লাইবিক অসিবু পাবিদুনা ৱ াইহেগী অচুম অবান কযাবু চুমথোকপিদুনা লাইবিক অসিবু পুথোকপদা মপুংফানবিবগীদমক ঈয়াম্বগী অচৌবা লমন অমসু তোশিঙবে। লোইননা লাইবিক অসিবু পুথোকপদা মখন খুদিংমক্কী ভেংবাংবিবকখিবা শিংবুসু ইকাই খুম্নবা উৎচবি। অবোইবদা লাইবিক অসিদা য়াওখিবা অশোই অঙাম অৱাং- অপা পুম্নমক মথং খুৎনমদা চুমথোকচনবগী খুদোংচাবা পাবীবিবা খ্বাই তবানা পীবিয় হায়না নোল্লুকচবি ।

[illegible]



PRESUMED LOCATION OF MAN'S ORIGIN

ABC show the triangle area in which Ramapithecus fossils have occured, 1-7 indicates the area where Australopichecus fossils or cultures of similar untiquity have been unearthed. The oval dotted area is presumably man's place of origin.

পাখংবা লাইনিং

তেংপানবগী পাক চাওববা যুম্ফম অমগী মনুংদা লৈবিবা খিবিকপু পুম্নামক খংবা উগুম্বা ওইববু পাখংবা কৌই। পাখংবগী লৈরিবা লিচৎলোনশিংবু খংন্নবা তম্বা, থিবা, নিংববু পাখংবা লাইনিং হায়রগা খংনৈ । পাখংবা লাইনিংদি তাইপং ওইরবশিংগী থব্রাই অমদি হকচাংগা তেংপান্নগী যুম্ফমগা অমৎতা ওইনা লৈবনা থাদোক্লবা যাদে । থব্রাইগা হকচাংগা অনিনা খাইনব্ অথাবা নুংশিবা বাপললোন হকনা হায়দে । তাইপং পান্নদা অশিবা (নোংমন্না) ওইবা থৌবম ওইরিবনবু পুক্লিং হকচাং, পাঙ্গন মযেং তাদ্রিহুঙে, তাইপং মী ওইবিবা ঐ ঐনা অশিবা ওইবিবগী থৌবম কংলোনবু খগুনা তিংবা পুন্সি খোঙচৎপু পাখংবনা চৎপা লিচৎ ওইবনা হয়ি কৌবা তাইপং মপুগী মতিক মথাইগা চান্নবা লিচৎ, শাচৎপু পাখংবা লাইনিং কৌএ ।

পাখংবা লাইনিংগী লিরবা লৈশেমলোন, মীশেমলোনগী অমাদ পোকপা, হীংবা শিবগী ওইবা লিচৎলোনশিংবু মপুং ওইনা তাইপং খুন্নাইদা মপুং ফানা খংহন উহন্নবা, শন্দোক্লনবাগী থৌদাং অসি লাইনিংথৌ অশিবা মা মহিবেন্না ওই। তাইপং খুন্নাইগী লৈঙাকলোন, লৈকললোনগী মপুং ওইবা থৌদাংশিংবুনা তেংপানবগী মশকপু ওইবা মপন পন্থৌ মপাগী মশকপু হান্না খংবদগী পাখংবা মীংথোন ফংলবা মনাও ইবুংঙো অতোম্বা ইবুধৌ পাখংবনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌএ ।

পাখংবা লাইনিংগী মনুংদা তাইপং মীওই অথোইবনা চৎকদবা অমসুং চৎলোইদবা লিচৎলোনশিং অসি চক চক্কী মতুং ইন্না মখাগী অসুম্না চৎনবম্মীঃ

হয়ি চক

১। নহাননোং হয়িচক্তা, ইয়ু নিংথৌ

কাঙবা মহাক থক্কি লিচৎ শাচৎ

যাথং ব্রাচুম শুবা (অশেংবা অচুম্বা ব ঙাংব হাযবা)

২। উলপী পুক্লিং লেপ্পা
(ব্রাখল মুন্না তৌনগ পাংথোকফম থোকপা থৌনম পা..থাক্লবা হিবমদা পুক্লিং অনি সোংদবা)

৩। যাযপী থরাই ঙাক্পা
(থরাই ওইবা খৈবিকপ ঐ ইশামক্কা পাংথক্লু থরা যোকপী কনবিবা)

৪। মীনম খবানতপা
(ওইদবা নৎতবা খৈবিক্লা অওইবা অশেংবা শং হাযাজিন্দবা)

৫। থোঙফেন মাযযোক্লবগী থবাক চুং ওইনপা।
(মাইযোক্লবা লানফমদা, মাই ওন্দনা শন্দোকপ ঙম্বা তৌনা লিংজেং লৈবা)

অসুম্না ওইবদা শিংনবা মাওইবু, শং... লৈং লোলাই ... ভোংদুনা, কোবৌ নোংগনৈ ... শৈথানৈ।

খুনুং চক ঃ

খুনুংচক্কি লিচৎ শাচৎশীশু, হযিচক্কি লিচৎ শাচৎশাংবুশু অদুমক ঙাক্লা চংলবগা, লিচৎ শাচৎ খবগী মখৈবুশু হেনগৎ থোযগৎনা ... নাওৱা অঙাংগী খোইবি লিনশাং কক্লা ফুবেন ব্রুনকোইনুংদা হাপ্লবগা মালেম লৈব্রা ফুম্বাবুশুং তৌনাবকলে যিমমাং যিমশেংবুশু তৌনবক্লে।

খুনুংচক মতমগী লিচৎ-শাচৎ ঃ

১। যেক্লা পাওনাই চেনপা
(মী অমগা অমগা যেক্লানবা ব্রা হাযজিন্দুনা নুংঙাইনদনবা ই পাও শন্দোকপা)

২। লৌথুপ কোযথানপা
(খঙহন উহননিংদবা অবোন অথুপ তৌনা নাইনা চৎপা লিচৎ)

৩। লিংচেন তিংখং পানপা।

(অপশুবা বাখলনা অথৌবা ওইদুনা অচুম অরান খঙদবমখৈ, মরিল ফুদোক্লুনা হনবা লৈতবা)

৪। য়াথং বারৌনপপু পুম্না লৈবমতে।
(অমনা অমনা অফ-ফৎতা বাফোংনবদা বারৌনবমদে। নৎতবা ইদবা হায়জিনশিংনগী পুক্লিং বাখন মম্নি তারমদ্রি)

মীওইবনা ঙাক্লা চংকদবা লীচৎ নিপান ঃ

লাংবা চকঃ

হংনা চংমৈগী উয়ুম লৈতানচলেনতি, কশ্না মপুবেন, হৈবোম রুপাকা অনমকপু মস্মোই থা তা কোমা, পুক্লিং লাইনিঙ কায়তনা, চংনাবকপা লিচৎ শাচংতি।

১। মবাং মমনুং লেংপা
(তেংপানবা মপুনা য়ুমগী মতংগুম চঙদুনা লৈবিবা ঐ ঐ ওইবগী পুক্লিং, বাখনক, তক তকবা, অশেংবা পুক্লিং বাখনতবু খনবা লিংবা)

২। সমু মতাক মকহনতপা
(ঐ ঐগী হকচাংবু মোংহন্দবা, মীনা উবদা তুকৎচবা, হক্সোইবা হকচাং অমা ওইহন্দবা)

৩। উলশী পুক্লিং লেপ্পা
(পুক্লিং,বাখননা অশেংবনি অচুম্বনি খঙনববু লেপ্তুনা লৈবা / পুক্লিং অনি লোংদবা)

৪। য়াথং বাচুম শুবা
(অচুম্বা অচুম্বা বাফম খক্তা ঙাংবা হায়বা)

৫। য়ায়পী থবাই ঙাকপা
(থবাই পানবা খোঞ্জেন খোম্থোক ঙমলিবা খৈবিকপু, ইশামক্তা পাংথকনি নিঙনা ঙাকপিবা)

৬। তরা চা তং শেংপা
(চাবা থকপা য়াই য়াদে খঙনা মচি ওইবা ঙাক্তা চাবা থকপা অফং

অফংবা চাশিন্দবা)

৭। মীরুমপীপু অমৌ হু ওইনপা
(অতোপ্পগী মতু- মব্রাশিংবু হুগা পাংখকনি খনবা)

৮। পাথুপ লৈনেম পাকপা
(ঐনা মখণ্ডদ্রবনি হৈএবনি, ঐঙোন্দগী হেন্না খঙবা হৈবা মীওই কয়ামুক লৈ হায়নবু খন্না পুক্লিং থম্বা)

মীওইবনা চংলোইদবা লীচংঃ

শিনফম থৌবম, লিচং শাচং, নিপানমা অসিবু ঙাযবোইননা, কুকম শ্না মখোঙ - খাতা, মবান হুমওইবকলে, মীপোক য়াযফপা লাইনিঙলোযশাংনা।।

১। ব্রুলপী পুক্লিং য়াংপা
(হায়বা য়াবা ব্রানি, যাদবা ব্রানি খন্দনা থোক হায়দোককনবা)

২। কনচা ও মৈরা থোকপা
(মবম ইচা চাদনা, অশাওবনা মাংওইনবা, শাওগনবা)

৩। ললপাম ইখৌ লাংপা
(মীগী মবল মথুম উরুবগা কললক মিহৌবা পোকপা)

৪। পুক্লিং অঙক চঙপা
(থবক অমা পংথোক্লবা থৌরাংবদা তৌশিবা তৌগুর্মশিরা হাযনা চরক চহিং নাইনা ব্রাখন ফুম্বংনবা)

৫। নাপন ময়ায় কাপা
(ঐ মঙাইবে হায়না নিঙনা নাপন তৌনা চাওথোকচবা)

৬। য়েক্লা পাওনাই চেনপা
(মী অমগা - অমগা য়েক্লনবা নুংঙাইন্দনবা ব্রা পাও শন্দোকপা)

৭। মিনম খুরাম হৈপা
(ওইদবা নংতনা ব্রারোন কয়ামুক্লা অওইবা শানা হায়জিনবা হৈবা)

৮। লৌশীং লাংথাক কনপা
(কবি হায়জিল্লগা, করি পিরগা থেমবা য়াগদগে হায়না হিরম থৌরম

ব্রাখললোন শাগৎপা হৈবা)

শিনফম থৌবম নিপানমা অসিবু সমু নমতা হুমলানথোক্লা চৎলকপা লিচৎ শাচৎ চৎলিবা মীওইবনা তেংপানবা মপুবু থম্মোইনুংদা লেংদনা থাগোন্নরক্লি।

কোন্না চক ঃ

লাংব চক্লা মমৈ ওইরক্লবা কোন্নাচক্লি চক্লা, চকচিন ওইবক্লবা মতমগী মীওইশিংগী লাইনিঙ (ধর্ম্ম) গী মমিংবু পাখংবা লাইনিঙ হায়না কৌনবক্লবদা গুাক্লা চৎলকপা লিচৎ লাইনিঙ লাইশোন থৌবম কাংলোন পুক্লিং ব্রাখন মাংগী মীবোন চক চকশীংদা গুাক্লা চৎলক্লিবা চৎনবোনশীংগী মথক্তা, হেনগৎ থোয়গৎনা চৎনবকপা ।

লিচৎ শাচৎ ঃ

১। যাযগী থব্রাই ওইপপু খঙপা
(মশক মওং অমমম ওইনা অহিংবা ওইরিবশীংবু মৈশা ইনিন ওইবা । তেংপানবা মপু মানা চঙদুনা লৈবদগীনি হাযববু খঙনা, পুক্লিং ব্রাখন থম্বা ।)

২। নহাক্লি নশকপু নতোম উজপা
(ঐ ঐগী ইশকপু মিংশেন্দা উবগুম তবং অহাংবদা উবা য়েংবা হৈবা)

৩। অমম্বদা ইকাইবা খঙপা
(মম্বদগী মম্বা মীওইবা ঐগী পুক্তগী হেন্না মম্বা অমা লৈত্রবনা । কনানা খঙলোই উবোই হায়না খলহৈ নিঙহৈদবা পুক্লিং ব্রাখনবু ইকাইবা খঙবা)

৪। চাকচা ভৌখিপা (য়েলহেন)
(থাবান থাবনশীং অমসুং থা- থাগী ওইবা, চাবা য়াদবা য়েলহেন খঙনা চাবা থকপা)

৫। য়াহিপ মতাং খঙপা
(হিপ্পা তুম্ববু, মতম অমদি মরম চাই চাদে খঙনা হিপ্পা তুম্বা, তুমনিংলে হায়দুনা হেকমক তুমশিন- হিপচিন্দবা)

৬। থব্রাই হকচাং অনিগী মতিক খঙপা

(য়ায়বী থবাই হায়রিবগা, হকচাং ওইরিবগা অনিনা লৈনবিবা মর়াবু মমুৎ তানা খঙবা)

৭। য়ায়পী থবাই ঙাকপা
(মশক মওং অমমম ওইনা লৈরিবা খোঞ্জেন খোঙ্গোক ঙমলিবশীং - খৈবু ঙাকপী কনবিবা)

৮। মপা- মমা লাই কুকমগী যাথং লৈখা তাহনতপা
(ঐ ঐবু পোকপী শাৎপিরিবা ইপা ইমা, মিৎনা উবা লাইগুম্লব অং গী য়াথং পাওতাক হিকতোক্তবা)

৯। লিচৎ শাচৎ খঙপা
(ব্রাঙাং শাঙাং, থৌদৌ লাংদৌ থকপী খাপী ঙাকনা চৎপা)

১০। ঐনা চৎপা লিচৎপু, থবাই পানপা খৈপিক্লা য়াপিপা
(ঐ ওইবনা, তৌবা ঙাংবা হায়বা খৈবিকপু, অহল নহা খঙনা য়াবিবতা নৎতনা, শা কৈ, হুই শগোন, শামু থবাই ওইবা খৈনা, ঐবু উবদা নুংশিবিবা পোকপা, হায়জবদা য়াবিবা ওইবা)

থবাইগা হকচাংগা অনিনা খাইনববু অবাবা নুংশিবা ব্রাখললোন হকনা হায়দবা। তাইপং পানবদা অশিবা (নোংমনবা) ওইবা থৌরম ওইরিববু, পুক্লিং হকচাং পাঙ্গল ময়েং তাদ্রিঙৈ, তাইপং মী অমা ওইবিবা ঐ-ঐনা, অশিবা ওইরিবগী থৌরম কাংলোলবু খঙনা হিংবা পুন্সি খোঙচৎপু পাখংবনা চৎপা লিচৎ ওইবনা, হয়ি কৌবা তাইপং, মপুগী মতিক ময়ায়গা চান্নবা লিচৎ শাচৎপু পাখংবা লাইনিং কৌয়ে ।

অসুম্না ওইবা মীরমচৎ শাচৎ অসিবু থবাই পানবা খোঞ্জেন খোঙ্গোক ঙম্লীবা কানাশিংনা চৎপা ঙমদে। অথোয়বা মীরমচৎ অসিবু চৎপা ঙম্লবা মীওইবশিং অদুদি, মী মচং, থবাই চংখোনবা ওইরবা মীওইনি হায়নবু লাইনিঙবাশিংনা ব্রা হাযরমলে ।

লৈশেমলোনগী শম্লপা ঃ

হোংনেম লুব্রাং নিংথৌ পুন্সিবনা মঙাং লাইনিংহন্নদা ব্রাহোমখি। হে ইয়ু লাইবুনিংবও, ঐখোই তাইপং পানবসে মপুনা করম শেম্লনো লিবিয়ো

তাজাগে হায়ঙেদা, মঙাংনা ঋাহোমলকএ । শানৌ লূঋাং লৈকোইনা তাবো ঋাহোমগে তাইপংশিদি কবিগুম্বা অমত্তা লৈবমদে ইকোক কোক্লা ইমম মম্মা ঈতং তিংনা লৈবমএ। অমম্বা লাই মথন্তা ঙাইবমএ, লাই অমম্বা অসিবু মওং লাকপমদব' হায়নৈ, লাইনিংবশিংনা অমা হাযবদি মাবুনে লৈকোইনা অদুবু পোইবেতা ফংধবশিংনা তবং থোক্লি । ইতিং তিংই ইকোক কোকই অতিংকোক থোক্লা । মতম সিদবা মহাক্লা ইত্তেম্মা লৈবদি নুংঙাইতে তাইপং পাম্বা ওইদনদি যাবোত পাইমনিখল্লে। অসুম্মা লৈবদগী লাই মানা তাইপং মালেম শেমগে 'নংদ্রং' হুঁ হাযনা কনজাউবে, উং হাযনা মপুক ফাবে অকোইবা মঙান তবেং থোক্লে থবী যুম কৌএ ।

তপংদা উং হাযবা খোনজেলনা ঙংবদগী মালংবসে খাংগোনগা লোইননা থোনক্লে, মালংবনা ঈংনা মেংনা লিবি লিবি হুম্নদা অযিংবা মনিনদগী লাইজা ঈশং থোক্লে। পোংশক অহুম শুবে অহুমসে শুন্দা মালংনা মাংদা লাইজা যাইদা শাম্বানা তুং ইল্লে। লাপ্পা যেংবদা শাংনা উইএ, মথেক অহুম শুইং মপা লুকএ, মনাম পোল্লে, মমৈ হাইগংলে উবদা অমম্বা লাইনা মমিং থোক্লে, মাচ ফখুপ অহুম কৌএ ।

মকোক্তী শংবান্নি, মনাম মশাদি ভৌএ, মমৈ হাযগংলে । খোঙ্গাং ০ং হায়না ঙংবদা মতুম তাবে লোংলুম কৌএ । ৯ লক ঙংবদা কযাং ৯ খোক্লা শাইবে আচ কৌবে । আচ অসিনা ঐশি কবি তৌশিগে, কৌবৌ মালেম তাইপং শেম্লগে নিংলক্লে অচিনা উক্ক হাযনা ঙংবদা মতুম ওইনা তাশিল্লে। মতুমশিংনা অমববক হুক্ক হায ঙংবদা তম্বা নিপাগী মশক অম ওইবক্লে। য়াম্লা ফাজে পাদম লৈতে। মওং নাইবমদবদগী তিংথোক্লুনা কোল্লোকলক্লে, মক শিদবা অতিংকোক পাখংবা কৌএ । মশক মওং নাইনা তাউথোক্লকপগী তাউবোইনাই পাখংবা কৌএ । ঙং হাযনা মনিংশা অমা ইস্লোক্লক্লুনা তবংদা থাবে থমচেং মযাইদা লেপ্লে । অদুদগী নিংখল্লকই হবাউ মথোই কানা নুংঙাই য়াইবী মবাং হৌবা নংতনদি তাইপং পানবা শেম্বা যাবোই নিংখল্লদুনা যেং হাইনা ঙংলকপদা অনি থোকনা খাইবে, য়েংথংবনা লাইযিংথৌ, ওইনা লাইবৈম্মা তাউবিবোইনাই ওইবে অনিমক অসিবু অতিংকোক সিদবা, তাউবিবোইনাইশিদবী কৌবে ।

অনিমক্লা অমত্তা ওইনা লংপুমলগা মানিংসানা মালংবু পুথোক্লে, মালংনা লিবি লিবি হুম্নদা অযিংবা মচুম থোক্লে যিঃ লাইজা ওইবে । অহুম

অসিনা পুন্সিল্লগা মশক অমা থোক্লে ইশাং শাংলে । মক লুকএ, মনম হুল্লে, মমৈ কোনখৎলে, মকোক্তি শংবান্নেএ, মনমদো ঙৌএ, মমৈদো মুঙাংনৈএ । মচু অহুম শুইএ অশংবদি নোংশিৎনে (অতিয়া কৌএ) মহাক্তী যাইবিবেন্নে ।

অঙৌবদি মহিবেন্নে (অশিবা কৌএ) মহাক্তী ইমানে, মুঙাংনবদি মৈশানুবীনে (কোনজিন তিংথোকপনে) মহাক্তি ইপানে অহুম অসিবু অচ (অশি) কৌএ ।

তাইপং মপুসিদবনা অতিংকোকপু য়োমই। অতিংকোক্লা অমম্ববু যোমই। অমম্বনা নোংশিৎপু যোম্লকই। নোংশিৎনা লৈচিনবু যোমলকই। লৈচিন্না ঈশিংবু য়োমলকই। ঈশিংনা লৈপাকপু যোম্লে। (মপু সিদবা ক্রম তাউবোইনাই সিদবগী পাথংবা য়াংবি নাউযোম তবেৎ হাযনা কৌর্বাদ অসিনে) ।

১। অচিবা (অঞ্জি অসি কৌবা) তাউবোইনাই সিদবগী মমিং য়েংতগী লাই অমা পুথোক্লে, মমিং থবি শেংকোইবেং ছুচিব কৌএ ।

২। ওই থংবা মমিত্তগী লাই অমা পুথোক্লে মমিং থাবা নো [illegible] কৌএ।

৩। লুবাইবেন্দগী লাই অমা পুথোক্লে মমিং তান্দোমলেন কৌএ ওকখুসুং অসুম্না লাই অহুম পুথোক্লবগা ।

৪। যেৎ থংবা নাকনদগী লৈমবেন লললৈমা পুথোক্লে ।

৫। ওই থংবা নাকনদগী লৈমবেন শিল্লেমা পুথোক্লে ।

৬। পিশুমদগী নোংথাংলৈমা পুথোক্লে ।

৭। মচু শংবান্নবদগী নোংশিৎ পুথোক্লে ।

৮। মচু অঙৌবদগী ঈশিং পুথোক্লে ।

৯। মচু মুঙাংনবদগী মৈ পুথোক্লে তাইপং হোইদোকপগী হর্য কৌএ, তাহপং য়োকপগী হযা কৌএ ।

মপুনা লাই নুপা নুপী খাইনা খুনথোকপা ঃ

ঐনা তাইপং শেমগে হায়বদি ঐ লৈবগী ভাব্বনে, ঐনা খুপচিন্দুনা থবক তৌববাদ, মমখিবা তাবে অমমম্বদা থবক তৌবা যাবোই। অতাম্বা লাইবু থাংনা পুথোকখিগে, হায়দুনা যেং থংবা মীংতা মখূৎ যেংকী খুবী মকদা তো হায়দনা শোল্লগা তকপদা লাই অমা থোক্লে। কোবৌ মালেম লৈতৌফমদা থল্লবে। যাম্লা ভাল্লে নামং থক্কী শেংলোইবেং অপাখ্বা হায়না কৌবে। ভাল্লবদা থরাই নুংতাইবগা লেম্বননা ওইগী খুবীনা মকবো হায়না শোল্লগা তক্লে লাই অমা থোক্লে। কোবৌ মালেম লৈতৌফমদা থল্লবে যাম্লা ইংনা ভাল্লে থাবা নোংদম হায়না কৌএ। মসিগী মতুংদা লরাইদগী লাই অমা পুথোক্লে, শো হায়না মমিংদি ওংসু তান্দুমলেন মৈনাইবা কৌএ কোবৌদা থল্লবে। ময়েক থোক্লবা তাইপাং মপুশাদ মালং লাইজা খাম্বীনা ওইরনে হে লরাংও। নুংশিংকী মচু অশংবা, ঈশিংগী মচু অমুবা। মৈগী মচু মঙাংনবা মচু অহুম্মা তিনববু লিকলাই মচু কৌএ, লৈকোইবা। মুনা ভাংভবদগী নুমৎ পুথোক্লে অমুবা মচুদগী থা পুথোক্লে। অশংবদগী থরাইমিচাক নোংথৌ সিদবা পুথোক্লে অচি অদুনা ওইখিবা নিপা মশাদো মানা য়েং হায়না ভংসে, যেংনা হায় কৌএ, ওইনা হয়া কৌএ। নুপা নুপি হায়না অনি থোক্লে, অনি অদো হায়না ওক্ক হায়না ভুংবদা অমুক পুনাশিনখ্রে। হয়িনা খল্লে মৈ ঈশিং নুংশিংসে মপোক লাংওন তাহল্লগে লাই শেমলগে নিংলে। মালেম শেল্লগা তাইপং শেমগে নিংদুনা হায়না শোক্ক হায়না ভুংবদা লরাইদগী অতিয়া সিদবা নুংশিং পোক্লে। অমবক হোক্ক হায়না ভুংবদা খোইদৌদগী ম্লাগী মচি ওইনা চেনথোক্লবদা হয়িনা খুবাক্তা য়াবে মহি অদো লাইগী মশক ওইবে, মমিং স্না মহি লাইয়িংথৌ কৌবে। অমবক হোক্ক হায়না ভুংলে খাম্বী মৈত্রেং অবাবা কোনজিন তুথোকপা শিনুংদগী পুথোক্লে। অমুক লেবেক্ক ত্রেক্ক হায়না ভুংবদা লাইবৈমা অহুম পুথোক্লে। অসিগী মতুংদা হয়িদি কোবৌ থক্তা ম্লাগী ফনদোং অমগুম্বা অমদা লাইবেন তাওবোইনাই কৌনা লৈবে। মখোয়দগী লায়াম পুথোক্লে লাইয়াম পুথোকপা লোইববদা মালেম শেমগে নিংলে।



মিতালনা শিন্দুনা ফে:১২'০৯ ইংদা কংলাদা পংগোনকুবর কপ্পক পুরেনীশ ইনাহচানা নুমিত্র বংকৈ পিবাক্লেন ইনিংথৌ লৈশেম্বনা। লাইমযুমচা লেম্বান মম্ন ইনবনম মৈতৈলি হৈ ব ঙনরি মীংগোনাগা লেইননা খুমন থেক লৌদুনা ইনাংকি লীচংতা ওনবাগীদবক নপুন থৌজাল লোন্ত্রা মী নতুনা মীংগোনা লায়ননা শকথংতে খুৎশিন্নবা।

মালেমগী পরিং লাঙশং হুম্বা

মপারি মমোম তকুঙ্গা য়াহোমলে । পাকিখোম ইমোমখোই মালেম কোকৌ শেম্লগে তাইপং মপুনা, পারি অতিয়া শিদবা নঙনা কোকৌ নোংলোন মাপন শেম্মলো । শিদবা স্না মহি নংনা মালেম লৈবোক শেম্মলো হায়না তাকাপরে । অসিগী মতুংদা অতিয় শিদবদা তাইপং মপুনা লাইশোন তম্বগে লাইশোনাদ উক্ক অমসুং কুক্ক হাইনা তম্বাবে । মপুদি থৌরম যেংগে মন্দুনা সং তংনেংদা চাংখৎ তুনা লৈরে । অদুগা লাইনিং অমা শোল্লে মাগী ফনদোং অমা থোকলে । অদুগী মথক্তা হায়না হয়াগা ফমলে হায় ভাদ অমুক লৈশাংদা মন্দুনা লাইশোন অমা শোল্লে । মাগী ফনদোং অচৌবা মঙং অমা থোকলে, মতুংদা মপাকি অতিয়া কৌদুনা হায়লে । হে পাব নংগী লাইশোন লাইনিং শোল্লো হায়দুনা য়াহোমলে অদু নোংদা আতিয়ানা উক্ক হায়না তুংদা কোংগোন থোকলে । মপুনা লাইশোন হোংলো হায়বদা য়েক্ক হায়না তুংলে, কোংগোলদো লাইত্তা ঈশিং ওল্লে, ঈশিংদো তাকত্তনা মাগী ফনদোং চোল্লা লৈবে । অমুক কুক হায়না তুংদা ঈশিংগী মথক্তা কং পোকলে । মসিগী মতুংদা মপাকি অশিবা মান্নতি কৌদনা য়াহোমলে পাব ইরুংস্তো নপন লাইশোন তম্বাগে কংগী মথক্তা নংনা পরিং লংশং থরো হায়ন বাহোম্বিরে । লাইশোন তম্বাদ হুক্ক শোক্ক এক্ক হায়না পাবংনে লংশংনে, (মশক লেপ্পা) উংবোনে, শংককনে, লংশোননে, থৌবম মঙা তম্বাবে । অদু নোংদগী কংগী মথক্তো ময়াইদগী হৌনা পাবং থানা খংগা য়াংগা মানং মমাং মাইকৈ মরি শুংদাই নিপালমক্তা পবিং লাংশং হুল্লে । মাইকৈ মরিবদা চুক্কী মশক ওইনা ফাবে । তাওবোইনাইনা খোংবৈ চল্লে । অদু নোংদগী শিদবা মপুনা হাইএ । মালেম লৈবেন হনবী নংনা মিবেন লাংশিংশিনা কংগী মথক্তা থাবগা লৈপাক হৈংশে হায়দুনা থাবে । মসিগী মতুংদা শিদবা মপুনা মপাবি অশিবদা থৌনেকলে ।

পবি যাইমবা নংনা মালেম শেমলো হায়না থৌতাকলে । অদুগা অশিবনা হংলে হে পম্ভৌ মলেমদ কদাইদগী লৌগদগে হংলে হয়িনা হায়বকএ হে পবি নমা লৈমবেন্দগী লৌকও তাকাপবে । অশিবনা মালেম শেকোনিংদা

কুমথখিদুনা লৈমাবেনগী মনাক্তা যৌখবে । লৈমবেন্দুদি মতমদুদা কোংবা লম যেংদুনা লৈবম্মী মপবি উবদা পাওহংলে । অশিবনা হায়জৈ পলেম ইবেম্ম পম্বৌ তেংপাম্বা মপুনা ইশাবীবু কোবৌ শেমহল্লে । নপাবিবু মলেম শেম্মো হাইবি লৈপাকতি লৈজদে, পম্বৌনা পলেমদগী নিক তাকপিবে, নিজগে লাকপনে হাযববদা । লৈমবেন্না চনিংদগী লৈখাদগী লৈবিবশিনা শেমমো হায়না তাকপিবে । অশিবনা হোললে মিবেন লাংশংগী মথক্তা হৈবে, থেংকৌ শানা লৈনেৎলে । হৈহৌ- লৈখোম, লৈচাই- লৈবোই থেংকৌ শাদনা মচ মচি লোইশিল্লে । অশিবদো ব্রাবদনা মশানৌ পাফনবদা থৌনেকলে, শানৌ নংসু লৈহোনবশে যাও হাযবে । অদু নোংদা পাফনবনা থেংগু শানা ওক অমুক শান লৈহোল্লে । হযি হযা অনিনা কুমহৈ যেংনিংলে, যেংবদা নুংঙাইবদুনা থাগৎলকএ অশিবা নথৌদাং থবক ফজবে ইচাদি বাক্সবেদা থগৎলে, অদুদা পাফনবনা তাবদুনা শাওবে । ঐবুদি থাগৎতে ইশাবীবুদি থাগৎলে, মাশেম অশেমবসে কাযহল্লগে (থুগাইবগে) নিংলকলে । পাফনবনা তাংক্তা নিজ শাবে খংগোন হযাবা ওইদুনা মালেম অশেম্বা চাইখাইনকলে । অশিবনা শেমজিল্লে, পাফনবনা চাইখাইবে, শেম্বা ঙমলকতবে । অশিবনা নবমনো শানৌসে শাওদনা মালেমশে লৈথিনগায ওইবে যাবোইদৌবে, পম্বৌ হাযদা হংগৎলগে হাযদনা কোবৌদা যাংগোইবকলে । তাইপাং মপুদা পলেমজাদে, পলি কদৌনোংগী যাংগোইবকপনো । অশিবনা হায়জএ মালেম শেমবশে শানৌ পাফনবনা ঙাওমনদনা লৈথিনগায ওইনা চাইখাইবে, কবম তৌশননো হংগৎলে । তাইপং মপুনা হাযএ ইপানা কুবিগে হাযদনা ওইগী হৈবোমদগী তাদনা লাইবৈমা অমা পুথোকলে, নোংখাং লৈমা কৌএ । নোংখাং লৈমদা তাইপং মপুনা হাযবকএ হে লংলেন ইবেম্মা মদু নিংথৌনা মালেম লৈশেম্বব নদু নিংথৌ অতোম্বানা মালেম লৈথিনগায ওইনা থিনগাযবে, চৎতুনা অঙাওবশে হেন্দুম ঙাওহল্লুও, হাইভেদা নোংথাং লাক্নুনা পাফনবগী মমাংদা চৎলবে । পাফনবনা হাযএ পেম্মা নংদি কনানো হংবদা নোংথাংনা হাইবকই । হে ইবুংঙো ঐদি পম্বৌ পলেম খংদে হাযনা চৎখবে । হাযযো হাযদনা তাল্লে, নোংথাংনা চেললে, অসুম্না তানখ্রিভৈদা, লৈশেম্বা লোইখ্রে । কিষ্ণুদনবা হাযদনা লৈপাক লৈমনা লাইমিং শোনদনা মালেমগী মখোংদা লৈশবে । লাইমিংদি লৈপি তোনশেন লৈনপফা কৌব্রুনা ঙাকলে । মিৎলমদা থাংজিংনা, মৈবমদা ব্রাংব্রেন্না, চিংখৈদা মবজিংনা, মখাদা পুবৈবোম্বানা, নোংপোক্তা নোংপোক অচিবনা, নোংচুপতা নোংচুপ মবিবনা, অব্রাংদা থংব্রাই মব নিংথৌনা ঙাকলে । মালেম শেম্বা লোইববদা নোংথাংনা পাফনবদা ঐশে নচননি, নংনা

৬ ওমনবদগী লৈশেম্বা যাদ্রে হায়না হেন্নদুম ঙাওহন্দুনা লমলকতা পুথোকউ হাইনা পন্থৌনা তাকপীদুনা, অদু নোংগী কবেম্মবনে ঐদি নচননে নোংথাং লৈমা কৌএ, হায়ঙৈদা পাফনবদো হু য়াই শেংগোই নিক্কা মক লুক্কা লৈহৌবে। নোংথাং লৈমসু হযিগী নক্তা খুংলবে মালেম শেম্বা লোইবে। তাইপং মপু শিদবনা ওইবিবা ওইহক্কদবা পুম্নমক তাকখিবা তমবিখিববু থেংকৌ হায়না কৌনখি।

অশিবনা থেংকৌদগী খৌশালোন মাপন অমসুং থাংগী মিহুন তমলকপা

মচা ইনুংঙো অশিবা স্না মহিদা ব্রাং লাইকোননুংগী ফমলেন লুচিং ওইনা পিবগা লৌ শেম্মবা থেংকৌলোন তাকলবদা, লৌ শেম্বাদা তাগী থেংকৌলোন পুথোক্লুন শাখি। শিদবা মপুনা অশিবগী থৌবম থৌচৎ পুম্বা উবদা খাংক ঙম্নংনা নুংঙাই হবাওবগা লোইন্না, মপাবি অশিববু যেংনা, ইপংগী অশিব ইচানা তাগী থেংকৌলোন পুথোকপদি নুংঙোল্লে। ইচাগী থেংকৌবু মযেক লানা শাবা শাহেকপু মতুংদা থেংকৌলোন হায়না খঙনহৌনাসন হায়না মচাবু থাগৎখ। মালেম লৈতেম্বদা লাই নুবানা থৌবৈ যা শিং লৈতেমলকপদা লাইপঙথৌনা ওবাও খৌতকহনখিবা, নুংঙাইবা মখল কয়াগী থোংঙো, শাথেক শৈথাগা লোইন্না থৌবৈ য়াংশিলকপগা লোইননা মালেম লৈতেম্ববু উবদা শিদবা মপুনা থেংকৌদগী তাংথবকপবু খৌশালোন কৌকপু হায়না মিংথোল্লে।

অশিবনা খল্লে, তেংপাম্বা মপুনা তাইপংপানবগী তুংগী ওইবকদৌবিবা ওইবিবা পবমলোনশিংবু খঙন্নবা তম্বীবা থেংকৌলোনবু নিংশিংলগা তাগী থেংকৌ অমদি মালেম লৈতেম্বাগী খোঙচোঙ শাথেক থৌবম্বু নিংশিংলগা থেংকৌগুম, খৌশলোননা থৌবম কযাগী মতেং পাংম্বা অশিবনা পুথোকলে। মপুং ওইনা মাপননি।

অসুম্না অশিবনা থেঙকৌদগী হেক তাঙখবকপবু তা হায়না মিংথোনদুনা খৌশালোন মাপনমকপু পুথোকখি। তুংদা অমুক তা খৌশালোনদগী হেক মথং অমমুক থংথবকপবু থাং হায়না কৌবসনু হায়না

তেংপাম্বা মপুনা ব্রাহোর্মখি। অসুম্না লাই নুবা পাখংশিংনা মালেম লৈতেমলকপগী মনুংদা মপুঙ ওইনা লাই নুবা পাখংশিংনা চোংবা শাথেক শাথিন, লৈহাই, লৈহোন কয়া মকমগী ম ওং মতৌশিংবু লৌবগা থাংগী ওইবা খোংলোন খুৎলোন শাথেক শাথিন কয়ামকম পুথোর্কপিবমখি।

অদুগা লাই পখাংশিংনা চোংবা খোঙজোং, খোঙহাই, লৈনিক, লৈহাই, লৈফন কয়ামকম্না পুনশিল্লগা মপুং ওইবা তাগা খোঙলোন, খুৎলোন, শাথেক কয়ামকম থোক্লা অশিবনা পুথোকখি। মরম অসি লৈনা লৈশেমলোনগী মনুংদা থাংনা ইমানি, তানা ইপানি হায়বা অসি পাংগী ওইবা পবমলোনদসু খংন্নে।

তেঙপানবগী হৌরকফম

তেঙপান্নশে কনাস্ কনিস্ লৈত্রিউঙদা "ত্র" লেনা পখংলনা তেং অমা পুথোকই মদুবু অতিংকোক কৌই। মদুগা তিং অদুদ খোনথা অমা ওইনা ঙংদুনা লৈ। মহাক্লা মশিং থিঙমদবা নিংশিংবা ঙমদ্রবা মতম কয়া ঙংলবদা মখোন অদুদগী কুপখ্রবা যাম্না কুপখ্রবা মশক উবা ঙংদ্রবা মনিনা থোর্কখি। মনির্নাশিং অদুবু (১) ইহিংলেন (২) ইকুপলেন (৩) ধুমলেন হাম্বলেন হাইবা ব্রাহ্মে অমা থোকলকই। অসুম্না মতম যাম্না কুইনা লৈববা মঙংদা ম কুপাশিং অসি অমগা অমগা তাশিন্নবকই। মতম অদুদা কুপলে, তিং কোন্নেই অসি থোবকই। মদুদগী তাশিল্লবশিং অদো অমগা অমগা ঙানবকই অমসুং থেংনবকই, মতম অদুদা "ত্র" মঙোন্দগী থোকলকই। "ত্র" লেঙনদগী থোকলকইবা তিংশিং অসি অমগা অমগা ঙানদুনা পকশিন্নবকই, পকশিন্নদুনা লৈবকই। অদুদগী (১) অতিংঙা (২) অপাকমা হায়বা ব্রাহ্মে অসি থোবকই মসিদগী পকনবকইবা ময়াম অতিংঙাশিং অসি মতুম তাশিল্লকই। মতুম তাশিল্লকপা অদুদা অলেন শিদবা পাখংবনা নোংদম মক অমা নোংখাইবিবকএ হাইবগী মতুম অদুবু নোঙলুম কৌখি। অমসুং নোঙলুম হায়বা ব্রাহ্মে অসি থোর্কখি। মরম অদুনা অসুম্না মকুপ মকুপ ময়াম্না তাশিল্লিবা মতুমশিং কয়া কয়া অমা অহাংবা অসিদা মখোনগা লোয়নন্না লৈদুনা লৈখি। অসুম্না মতম কয়ামুক অমম্না তবং অসিদা লৈদুনা লৈখি। অদুদগী মশিং থিঙমদবা মতম খবা লৈবল্লগা অমগা অমগা থেংগাইনখি। মদুদা অমম্না তবং অসি ঙানবা হৌখি। থেংগাইনবদগী মৈ হৌদুনা মৈত্রেং অবাবশিং অসিনা মশা মশাবু

চাকপগা লোইন্না মশা মশাবু মৈ হৌদুনা লৈখি । মতম অদুদা তবং অসি পুঙান ঙাম্বা যুম্ফম অমা ওইবকই । মদুদা তবংঙা হাযবা ৱাহৈ অসি ফাথিবশিংনা থোবকই । মৈ হৌবিবা নোংলুম কয়াশিং অসিনা মৈ ওইনা হৈদুনা চাকহৌদবা নোংলুম কয়াশংদা মঙান ওইনা তাখি । মঙান তাম্নিবা নোংলুমশিং অমদি মৈ হৈদুনা চাকইবা নোঙলুমশিং মখোযগী অপুম্বা মঙাননা অমগা অমগা মথৈ ৱাইনহৈদুনা (শমন্দনা) মপুগী লিক্রম মমি অমা শেমলকই হাযনগী থৱাই মীচাক হাযনা কৌবকই। মাসগী ৱাহনথোক্তী থৱাইগী মমি অম চাবকই (ডংলকই) হাযবগী থৱাই মীচাব হাযনা কৌই । মৈ হৌদুনা চাকতবা নোংলুমশিং অদুদি মশা নী মনা কয়া মানন মহাও কয়ানা পাক্লদুনা লৈ হাযবগা অপকচ্চা নোঙলুম হাযনস কৌই । নোঙলুম অপকমা হাযনা খঙনৈ । মৈ হৌদুনা চাকইবা নোঙলুমশিং অদুনা [illegible] থৱাই মাচাক হাযনা খংনৈ । মৈ চাকইবা নোঙলুমশিং অদম [illegible] হাযনা খঙনৈ ।

মখোয পুম্নমকশি, অসি অহা না অতিয তবংদা [illegible] [illegible] কাইচং [illegible] লৈনগা [illegible] মাগী অথকপা [illegible] অমা ওইনা [illegible] অসি [illegible] কোলোই [illegible]।

মসক্ত মথক লোংলম্না মাগী কুপখ্রবা খুনাই অসদগী পুক্লদা ফাঙনা [illegible] নাইহল্লবহ হাযবগাদমক (১) ইঙিংলেন (২) ইকংলেন (৩) ইকুপলেন শদনা হাযনা কোলোই ৱাহৈ অসি থোবকই মথংদা (১) তুমলেন (২) হমলেন (৩) ইখক হাযবা অহুম অসিবু চেংথোকখি । (১) উং (২) হুং (৩) নুং (৪) খু শু খুৎলাই হাযবা ৱাহৈ অসি থোবকই। অাসগুম্না লাই অসিদগা ইযেক থোকখি ।

লেঙলি পাম্লিবা অচৎপা চৎতবা পুম্নমক্তা যেক্কী ইবম যাওবি, মবম অদুনা পোইবৈ ফাথিবশিংনা (লৈপাক) ঐখোযগী যেক তবেৎ অসি তবেৎ থোক্লা লেপ্লম্মী অমদি অমম্বগী তংখাই অঙাম্বগী তংখাই অনিনা মপুম অমমম শাবম্মী । মদুগী মনুংদা ঈ নংশিৎ, মৈ, মৈগী মনিন ঈশিংগী মনিন, নুংশিৎকী মনিন, লৈপাক্কী মনিন তোপ তোপনা অহাংবগী মনিন মখোযশিং অসিনা পুনশিনলগা ওইবকপা মহাও মবেকশিংবু কুপনা নৈনবগা যেক্কী যুম্ফম তবেৎ শেমখি ।

যুম্ফম তরেৎ অদুগী মমিংদি মঙাং, লুরাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খা- ঙাম্বা, শরাং - লৈশাংথেম অশুম্বা মতম তরেৎ অসিদা মতমগী মমিং খোনদুনা তরেৎকী যুম্ফমদা তারু তারুবা পুন্সিশিংবু মশক খঙন্নবগীদমক য়েক হায়বসি থোকখি।

মরম অদুনা মপানদসু নোংমাইজিং, নিংথৌকাব, লৈপাকপোকপা, যুমশকৈশা, শগোলশেন, ইরাই, থাংজ কৌনা মতমগী ওইবা যুম্ফমদা অমেংবা, অথোৎপা, অয়াকপা, অশিম্বা, অথুম্বা, অখবা, ওইনম্বা অসিনা চিংবা নুংলোন্দতা খংনবা মহাওশিং অসি মরি লৈন্না য়েক্কী যুম্ফমদা ওইবকইবা তারকইবা পুনশিশিংদা যাওই ।

য়েক অমগা অমগা নকশিন্নবকঅর্মদি মতিক মযাইশিং অদো মৌখৎনরকই মৌখৎনবকইবা অদুনা মবম ওইদুনা য়েকশিংগী মথৌ অদো শংনা মতম কুইনা চৎথবা গুমনদে মদুবু য়েক নামুংবা কৌই ।(এলর্দজ্ঞ) মবম অদুনা মমদুনা লৈরম্বা মতম অদুদা ওইখিবা ইরাই ইনিন অর্মদি ভাল্লাকঅবা মতমদা ওইরকইবা ইরাই ইনিন অনি অসিদা তিনর্শিন্নবগা (পুনর্শিল্লগা) মহাওশিং অসি শেমলকই । মহাওশিং অসিনা মরম ওইদুনা ওইবকইবা পুন্সিশিংদা য়েক্কী মহাও অইং অশাগী মতুং ইন্না য়েক্কী খুদমশিং খংগ্নবা পনমলোন শেমলম্মী ।

পুন্সিশি লাইয়ুমনি

লমদম অসিগী পোইরৈ ফাথিবশিংনা তেঙপাম্বা মপুগা শৈহেক শৈথবা, অর্মদি থৌরম থৌকাজবা অসিগুম্বা থৌগললোনগী ইবাত থৌবম তৌবদা হান্না লৈবম্বগী খোনথাং অদুবু নিংশিংবা ওইনা অর্মদি তৎনবা থানবা যাদবা অমা ওইনা খোনথাংশিং অসিনা হান্না শিজিন্নৈ ।

হৌজিক হৌজিক্কী খুদমদা লাই হরাওবদা খোনথাং অদুগী পাদম লৌদুনা পেন্নবা য়াকাইরকই । পেন্না অদুগী খোনথাং অদুগা লোইননা মীওইবশিংনা মশাগী খোনথাং লাওরকই খোনথাং অদুদা লাইগী লাইরোন হাপচন্দুনা শৈহেক শৈথা তৌনরি । মরম অদুনা হান্না লৈরম্বা খোনথাং অসিদগী হোংদোকপা য়াদবা পুন্সি খুদিংদা য়াওনরিবশিংনি । শা- উচেকশিংদসু মতমগী অইং অশাগী মতুং ইন্না মপুকনিং মপুক্কিদা ফাওরকপা অদু মাগী মাগী খোনথাংনা ফোংদোকনরকই।

তাইপং মীদসু অদু মগুাই অশুম্মা অচৎ চৎতা লেংলি পানলিবা পুম্নমক খেনথাংগী শকক অশে মশাদা অদুম লোইন্দুনা লৈ ।

কপ্পদসু নুংঙাইবদসু খোনথাংগী য়ুম্ফমদা অনিঙবা কযা যোংদোকলে। মবম অদুনা তেংপাম্বসে কাবিসু লৈত্রিঙৈদা মখোন অমা লৈবর্মা হাযবসি খংঙবা পোইরৈ ফাংথিবশিংনা নাহৈবোনশিংদা আ উং হৈ হাযদনা ঙংদনা খোনথা 'শং আস লাইগী থৌবম খুদিংদা হন্না শিজিন্নবিবা অসিনা মহেক-লাববা খুদমনি ।

অসিগুম্বা হান্না থোকখিবা (১) মখোন (২) অমমম্বা (৩) অঙাম্বা কুপম্বগা থবাইগী মীম শেম্মনবা মীবেন শেম্বদা চংলকইবা মচাকশিং অসি হকচাংগী মনুংদা অমগা অমগা চাইনদুনা অমগা অমগা পাংনদুনা মবম পুম্নমক অসি পন্না শিজিন্নবা ঙম্নবগীদমক (১) তাইপং (২) পুনশি হায়না কৌই।

অঙকপা ফংলবা মহৌশাগা থৌদোক পবমলোনশিং অসিগী ইবাই ইনিনগী চপম্বাবু হক কৌই । হক অসিবু মান্নবা চংদা তেংপাম্না মপুনা থম্মী অদুগীদমক হক + চাং = হকচাং ফাংথিবশিংনা কৌনবি । নুংদা লৈবিবা হক্কী চাং চৎসদু অমগা অমগা ঙাইন্দুনা নুংদা থবক থৌবম পাংথোকই । নংদা অমগা অমগা ঙাইনদুনা থবক তৌবিবৈগী মতম্ম নুংঙাইবা হাযবা বাহৈ অসি থোকই। পুনশিল্লগা হকচাং + নুংঙাইবা = হকচাং নুংঙাইবা হাযবা বাহৈ আস শজিন্নাব , অমাদি হাইনবি ।

নুংদা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, মালেম, আতয়া মগুা অসিগী হক (অকুম্বা) মনিন অসিনা ঙাইন্দ্রবাদি হকচাং + নুংঙাইতে = হকচাং নুংঙাইতে, বাফম আস ফাংথিবশিংনা শজিন্নবর্মী অমদি হৌজিক হৌজিক শিজিন্নবি ।

মথক্তা হাযখিবা থবাই মীবেন শেম্মনবগী মচাকশিং আসদগী ফাথিবাশংনা থবাই মিচাকপু ২৭ কী মনুংদা পুনশিনলগা থবাই মিচাক কুনতবেৎ হায়না শিংথানবি ।

খুনুংলোনগী মতমদা কৌনরম্বা থবাই মীচাক ২৭ কী মীঙথৈ :

১। শাজক অহানবা

২। থাবা যাইথঙলেন

৩। থাযাই

৪। থাদোন

৫। শচুংলেন

৬। লিকথাবেং

৭। চুংশেনুবী

৮। নোংথৌনকাবামপা

৯। নোংথৌ তুতবেংবা

১০। নোংথৌ শামুবেং

১১। শামু পিশতাও

১২। উফোঙঙাং

১৩। অবাইশংপা

১৪। নুংকাবেমপা

১৫। নমপম শনকোমপা

১৬। তাউহুইবেং

১৭। তোংচেং নুবী

১৮। তোংতবেং

১৯। লুলুকপী

২০। খোংচোংনুবী

২১। লরাই চবৈপা

২২। হাওকলেং

২৩। খাপা লৈতাং

২৪। শিনতবেং

২৫। যারা খুবোম

২৬। যাইথংলেন

২৭। শালকোমপা

কোম্না চত্তা কৌনবা থবাই মিচাক ২৭ কী মিংথৈ ঃ

১। শাজক

২। থাবা

৩। থাতোন

৪। থাযাই

৫। শচুং তেলহৈবা

৬। লিকথানু শাফবা

৭। চিং চবোইবি
৮। চুকশেন নুবি
৯। নোংথৌ নুবি
১০। নোংথৌ নাকা
১১। নোংথৌ ভুবেন
১২। নোংথৌ শামু
১৩। শামু অপিশা
১৪। শল্লু মাংকোক
১৫। উপোং ঙাঙোই
১৬। পুরাং শংকোন
১৭। মোইবাং শংকোন
১৮। পাংচল শংকোন
১৯। উই তংকোন
২০। [illegible] খুংলোম
২১। ঙাংবমা ইচেং খা
২২। ওকপতেলোই
২৩। ওওজইহেং
২৪। মনি মমৌ শিনতাকপি
২৫। কোংবী নবি
২৬। খোংজোম নাব
২৭। তোংচেং নবি

অসুম্না যুম্ফম কুনতরেৎতা লেংলি পাল্লবা মশিং থেঙমদবা পুম্নমকপু পবমলোন্দা (ক্রোমোমলা) শেম্মী । পবমলোন অসিনা পুক্ষি অমগী মনুংদা খোক্কদৌবা খৌবমগী মাই পাকপা, মাই পাক্কদৌবা মাই পাকওইদৌবা অমসুং নুংগী মতিক মযাইগী হন্তবা, হেনগৎপা, তুংগী থোক্কদৌবা থৌদোক অমাদ মাংগী পুক্ষি মপোক কযাগী পবম পুথোকলগা পুনশিগী পুকনিংগী মওান অমা ওইনবি ।

মাওইবগী পুক্ষি হকচাং অশে লৈশেম্বগী (যুনিভস) তেংপান্বা যুম্ফমনি হায়না খংনৈ । হকচাংগী মনুংদা তেংপানবা (যুনিভস) শেম্বগী মবম পুম্নমক যাওবি, হায়না ফাথিবশিংনা খংনৈ ।

হকচাংবু লাইগী লাইয়ুম্নী হায়না খংনবি। মবম অদুনা লাইগী লাইয়ুমদা লৈবিবা পুম্নমকপু থৱাইনি খংনবি। থৱাইনা থৱাইবু থকশি খাশি উৎনা হিংববু থৱাই নিংবা কৌই। লমদম আসিগী মীওইশিংদ থৱাইবু লুনা নিংনা থৱাইগী মতিকপু থৌ ওইনা থবক পাংথোকপা ঙম্লবু মীথোই মীহেনবা হায়না শিংথানবি। মবম অদুনা থবাইগী মনুংদা যাওবিবা মবম্লু যুমগী মনুংদা খুদম ওইনা থমনবি। মদুদি (১) খোইদৌগী ফুঙগা লাইক (২) ফমমেন্দা পনথৌগী কা (৩) মাংশোক্তা ইমা লৈমবেনগী কা (৪) লাইনিংথৌ স্না মাইগী কা (৫) লেনে যাইক কা (৬) লুখুম কা (৭) নিংঙোন কা (৮) চাকখুম কা (৯) মাংগোন কা অশুম্না হকচাং কয়াৎপু লাইফমনি হায়দুনা লাই নিংনবি, অমদি খুম্ম যানবি। মবম অসিনা ঐখোয়না মী অমগী যুমদা চংবদা খুকম, খুড়ুপ লৌথোক্লে। মবমদি ইমুং হায়বসি লাইগী খুদানা লাইফমগী যুম্ফম ওইরবা লাইশঙ্গনি হায়না অবাংবা থাক্তা নোল্লুকপা উৎলি।

মতম পুম্নমক্তা হকচাং অসি লাইফমনি হায়দনা হকচা গী মনুংদা চেন্দুনা মতম পুম্নমক্তা লৈবিবা মৈগী থৱাইগা মশক ওই বনা মৌব মযাই অসি মুৎপা যাদে হায়না খংন্নবা পাদম অম ওইনা না পান নইবা ইমু মনুংগী ফুংগা আমদা মৈ মৎনবমদে। ফুংগা হায়বসি লাইপুংথৌ ৯ গা মশকশু ওইনা লাই লুনা তুবেৎকা মশকশু ওইবা মওাং, লুবাং, মনগী মশকশু ওইবা যোংশবি হায়না কৌববা শকতম অসিনা যাইবা মৈত্রে থৱাই যাইদ্রেং, ময় ই মৈ অমসুং মুৎপা যাদে হায়দুনা মৈ যোকনৈ। মবম অসিনা ফাওবশি না ফুংগা মৈ মংড়েদে হায়নবনি।

লাই পুম্নমক্তগী লুবদি মশক উদবা যাংবা মৈ আসসুম চঙনবগা। মবম অদুনা ফুংগাদা লাইক লৈ হায়বদগী ফুংগা লাইক হায়না কৌনবি। মশিং থিংঙমদবা লৈমবেনশিংগী লাংওনাশংগী মনুংদা ইমোইনু লৈমবেন নৎতনা অতৈ লৈমবেম্না থৌগন চঙবা যাদে।

মবম অদুনা ইমোইনুবু অচি তিং শিদবা তেংপাম্না মপুগী থুই অমা লাপনা মপুগী মশাদগী ইহান হাননা পুথোকখি। মদুগী পাদম খংন্নবা তেঙপাম্বা মপুগী খোইদৌগী পাদম্লু ফুংগা লাইকদা খুদম ওইনা থমলিবা অসিনি। ফুংগা লাইকদগী থুই অমতং লাপ্লগা ইমোইনু পুং থমলিবা অসিনি।

মপগী কাংখুন লিক্রমশিং অসিবু হকচাং অমনি লৌবগা হকচাংগী মনুংদা লাইশিংবু থম্মী হায়বগী থমমোই লাই + যুম = থম্মোই লাইয়ুম হায়না খংনবি। মবম অসিনা ডাইপং ঐখোয়গী যুম মনুং আস লাইগী কাংখুননি,

লিক্লমনি হায়না পুস্তিগী থৌনি থৌদাবোন কয়া ইমুং মনুংদা পাংথোক্লবি । অসিগুম্বা মবম কয়াদগী যুম অসিবু ফাথিবশিংনা নুং+ পান = নুংপান, নুংপানগী শেংলব লাইশঙ অমনি হায়না যুমশাবা মতমদা যুমশবোনগী লিক্লম কাংখুন কুপনা যেংলগা ফাংথিবশিংনা ভাইপং যুমশিং অসি শন্নাবম্মী । যুম অসি হকচাংগী নুংগী পবম য়েংলগা মদুগা চান্নবা খুদা লিংলগা চান্না খুভম শেমদুনা যাম্মা চেকশিন্না খুদমশিং অসি থম্মবি । মথক্তা পনখ্রিবা হকচাং কয়াংকী যুম্ফমদা ভাইপাংগী কয়াংকী ওইবা যুমগা মান্নবা উংশ্রে । মশিনা মবম ওইদুনা পানদা পান ওইনা লৈপাক অসিগী লাইফম শেমলকপদা ইহান হান্নবদা মপুগী খোইদৌ ফুংগা অসিবু লৈপাক্কী ওইনা কংলাদা পদম তৌদুনা লাইগী কাওখুন লিক্লম কয়া খুদা লাইনা যুম্ফম শেমখি । অমসুং হৌজিক হৌজিক কংলা লাইফমলেন হান্না পানগী ওইবা যুম্ফমদা ফাংথিবশিংনা অমদি মীয়ামশিংনা অমদি লৈপাক নিংথৌশিংনা (১)লৈশেমলোন (২) লৈঙাকলোন (৩) মীশেমলোন (৪) লৈকললোন অসিগীদমক থৌবম কয়া পাংথোক্লুনা লৈপাক মীয়ামগী পুক্তি নুংঙাই যাইফনবগীদমক কংলা লাইফমলেন খুবমশিংদা মফম মতমদা থৌবম পাংথোক্লনি ।

লাইপুংথৌ ৯ না
লাইরৈপাক্কী চীংদোনশিংদা খুনথোকখিবা

মহাক্তদা কংলাদা লাইযাম পুম্নমক খুনতিন্নদুনা খুনথোক্লদুনা খুংথোক্লবগী বাগি লমদাং শাং চাওনা ইদুনা কংলাগী মনুংদা লাইফমলেনগী খুদম লৈরি। কংলাগী লাইফমলেনশিংবু ৩ ০৬ খনগৎলগা খুদা যাদুনা লৈবি । মদুগী মনুংদা লাইফম ১০৮ খনগৎতুনা লৈপাক্কী অমসুং লৈবিবা ভাইপং পুস্তিগী অফ নুংঙাইগী পুক্তি থৌনিবোল অমসুং লৈশেমলোন, লৈঙাকলোন, লৈকললোনগী অপুম্বা থৌদাং চাওনা চাওনা পাংথোক্লে ।

খুদমগী মশক ওইনা মথক্তা পনখ্রিবা যেক ৭ কী যুম্ফম ওইবা নিংথৌশিংনা মাগী মাগী কংলৈ কংলা খুনথোক্লনবগীদমক যেক যেক্কী ওইবা ইবিক ইকোল (পুখ্রি) শেম্নবগা মানা মানা পাইগদবা খুংগু (১) থাং- তা (২)শেংকদবা 'ফ'বোন (৩) চিনগদৌবা লৈচন চাগদবা চাবোইদবা (চাহৈবা- চাহৈদবা) যেক নামুংবগী মশক খংনবা খুদম কয়া লোইনদুনা অমসুং কংলাগী অচি "আ"লেন পাখংবগী (কংলাগী অতিংকোক) মফমদগী য়াশক পবৈনবগা কংলাদগী খোঙদোইখিদুনা খুনথোকচখি ।

খুদমদি মঙাং য়েক্লা কংলাদা লৈহৌই (২) লুরাং য়েক্লা লুরাং শংফমদা কংলাগী লাইফম শেমদুনা লৈখি । (৩) মযাং ইম্ফালদা খুমন য়েক্কী কংলা শেমখি। (৪) অঙোম যেক শলাইগীনা অঙোম কোংবা মৈবোংবীদা কংলা শেমখি ।(৫) মোইবাং য়েক্লা লোক্তাক থাংজিং চিংখোংদা শেমখি । (৬) খা ঙান্বনা তাখোকতা কংলা শেমখি । অমসুং শাবং লৈশাংথেম্মা তক্লা খা লমযাইদা মফম মফমদা কংলা শেমদুনা খুম্হোকখি । ঙসি কংলাগী মনুংদা যেক তবেৎকী ওইবা নুংজেং পুখ্রি তবেৎ লেংদনা লৈ ।

ঙসি মীয়াম্মা ইবমদমগী ওইজরিবা ইপা ইপুশিংগী মযেক লানা খুদম থমলিবা কংলাগী লাইফমশিং অসি অমদি পুখ্রিশিং অসি শেংদোকপিববদি ইবমদমগী যেক চাশিংনা ইপা ইপুগী মযেক লাববা ব্রাখন ইচেনশিং নিংশিংলকপা অসুক্কী মতিক মযাই হেনগৎকনি ।

ইপা ইপুগী খুভমশিংবু নাথৌখিবদগী অমদি শেংদোকপিদবদগী অমদি লৈববসু লৈতবদৌনা মচা মশু কযানা অকাণ্ড পবৈ চন্দনা লৌব । মসিগুম্না খুদা ময়াম্মা পানদা পান ওইবা মফমশিংদা লাইগী খুভম লেংদনা অমদি মখম্না খুনথোক্লদুনা উমং লাই অমমমগা কোন্ননা খুম্হোক খুনলিংলি । মবম অদুনা ইনাৎকী ওইবা য়ুম্ফম মীৎযেংদা চীং অমসুং তমদা লাইগী খুভম লেংবদা লম্দম অসিবু লাইবৈপাকনি কৌনবি ।

ফাথিবশিংনা হান্না শেম্বা কোননা লোইবা য়ুম্ফমান পাওতাকলি। মবম অদুনা কংলা হায়বিবা মফম অসি হাননা ইবোননুংদগী লৈমাই চিংখৎলকপদা ইহান হান্না চিংখৎলকঅগা তোংদুনা চাওববা পুং অমগুম লৈখি। কংলা চিং হায়নসু খংনৈ । মহাক্কী অকোইবদা মুবপ তৌবা শকতম অমনা পনগুম কোইশিন্দুনা লৈবগুম লৈখি । মসিবু মুবা পাল্লি হায়নসু কৌই। মৈশা পুম্নমকপু মশাগী ওইবা মবোন মবোন কযা নমথবগা পুং অমা ওইনা ইনখৎলক্লনা লৈ হাযবদগী নমথা শবোং পুং হায়নসু কৌই । মথোন মথোন কযাদগী মহাক্লা ব্রাংনা লৈ হাযদুনা কংলাথোন তবেৎ ব্রাংবা পুং মযোন হায়না ফাৎথিবশিংনা কৌনৈ । ইবোননুংদগী কংলাগী চাংনা হাননা চিংখৎতুনা শেমখিবনা হাননা শেম্বা কোন্না লোইবা হায়নসু ফাথিবশিংনা শিংথনৈ । অসুম্না মশিং থিঙমদবা চৈশিং কযা লৈবক্লগা কংলাগী অকোইবদা লৈবিবা লোইবি চিংজাওশিং অসি ইবোননুংদগী চিংখৎলকখি হায়বদগী লোইনা চিংশাং কৌনখি।

চিং ময়ামশিং অসিগী মনুংদা কংলাগী চিংনা চিংখৎপা হালাল হায়নৈ। চৈশিং মশিং থিঙমদনা লৈবক্লবদা কংদুনা লৈমাই অসিবু লৈবম্মে হাযবগী কংলা কৌখি ।

কংগী ৱাহনথোক্কি ইহাং হাঙনা লৈবস্বা কোবৌ ইপাগী পাদম লৌদুনা কং হাইবা ৱাহৈ অসি কোবৌ ইপানি খঙনবস্মী ।

অনিশুবদা লা হায়বদি ৱাহনথোক্কী ইচেন অমা লৌবগা মলেমগী লৈমাইবু খংনবস্মী, মালেমগী লৈমাইবু পলেম ইমানি হায়না খংনবস্মী ।

পোইবৈ ফাৎথিবশিংনা কংদি পস্তৌনি লাদি পলেমনি, কং+ লা = পস্তৌ পলেমবু কংলা কৌই । পলেম পস্তৌশিংগী অমদি পুথাংকোক অমদি পথাংকোকশিংগী চৌফম শাংফম (ওইবা লাইগী অকুবশিং) মফম অসিদা লৈ হায়বদগী কংলা ওইনা লৈখিবনা ইমুংগী মনুংদা লাইয়ামগী খুদা মনুংদগী খ্বাইদগী হেন্না নুবা লাই লৈ হায়বগী ফুংগা লাইক কৌনবগুম কংলাসু কংলা লাইফমলেন অকুবা হায়না খংনৈ ।

হকচাংগী মনুংদা পুশিল্লবসু ফাৎথিবশিংনা খোইদৌবু লাইগী লাইফম অকুবনি খংনবনা খোইদৌবু নুনা তৌনৈ । মসিগী পাদম লৌদুনা কংলা অসি মালেমগী খোইদৌনি হায়না পোইবৈ ফাৎথিবশিংনা শিংথান্নে ।

ইহান হান্নবদা কংলাগী পুং ময়োন চিংশিং অসিদা (১) কৌব্রু (২) লোইয়ালাকপা (৩) থাংজিং (৪) শানথোং মবিবা (৫) খানা চাওবা (৬) ৱাংব্রেন (৭) নোংপোক অচিবা (৮) চিংখৈ মাবজিং (৯) পাখংবা, কংলাদা পাখংবনা লৈহৌবগা অৱাংগী চিংদোলদা কৌব্র পস্তৌনা খুনথোকখি । অদুদগী (১) কৌব্রু চিং হায়না খংনখি (২) লোইয়ালেন মনিংগী চিংদোনদা লোইয়ালেন শিদবনা খুনথোকখি, হায়বগী লোইয়ালেন চিংশাং হায়না খংনৈ। (৩) লাইনংথৌ থাংজিংনসু চিংদোন অৱাংবদা খুনথোকখি হায়বগী থাংজীং চীংজাও হায়নসু কৌনাব । (৪) লাইজিগী চিংদোনদা সনথোং নিংথৌনা খুনথোকখি হায়দুনা শনথোং চাংজাও কৌনখি । (৫) খাগী চিংদোনদা খানা চাওবনা খুনথোকই হায়বগী ভাংজেং খনা চাওবা চীংজাও হায়না খঙনবি। (৬) খা মৈবম চিংজাওদা ইপুথৌ ৱাংব্রেননা খুনথোকই হায়বগী ৱাংব্রেন মীতম চিং হায়না খংনবি । (৭) নোংপোক্তা নোংপোক্কী চিংদোনদা নোংপোক অচিবনা খুনথোকই হায়বগী : - অহানবদা নোংপোক লৈহৌচিং , অনিশুবদা নোংপোক নোংমাই চিং চিংশাং নপোম মাপন্দা খুনথোকই হায়বগী নোংপোক লৈহৌ, নোংমাইচিং হায়না খংনবি । অনিমক্কা পুনশিল্লগা নোংপোক লৈহৌচিং + নোংমাইচিং হায়না খংনৈ । (৮) চিংখৈ মাইকৈদা চিংখৈচিং চিংখৈ চিংদোন অমদি মাবজিং চিংদোনদা : চিংখৈ নিংথৌ অমদি মাবজিং লাই নিংথৌ অনিনা

পুন্না অমত্তা ওইনা পুন্দুনা খুনথোকখি হাযবগী চিংখৈ মবাজিং কৌনৈ । চিংখৈ চিং অমদি মবজিং চিং হাযনা হৌজিক হৌজিকসু ময়েক লানা লৈবি । (৯)লাই নিংথৌ পাখংবনা শিদবি শিদবা উপান পলেম পল্লৌ অনিবু কোন্দুনা কংলা চিংদোন পুং ময়োন্দা খুনথোকতুনা লৈবি । হাযবিবা খুদমশিং অসি ময়েক লনা মুৎনাইদনা মফম অমা ওইনা "আ"লেনশিদবগী লিনথুপলোন মশক খণ্ডন লৈবিবা লাইবৈপাক্লি তাক্লুনা লৈবি । মবম অদুনা লাইবৈপাক অসিদা লাইশিংগী লিচৎ শাজৎ শেমদুনা লাইয়ামশিংনা চৎনবম্মী হায়বদগী খোইয়ুম লিচৎ শাজৎ কৌবা পুযাগী লাইবিক লেঙদুনা লৈবি ।

মবম অদুনা ঐখোযগী ইবৈপাক ইবমদম মলেম অসিদা পোকঅম্না তাইপংশিংনা খোইয়ুম লাইগী লিক্লম লিচৎপু চৎতুনা লাইগা মীগা রাখন ইচেন তিন্নদুনা হৌফম শাংফমগী ওইবি । (১) লৈশেমলোন (২) লৈঙাকলোন (৩) লৈকললোনগী পবম পথাপতা পুন্না ফম্মীনদুনা বা তান্নবম্মী অমসু লাল্লুপ কানাবম্মী, হাযবদগী লাইগী লাল্লুপ কাবা হাযনা কৌনবম্মী । মতম মদদা লাইগা মীগা তিন্নবম্মী, মশিনা অচি শিদবগী ইনুংলোনগী অমাদ কযাৎকী খুনথোক লিক্লমনি । মতাং অমনা হার্যবিবা চাংদোনশিংদা খুনথোকখিবা লাইপুংথৌ মাপন অসি সিদবগী কয়াৎ মাপনগী লাইফমনি হায়না খংনৈ । মসিনা অহাম্বা শকক্কী "আ"লেন পাখংবগী লিনথুপলোননি, মসিদু ইনুং কাংলোন লিনথুপলোন কৌই । মবম অমনা "আ" চাক হাযনসু খংনৈ । অনিশুবদা আহা চক্কী পবম হায়বিবা লাইপুংথৌ মাপন অসিনা পানগী ওইবা মফম কযাদা খুনথোকখি ।

অরাং কৌবু অশুপ্পনা অবাং কৌবলেন অমাদ লোইযালকপা অনিনা অমত্তা ওইনা মশাদগী লাইযাম হাদোক্তুনা মবম কযামবম্মু অমুক শনদোক্লবগী অবাংগী চিংদোন মাওগী চিংদোনদা ইবিককোল (পুপ্পি) হন্দুনা অমসুং লাইযাম পুম্নমক মশাদগী হদোক্লক্তুনা চিংদোন অসিদা লাইয়াম পুম্নমক মৌখৎনদুনা (ময়াম তিন্নদুনা) লৈ, হাযবদগী মাওগী চিংদোন্দা খুভম কযা লৈবি। অমসুং মাওগী খুভমশিং অসিদগী তাইপং লাইযাম খুনথোকখিবগী পবম ৱাবি লৈবি । মসিবু আহা চক্কী আহাচক হাযবসি খংনৈ ।

অসিগুম্না খাবোমদসু খানা চাওবা রাংব্রেন্না অমত্তা ওইনা লোইবি হৌবি চিংদোন্দা মশাদগী লাইযাম হাদোক্তুনা আ হা চক্কী মবম পুম্নমক খুনথোকখি, অমদি পুথোকখি । লাইযামশিং অদুগী মনুংদা মকোক মযাই মথং ওইবা মচিন মনাও অহুম পুথোকখি ।

মনাও অতোনবনা চিংদোনদা লৈহৌবগা খা মৈবম অমসুং খাবোমগী ঙমখৈ, মালেম লৈকোইপুংগী মফম খুদিংদা খুনথোকপা চংখি । অসিগুম্বা মাওগী চিংদোনদগীসু অচি কৌবলেননা মলেম লৈকোইপুংগী অৱাংগী ঙমখৈ তাননা (নোর্থ পোল) লাইযাম খুনথোকখি । খাবোমগী হৌবি চিংদোন্দা অনৌবা ইবিককোন (পুথ্রি) চাওনা লৈবি । মফম অদুদা শবম ঙবম অমসুং তাইপং চোংথোকখিবগী ৱাবি লমদাংশিং কয়া লৈবি । মফম অদুদা লেংদনা লৈহৌবা লাইনা থোংঙালেন শিদবা শিদবীগী খুভম লৈবি ।

অহিংবগী মশক ওইবা লাইগী পোইবৈতোন তাইপং মী ওইনা থোকলকখিবা অমদি শুনথোকখিবগী ৱাবি লৈবি ।

মনিংলোমদা থাংচিং চিংজাওদগী অমুক (১) শনথোং মবিবা (২) থাংজিং লাইনিংথৌ অনিনা অমত্তা ওইবগা লাইয়াম কযা মশা মশাদগী হাদোক্লুনা খুনথোকখি । মখোয়শিং অদুনা খুম্থোকখিবগী মফম অদো থাংচিং চিংজাওদা লৈনুংহুৎ (কেপ) চাওনা লৈবি । মখোযনা মনিং মাইকৈদা মালেম লৈকোইপুংগী মনিংগী ঙমখৈ তানা খুনথোকখি । লাইনিংথৌ থাংজিংগী কোলোই মিংলেন অমনা শকলেনচি হায়নসু কৌই । লাইনিংথৌ শকলেনচি (থাংজিং)না লৈমবেন কোইবেম্বীগা পায়বগা মোইবাং পোকখি । (মকুনা লাংওনবা থাংনা পাইবক্লুনা তাখিবা মফম্বু থাংচিং কৌখি। থাং অদুনা অমুক পাইবক্লুনা লোক্তাকতা তাখি, লোক্তাকতগী থাংনা কাখি হাযবগী থাংকা চিং কৌখি । অসুম্বা ৱাবি লমদাং শাং কয়া অমসু লৈবি)।

নোংপোকলোমদা নোংপোক লৈহৌচিং অমদি নোংমাইচিংদগী নোংপোকলেন শিদবনা শান্নচিং চাংজাও কৌবা নোংপোকলোমদা লৈবিবা চিংদোন অসিগী চিংদোন্দা মশাদগী লাইযাম হাদোক্লুনা মলেম লৈকোইপুংগী নোংপোক ঙমখৈ তাননা খুনথোকখি । মবম অদুনা নোংপোক সননাচিং চিংদোনদা নোংপোকলেননা ফম্লম্বা নুংপাক অপাকপা অমসুং লাইয়াম খুম্থোকখিবগী লৈনুংহুৎ (শুকং) চাওনা খুদম ওইনা লৈবি ।

মদুদগীসু মী থোক্লক্লুনা তম্পাক্কী মাইকৈলোমদা পুং অমগী মথক্তা তাইপং মী মানা লেপ্লম্মী হাযবগী মীবেপপুং কৌনা খুদম চাওনা লৈবি । (ৱাংখৈ মীবেপপুং) নোংপোক সননাচিং চিংদোনদা তাইপং মচা মশু ওইবশিংনা মপা মপুগী খুভম য়েংবা অমসুং খোইলুম্বা চংনবি । মবম অদুনা আ-হা চক্কী মতমদা লাইযামশিং অসিনা লাইবৈপাক অসিদগী খুম্থোকখিবা পবম কযা অমদি ৱাবি লমদাংশিং চাওনা শাংনা লৈবি ।

চিংখৈ লাইচিদনা চিংখৈ নিংথৌ অমদি মাবজিং অনিনা অমত্তা ওইনা মশা মশাদগী লাইযাম হাদোক্লুনা চীংখৈ লাইচিদা শীবোই চিংদোনদগী লাইযাম পুথোক্লুনা মালেম লৈকোইপুংগী চিংখৈ লাইচি তাননা খুনথোকখি ।

অশুম্না লাইবৈপাক অসিবু হাননা শেম্বা কোন্না লোইবা হাযদনা পোইবৈ ফাথিবশিংনা শিংথানবি ।

মবম অদুনা পোইবৈ লমদম অসিগী চিংনুংশিংদা (চিংশিংদা) তাইপং মীশিংনা লৈবম্বাগী লৈনুংহুৎ কযা লৈবি । অদুনা পোইবৈ লমদম অসিদা লৈবিবা মীশিংবু মফম অসিদা সুম লাইগী হাকত্তাগী লৈবকলবনি, অতোপ্পদগী (কেপমেন) চংশিল্লকঅগা খুনতাখিবা নৎতে ।

চিং অমসুং তম অসিদা লাইযামগী অমসুং তাইপংগী হৌবকফমগী ওইবা খুদম চাওনা লৈবি । লমদম অসিদা ঈশিং থুমজিনখিবসি থুমদ্রিঙৈগী মতমদা হাননা অশাবা মৈগী মহি চেন্দুনা লৈবম্বা অদুগী খুদম লৈবি । অমসুং ইকং কংনা লৈবম্বা মদুগী মতুং ইন্না ফাংথিবশিংনা (১) মৈত্রেপাক, অমদি কংলৈপাক কৌনবম্মী । অসুম্না তাংকক অমস্ লৈবম্মী মতম অমা ইখং খঙহৌদনা ঈশিং ইচাও ইফুৎ ফাওজিল্লক্লুনা লৈপাক অসিবু ঈশিংনা ইবিদুনা লৈবম্বাগী মতাংসু লৈখি ।

খংহৌদনা ঈশিং ইচাও চাওখৎলক্লুনা লৈনুংহুৎতা লৈবিবা লাইগী মচা খিবিক্লা লৈবা যাদ্রদুনা লৈনুংহুৎতগী থোকলকখি (শুকংদগী)। অদুনা মখোইনা শিদবা মপাদা লাইশোন তৌজখি । ইখং খংহৌদনা চাওববা উজাও ঈশিং ইমাইদা তাওবকই, তাওবকইবা উজাওশিং অদুগী মথক্তা লইগী মচা খিবিক্লা উজাওশিংবু ফাজিন্দুনা পোং শাবগা লৈনখি ।

লাই নুপি মখৈনা তোংবা উগী পোং অমসুং লাই নুপা মখৈগীনা তোংবা উগী পোং অমগা অমগা তানদুনা কুমহৈ পিয়োংসু তৌনখি । (অমগা অমগা পিনবা য়েংনবা) পোংশিং অদুবু হি কৌনবম্মী । তাইপং পান্বা মপুগী কোলোই মিং অমবুসু হি হায়না খংনবম্মী । পলেম ইমাগী মিংনা হা-য়া হায়না খংনবম্মী । লাই নুপা লাই নুপীশিংনা উজাওশিংগী পোংশিংদা তোংলগা য়াংনা (শানবা) তানাবম্মী মদুনা লাইগী নুপানা হেল্লগনা হিনা হেল্লে হাযবম্মী। লাই নুপিনা হেল্লগনা হা-যানা হেল্লে হাযবম্মী । হি, হা-যা অনিনা য়াংবা তাননাববু হি+ য়াং = হিয়াং হাযবা ৱাহৈ অসি মৈহৌবোনদগী চৎনবকপা কুম্মৈনি হাযনা শিংথানবি অমসুং পাংথোক্লবি ।

হিয়াং কুইরবা লমদম অসিগী লাইগী কুমহৈ অমনি । মসিগী মতাং অসি ইরেম পুয়া কৌবা লাইবিক্তা য়াওই । মথক্তা থমজখিবা পুঙ্গিগী ইচেন কযাশিংশিনা খুদম অমা ওইনা লৌনরগা লমদম অসিগী ফাংথিবশিংনা পুঙ্গিসি লাইগী য়ুম্মনি হায়না লৌনৈ ।

মণিপুরগী চীংনা হিমালয়দগী হাল্লম্বা

পোইরৈ লমদম কংলৈপাক অসি থিজিন হুমজিন্নগী মিংয়েংদা চহি মশিং থিঙমদনা মতম খরা কংদুনা লৈবম্মী হায়বগী লেংদবা খুদম লমদম অসিদা লৈবি । অসিগুম্বাশ চহি মশিং থিঙমদনা মতম কযা হৌখ্রবা মতুংদা Asia Continent natural calamities থোকপদগী হায়বদি, যুদ্ধ হাবা, নিকপা থোক্লকপদগী পোইরৈ লমদম কংলৈপাক অসি ঈশিংনা থুমজিনখি, হায়বগী খুদম লৈ ।

When India was a part at a large continent which is known Africa Hemalaya Mountains was beneath the sea and Mizo hills and Naga Hill where beach at sea (Reder Diary 1963) মবম অদুনা ঈশিংনা থুমজিন্দ্রিঙৈগী মমাংদা লৈরম্বগী খুদমদি চীংদোন্দা অচৌবা ইরিককোন (পুখ্রি) যাম্না চাওনা চাওনা লৈবা মফম লৈরি । মখোয়বু ভোলকেন্নো ইরপশন্নী হায়না খংনবা য়াওরি ।

খুদমগী মশক ওইনা কংলাগী ময়াইদা ভোলকেন্নোগী খুদমশিং লৈরি। মসিবু মীযাম্না হিন্দিগী ওইবা লোন্দা শুরুং হায়না খংনৈ । অদুগা মৈতৈগী ওইবা লোনদনা লৈনুংহুৎ হাযনা খংনৈ । অদুগা ইলিসতনা ভোলকেন্নো হায়না খংনৈ । মখোয অশে লিরবা পোকখাইবা য়াদবা অমগুম্না লৈখরে ।

নোংপোক্তা উখুল মাইকৈদা লিরবা খংকুই কেপ লৈরি । মখারোমদনা হৌবি চিংশং পরেংদা শোংপু কেপ লৈরি । শোংপু কেপতগী থোরকপ মীশিংগী মনুংদগী লাই মী ওইনা শিংথবা য়ারবা (১) থোংঙারেন (২) পোইরৈতোন খুদমগী মশক ওইনা রাবি লমদাংশিং চাওনা লৈরি ।

নোংপোক্তা খংকুই লৈনুংহুৎ (কেপ) মনুংদা অমগা অমগা খংননা লৈরম্বদগী খং হায়বা রাহৈ অসি থোক্লকই । মখোয়না কুইনা লৈমিন্নরম্মী

হায়বদগী খং+ কুই = খংকুই হায়না কৌনখি । (মলেম চুকখোংলেন পুয়া) অদুনা হুনতুংগী মফম অদুদা পাখংবনা লৈন্নবগী য়ুম্বু তুং তানা লৈন্নবগীদমক নুংনা উরেপ হুনখি । মসিদগী হুনতুং কৌখিবগী ৱারম চাওনা পুয়াদা ইরি ।

মতম অমদা ঈশিংনা থুমলকপা মতমদা চীংদোন অমদগী চীংদোন অমদা চৎপদা হি শিজিন্নারম্মী মদুগী খুদম অসি ঙসি ফাওবা নোংমাইচিংগী চীংয়াংদা হি ওইনা শিজিন্নরম্বা উজাও কয়া লৈনুংদা য়েশিন্দুনা লৈরি । মখোয়শিং অসিবু লাইগী হি হায়দুনা তাইপং মীয়াম্মা অমদি লুববা লাইফমনি হায়না অৱাংবা থক্তা নিংনরি অমসুং খুরুম্মরি ।

নোংচুপ মাইকৈগী থাংচিং চীংদোন অমদি সনথোং চীংদোন্দা লৈনুংহুৎ কয়া (কেপ) লৈরি । মদুদা লাইগী মচাশিংনা লৈবম্বগী খুদম কয়া অমসু লৈবি। মদুবু তাইপাংচাশিংনা খোইলুম্বা চৎনরি । শুকুংশিং অদো মতম অমা মৈনা মহি চেল্লম্বাদগী ইংথরকপদগী ওইখিবা শুকংশিংনি । মতম অসি মশিং থিঙমদবা চহি কয়াগী মমাংদা থোকখ্রবনি, অদুগী মতুংদা ঈশিংগী ঈথক ইপোম মনিংলোমদগী থুমজিল্লক্তুনা লৈখিবগী ৱাবি লৈবি ।

অসিগুম্মা কৌব্রু চীংদোনদসু লাইগী মচাশিং লৈরম্বাগী লৈনুংহুৎ (কেপ) কয়া লৈবি । হৌজিক হৌজিক মীযাম্মা খোইলুম্মিবিবা লৈনুংহুৎ (শুকং) অসি মতম অমদদি য়াম্মা চাওনা লৈবম্মী । অসিদা নৎতনা মী কল্লানসু খোইলুম্মদ্রিবা অৱাংগী চীংমাইদা অমদি মখাগী চীংখোং, চীংমাইদা লৈনুংহুৎশিং চাওনা লৈনবি । মতমগী মতুং ইন্না যুহা হাবা কয়া থোকখিবনা কৌব্রুগী চীংদোন্দা লৈবির্বাসি খুজনখি । হৌজিক মীয়াম্মা খুকম্মবিবা শুরুংশিং অসিতা নৎতনা কৌনুবোমদসু লৈনুংহুৎ (শুকং) অসি লৈনবি । অমসুং ওংগাই চিংশাংদসু লৈনুংহুৎ কয়া লৈবি । অসিগুম্মা নোংপোক নোংমাইচিং চীংদসু লৈনুংহুৎ (শুরুং) কয়া লৈনরি । হৌজিক খোইলুম্মবিবা লৈনুংহুৎ অসি নৎতবা তখেল মাইকৈবোমদা লৈনুংহুৎ (শুকং) লৈনরি । খবনা যুহা হাবদা ফুনজিনবসু য়াওনখি । অদুগা মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি অতোপ্পা অথাপ্পাদগী লাকঅগা খুনতাখিবা নৎতে । মফম অসিদগী লৈনুংহুৎ (শুরুং) অসিদা লাইশিংগা লোইননা লৈমিন্নরকলবা তাইপং মীনি হায়বসি খংনরম্মী ।

অফ্রিকাগী মচি অমদা নপ্তুনা লৈরিঙৈদা হিমলোই চীংজাও অসিবু সমুদ্রা মখাদা লৈবম্মী । হিমালোইনা সমুদ্রগী মখাদা লৈবিঙৈগী মতমদা মণিপুরগী চীংশিং অসিদি অমদি নাগা হিলস, মিজো হিলস পুম্নামক সমুদ্রাগী ঈশিং ইমাইদগী হান্ননা ফাওগৎতুনা লৈরম্মী । অমসুং সমুদ্রাগী খোংবান

ওইবশ্মী। (Reader Direction 63) খংহৌদনা যুহা হাবা নিকপা অমা থোকললকপদগী ইন্দিয়া লৈপাক অসি অফ্রিকাদগী মচেৎ অমা ওইনা সমুদ্রাগী ঈশিং অসিনা খোন্দুনা লাকখি । মতম অদুদা হিমালোই অসি সমুদ্রাগী মনুংদগী ফাওগৎলক্লুনা অৱাং পাংনা ইনখি । মদুগী ঈশিং ময়াম অদুনা ঐখোয়গী লৈপাক অসিবু নগালেন্নচিংবা থুর্মখি । ইন্দিয়ানা মিজো হিলস, নাগা হিলসতা থেংজিন্বদা লৈক্রক অনিখক চৎখি । অদুবু গঙ্গা তুবেন অমদি ভবমাপুত্রা হায়না খংনখি।

সমুদ্রাদগী হাইজিল্লকপা ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী ঐখোয়গী লৈপাক অসে ঈশিং মনুংদা লৈবগুম লৈখি । ঈশিং অসি থুমদ্রিঙৈগী মমাংদদি যাম্না কংনা লৈবশ্মী। মথক্তা হাযখ্রিবা মৈগী মহি ওইবা অশাবা মখৈনা কুপ্তুনা লৈবশ্মী। হিমলোইদগী ঐখোয়গী কাংলৈপাক্কী চীংশিংনা হাল্লশ্মী হায়বগী খুদম অমনি ।

লাইগা মীগা লাল্লুপ কামিন্নবা

পোইবৈ লমদম কংলৈপাক অসিদা যাম্না ঙল্লিঙৈগী মতম অমদা শাংলবা মতম কযামকম লাইবৈপাক অসদা লাইগা মীগা লাল্লুপ কামিন্নদুনা তেঙ্গাম্না মপুগী লিক্লম কযাৎপু মশক খঙনা লৈমিন্নবশ্মী । (১) লৈশেমলোন (২) লৈঙাকলোন (৩) লৈকললোন কযামকম পুন্না থবক চৎথমিন্নবশ্মী অমসুং শুনা লিঙলশ্মী। লাইগা মীগা লাল্লুপ কামিন্নবম্বাগী খুদম অসি তাইপংগী নিংথৌ মৈতিংঙু লোযম্বাগী মতম কুমশিং ১৭৪ ১১১২ ফাওবা লাইগা মীগা থেংথববা মতমগী লাল্লুপ কমিন্নবম্বাগী ৱাবি লৈবি ।

তাইপং মীগা লাল্লুপ কাবা অসিবু তোক্লনবা খনদুনা তাইপং মীনা মাংখিবা পোৎ পুম্নমক লাইদা তাইশিল্লশ্মী । মদুদা লাইনা তাইপং মী হাযবসি যাম্না মীনশ্বা ঙাংই হায়দুনা লাই ঐখোযবু য়েংবদা উহল্লাগুমসি হাযদনা উহনখিদ্রে মদুদগী তাইপং মীনা থোংঙাক লাইবেন্বীদা চংজদুনা পুনেমজদুনা হংলশ্মী । মদুদা পলেম ইমা থোংঙাক-লাইবেন্বীনা মিংখৈ অমা তাকপিদুনা লাইবু লাং থাকউ হাযনা তার্কপিবে । মীংখৈশিং অদু শোন্দুনা তাইপং মীনা লাই পুম্নমকপু লাংদা ফাখি । মদুদগী লাং থাকফমনি হাযদুনা মফম অদুবু লাংথবাল হাযনা কৌখি ।

মসিবুনা খুদম ওইদুনা লাইবৈপাক অসে মাংফদবা অমদি থর্কশি কাবন কাইবা য়াদবা লাইফম্মী খংনৈ । ঐখোযনা হৌজিক লাইশিং অসি উবা ফংদ্রবসু তাইপং ঐখোযনা ৱাখন মাংলক্লবা মতমদা লাইফম লাইফমদা চৎলগা

থৌনিজবদা খুদম চাওনা চাওনা ফগনি ফরোই হায়বনচিংবা খুদম উৎলি । মরম অদুনা লাইরৈপাক অসিদা লৈরিবা লাইয়াম অসি ঙসি ফাওবা শিবা নাইদনা অমদি শিদ্রি হিংদুনা লৈরি হায়বা মীৎনা উদ্রবসু খুদম কযানা তাকই । মবম অদুনা মৈতে ঐখোয়না থবক থৌরম অমা হৌরমদাইদা তাইপং মীয়াম্মা থবক অদু হৌরগে অমসুং পাংথোকচরগে হায়বগী ব্রাকৎ থৌবাং হায়জা নোনজবা থকশি খাবম অমা ওইবগী যুম্ফমদা হৈ- থা লৈথা থাদুনা থাংমৈ মৈবা চুখৎতুনা লাইয়ামশিংদা খংহল্লি। অসিগুম্না কন্নগুম্বানা পুন্সি চেংজেন নিয়ে । কনাগুম্বানা অনাবা পরম কয়া কোকপিযু হায়নৈ । কনাগুম্বানা থৌরম কয়াগী মপুং মবৈ ফাহনবিয়ু হাযনা ইবাৎ থৌবম তৌন্নে ।

লৈকাই অমা লিংবদা উমং লাই অমমমগা লোইননা লৈকাই অদু লিংই। খুন অমা লিংবদা লাইযামগী লাইফম কয়াগা লোইননা খুন লিংই । খুন মযাম পুনশিল্লগা লৈপাক অমগী মান্নবা খুন্নাই অমা মউ লিংই । খুন্নাই অদুগী চাওখৎন্নবগীদমক চি মবিদা লাইগী খুভম লৈ । মদুদি (১) চিংখৈ লমদা চিংখৈ মাবজিং (২) সনথোং থাংজিং (৩) খানা চাওবা, ব্রাংব্রেন মখা মৈবমদা লৈ (৪) অব্রাংলোমদা অব্রাং কৌব্রু অশুপ্পা (কৌব্রু লাইচিং) চি মবি অসিগী লাই লৈ ।

অদুগা মাইকৈ নিপানদা নোংপোক্তা নোংপোক নিংথৌ, মনিংদা লোইয়ালকপা, অব্রাংদা হংগেন নিংথৌ, মখাদা খানা চাওবা তাংজেং লাইনিংথৌ লৈ। মথক্তা পিখিবা লাই মবি অদুগা অসিগী লাই মবি অসি তিনশিল্লগা মাইকৈ নিপানগী লাই ওইনা খংনবি ।

কংলাগী লাইফমলেন অকবদা অতিংকোক পাখংবনা লৈ । অসিগুম্বা লাইয়ামশিংনা তাইপংগা খুনথোকপা পোইবৈ লৈপাক্সী, ফাথিবশিংনা হান্না শেম্বা কোন্না লোইবা লাইরৈপাক্সী হায়না শিংথানবি । মালেমগী লৈকোইপুং অসিদা (Earth) লৈখিবা লাইয়াম পুম্নমক অমদি কুমহৈ শান্নখিবা পুম্নমক মখোয়গী মথব্রাই মমি (Soul) পুম্নামক মফম অসিদগী চৎপ্রগা মফম মফমগী মালেম লৈকোইপুংগী লৈহাওগী মতুং ইন্না শকতম লৌদুনা খুনথোকখিবগী পরম কযা ইদুনা লৈ । মখোযনা অতোপ অতোপ্পা মফমশিংদা মী অমদি লাই ওইনা লৈকবগা মনা- মনা চৎকদৌবা (১)লিচৎ (২) লমচৎ (৩) শাজৎ পুম্নমক মফম অসিদা ইদুনা অমসুং মখোয়না চৎলম্বা পুম্নমক চাক- চা ফিজেৎ পুম্নমক্কী মরম, মফম, অসিদা খুদম কয়াগা লোইননা চাওনা লৈরি । মসি পুম্নমক য়েংলুরগা ফাথিবশিংনা পুম্নমক মফম অসিদগী হৌখিবনি হাযবা ঙম্মী ।

অমসুং খংন্নবা কোরবাক কয়াদা ইদুনা থমল্লি । মতমগী থিজিন শুমজিনবা কাংলুপনা থিজিনবা য়ৌদবদগী লৈরবসু লৈতবদৌনা লৈরি । থিজিল্লবদি শোয়দনা ময়েক লানা উবা ফংগনি অমসুং থেংনগনি । মরম অদুনা লাইবৈপাক অসিদা ইহান হান্না কংলাদা লাইয়ামশিংনা হান্ননা খুনথোকই । কংলাদা কংলা হায়বা ব্রাহে অসিনা মিং থোল্লিবা অসি মফম অসিগী মীং অসি লৌদুনা লাইয়ামশিংনা অতোপ্পা মফম মফম খুনথোকপদা কংলা হায়বা ব্রাহে অসি লোইন্দুনা পুখি । (১) মঙাং কংলা (২) লুৱাং কংলা (৩) খুমন কংলা (৪) অঙোম কংলা (৫) মোইরাং কংলা হায়দনা খুভম শেমদুনা যেক তরেৎ অসি নিংথৌ ওইদুনা তেংপান্বগী লিচৎ লমচৎ-শাজৎ অসিবু মাগী মাগী কংলৈ য়ুম্ফমদা খুনথোকতুনা লৈশেমলোন, মীশেমলোন, লৈঙাকলোন অমদি লৈকললোনগী থৌদা মউ লিংনা খুনথোকখি । মরম অদুনা পোইরৈ ফাথিবশিংনা যেক তবেৎকী মচা মশু চৌদা নাওদশিংবু নিংথৌগী মচানি, মশুশিংনি হায়না খংনবম্মী । মদুগীদমক খুদম ওইনা (১) মঙাং নিংথৌ + মচা = মঙাংনিংথৌচা (২) লুৱাং নিংথৌ + মচা = লুৱাংনিংথৌচা (৩) খুমন নিংথৌ + মচা = খুমননিংথৌচা (৪) অঙোম নিংথৌ + মচা = অঙোমনিংথৌচা (৫) মোইবাং নিংথৌ + মচা = মোইবাংনিংথৌচা (৬) খা- ঙান্বা নিংথৌ + মচা = খা ঙান্বানিংথৌচা (৭) শবাং লৈশাংথেম নিংথৌ + মচা = শবাংলৈশাংথেমচা অশুম্বা পোইরৈ লমদম লাইবৈপাক অসিদা লৈবিবশিং অসি য়েক তবেৎকী নিংথৌমচা ঙাক্তনি।



য়েক তবেৎকী লাইয়েক পাফল

থৌনিবোল : চেংক্রিজৈজা হান্না হাইজগনি, (যেক য়েক্কী মমিং হায়বা) অসি কোবৌ নুমিংতা (তৌগদৌবিবা থৌবম অদুগী মবমদা হায়জবা) চেংগদৌবা খোংজোংদি অচৌবনা নংক্রগা মচানাসু যাই. মহোপতা নেংলগা চংশাসু যাই, মাংবি তুবিজা নংক্রগা ইবিক অবিজা নংক্রগা খোংজোং অমদ হেজা চেংবা য়াই।

পুম্নমক অমগা অমগা মতিক ময়াই চাং চপ মান্নবা "আ"লেন পাখংবগী লিচং, লমচং, শাজংপু মান্নবা য়ুম্ফমদা খুনথোক্কুনা লেংলি পাম্লিবা অচংপা চংতবা থব্লাইগী লাংওনগী পুল্লিশিং অসি অমগা অমগা মরী লৈনবা অমসুং মচিল মনাও ওইবগী ঈ মরী অমত্তগী মচানি হায়বা মশক খংন্নবগীদমক য়েক তরেং অসিনা খুদম তাকন্নরম্মী । য়েক তরেং অসিগী মবী অসি তাইপং মীদা নত্তনা লাইজা ঈশিং ইরোননুংদা লৈরিবা লেমলৈ ঙাশিংদসু অমদি পাম্নী কয়ামরুমদসু মালং য়ুম্ফম কয়াদা পাইরিবা পোম্নী চেক্লশিংদসু য়েক অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয় তাইপংগা ইচিন ইনাওনি হায়র্বাস অমসুং ইচিন ইনাও য়াওরি হায়বসি য়েক্কী য়েকলোন্না খঙহল্লি ।

তাইপং মীগা শা-ঙা, উচেক অমদি মনা মশিংগা য়েক থোক্লবা ঃ

(১) মঙাং য়েক ঃ খুদম অমা ওইনা মঙাং য়েক শলাইগী কাংলুপনা মঙাংগী লেমলৈ ঙা লাইজা ইরোননুংদা লৈরি ।

পাম্নীশিংগী মনুংদা নিংথৌরেম্নী পাম্নী, উচেকশিংগী মনুংদা নোংকৌবী অমদি তোকপা অসিনচিংবশিং অসি ঈগী মচিন মনাওনি হাযবা খংর্হল্লি । মখোয অসিবু চাকবদা য়েক থোকই য়েলমৌন্নে, হাযদুনা চানদে ।

তাইপং মী মশেনদা য়েক থোকপদা নৎতনা ঙা শা, উচেক, অমদি পাম্নীশিংদসু য়েক খুদিংমক্কী খুদম চাংদম শাদসু ঙাদসু উচেকশিংদসু পাম্নীশিংদসু য়াওরি । হাযরিবা য়েক সলাই অসিগী লাইনিংফমদি কংলা নোংলৈ যাঙনি ।

(২) লুব্রাংগী ঃ লুব্রাংদসু মানা মশিংগী মনুংদা লুব্রাংলি খোংগুন লৈনচিংবা, হৈক্রনাচিংবা, কিহোম্না চিংবা খুদম উংলি ।

অদুগা শাদি ইরোইর্নাচিংবনি, মদুগা লাইনিংগী ওইবা পুংদি নোংলৈ য়াংনি।

(৩) খুমনগী ঃ খুমন য়েক শালাইগীসু মনা মশিংদা চাওখোং, হৈরাং, শঙকুপলৈ,, হৈক্র, হৈবোম অসিনচিংবনি ।

লেমলৈদসু শাদসু শামুনচিংবা লৈরি । নিংনা পুংদি কংলা নোংলৈ য়াংনি।

(৪) অঙোমগী ঃ মথক্কী অসিগুমাদনা অঙোমগী ওইবা য়েক শলাইগী ওইনসু হৈদা, হৈবানচিংবা অমদি লরোলনচিংবা লোইননা উপন্নচিংবা খুদম ওইনা উংলি। অমসুং লেমলৈদসু ঙাদসু শাদসু কংঙানচিংবা, মখোইগী শাগৈনি হায়বা খংনৈ। অদুগা নিংনা পুংনা কংলা নোংলৈ য়াংনি ।

(৫) মোইরাংগী : অসিগুম্নদবা মোইরাং য়েক শলাইদসু মনামশিংদা লংথ্রে, য়েরুমলৈ, হৈতুপ, কাংগ্রৌনচিংবা খুদম ওইনা উৎলি । অসুম্না লেমলৈদসু অমদি শাদা শাজিনা চিংবা মখোইশিং অসি য়েক্লী মরী লৈনবনি । নিংনা পুংদি কংলা নোংলৈ য়াংনি ।

(৬) খা-ঙাম্বা : খা-ঙাম্বা য়েক শলাইগী ওইবগীনা হৈদা হৈজিং, ইবুম লৈহৌম্না অমদি চৌহেনা চিংবসু খুদম ওইনা উৎলি ।

অসিগুম্না লেমলৈদসু শাদসু খাবা ঙাম্বা মচুগী শারেং, শাদনা পাম্বা কৈবেন মখোয়শিং অসি য়েক্কী ইচিন ইনাও ঙাক্তনি । অদুগা লাইগী ওইনা নিংনা পুংদি কংলা নোংলৈ য়াংনি ।

(৭) চেংলৈ শারাং লৈশাংথেম : শারাং লৈশাংথেমগী ওইবা য়েক শলাইনা নাপ্পী-শিংবি, লৈশং, নোংলৈশংনচিংববু খুদম ওইনা উৎলি ।

হৈদনা শোলোম, অসিগুম্না লেমলৈদসু শাদসু হামেং অসিনচিংবা অসি য়েক থোকনৈ হাযবা খংনৈ । অদুগা লাইগী ওইবা নিংনা পুংদি কংলা নোংলৈ য়াংনি ।

অশুম্না মথক্তা থমজাখ্রবা পরম তবেংকী ওইবা খরা অসিবু য়েক তবেংকী য়ুম্ফমান হাযনা লমদম অসিগী মতিক মযাই লৈরবা মরুশিং অমদি ফাথিবা কয়ামকম্না খংনৈ, অমদি লৌনৈ । অসুম্না লৈরিবা য়েক তবেং অসিগী মথক্তা অমুক শলাই অনি অমগা হাপচিল্লগা শলাই মাপন তাগনি অমদি লৈগনি । অসিগুম্নবা শলাই অনি অদুদি অমনা হাওরোক কোনথৌ য়েক শলাই হায়না খংনৈ । অদুগা অনিশুবগী অসিবুনা উরোক উশাই হায়না খংনৈ । অসুম্না ওইবা শলাই অনি অসি হাপচিল্লগা পুন্না য়েক তরেৎ শলাই মাপন হায়না খংনৈ ।

(৮) হাওরোক কোনথৌ : হাওরোক কোম্থৌগী ওইবা য়েক শলাইগী ওইবা মখোয়গী মনা মশিংদি, য়েরুমলৈ, নাখাই নাতং, হৈদনা হৈবুমনচিংববু খুদম ওইনা উৎলি ।

লোইননা শাবোমদনা নোংগৌবীনা চিংবা মখোইশিং অসি য়েক থোকই অমদি ইচিন ইনাওনি হায়বা খংনরম্মী । অদুগা লাইনিংফমগী ওইবা নিংনা পুংদি কংলা নোংলৈ য়াংনি ।

(৯) উরোক উশাই : উরোক উশাই য়েক শলাইগী মখোয়গী মনা মশিংদা কুশুমলৈ, করাকলৈ, কাগ্রৌ, হৈবোংনচিংববু খুদম ওইনা উৎলি ।

অশুম্না লেমলে অমদি শাদসু উরোকনচিংবা মখোইশিং অসি য়েক থোকনৈ। অমদি ইচিন ইনাওনি হায়না খংনৈ । অদুগা লাইগী নিংনা পুংদি কংলা নোংলৈ য়াংনি । অসুম্না লৈবিবা মাপন অসিবু লমদম অসিগী য়েক শলাই মাপনগী ওইবা য়ুম্ফমনি হায়বা তাকই ।

চকপা য়েক শলাইবোনদসু তরেৎকী ওইবা পবমলোনশিং লৈ। মদুগী মমিংশিংদি (১) হৈরোম (২) খুনতাক (৩) লেরা (৪) থোংনাং (৫) মানতিক (৬) শারা (৭) থাওয়ী অসিনচিংবা কয়ামরুম কংলাদগী হৌব্রগা মালেমগী অথাপ অথাপ্পা মফমদা লাংওন তৌদুনা অপোকচাদা (Incarntion) শনদোকখিবগী পবম কয়া ইদুনা লৈবি । অসুম্না মহৈ মহৈ চৌদা নাওদখিবগী ব্রাবিবু অপোক চাদা লাইহুই কৌবা কোববাক্তা ইদুনা লৈ ।

উবোক উশাইনা লাইরৈপাক অসিগী নোংচুপলোমদা মালেমগী নোংচুপকী ঙমখৈ যৌনা শনদোকখি ।

(১) খাকি (২) খামন্না নোংপোক্কী মালেম লৈকোইপুংগী ঙমখৈ যৌনা চাদা নাওদাবু শনদোকখি । মখোযবু খাক্কি খামন হায়না খংনৈ । মসিনা মখোযবু শনদোকখিবা লাইগী লাইয়েক পাফনদা যেক্কুনা তাকলি । খাক্কি খামনগী ওইনা পুবা লাইবু খাক্কী - খামন পাফন পাখংবা কৌই ।

মনিংলোমদা, নোংচুপলোমদা শনদোকখিবা উবোক উশাই পাফন পাখংবা কৌই । অসিনা মবম ওইদুনা খা ব্রাংদসু অব্রাং লিকমু পাখংবা খাদসু খা- লেম্বা পাখংবা কৌনা ময়েক লানা খুনথোকখি ।

অসিগুম্না "আ"লেন পাখংবা ভেংপাম্বা মপু শিদবা অচি অসিনা কংলাদা মদোম শাফোংলগা মাগী কয়াৎতগী য়েক তবেৎ শলাই মাপনবু পুথোকখি । মবম অদুনা লমদম অসিবু হান্না শেম্বা কোন্না লোইবা লৈপাক্কী হায়না পোইবৈ ফাৎথিবশিংনা শিংথানবি ।

থব্রাইগী ওইবা লাইনিং খুদা অমদি য়ুম্ফম ঃ

মালেম লৈকোইপুং অসিদা তেঙপাম্বা মপুনা তাইপং অসিবু শেম্বা হৌন্নবগীদমক মপুগী মশাগী ওইবা কয়াৎনুংদগী পুথোকখিবা য়েক তবেৎ শলাই মাপনগী ওইবা কয়াৎশিং অসি মখাগী অশুম্না খুদম উৎতুনা খঙনবম্মী ।

(১) মঙাং য়েক্রা "আ"লেন পাখংবগী মীৎ যেৎতগী পুথোকখি ।

(২) লুৱাং য়েক্লা "আ"লেন পাখংবগী লৌৱাই লেম্ফুদগী পুথোকখি ।

(৩) খুমন য়েক্লা মপুগী মখুৎ য়েৎতগী পুথোকখি ।

(৪) অঙোমগী ওইবা য়েক্লা মপুগী ঙৌদগী পুথোকখি ।

(৫) মোইবাংগী ওইবা য়েক্লা মপুগী নুংশিৎ থোং নাতোন্দগী পুথোকখি ।

(৬) খা ঙাম্বগী ওইবা য়েক অসিবুনা মপুগী থম্মোইদগী পুথোকখি ।

(৭) শাবাং লৈশাংথেমগী ওইবিবা যেক অসিনা মপুগী লৈয়েংদগী পুথোকখি।

(৮) হাওবোক কোম্থৌগী ওইবা যেক শলাই অসিবুনা মপুগী তোংদগী পুথোকখি।

(৯) উবোক উশাইগী ওইবা যেক শলাই অসিনা মপুগী উনশাদগী পুথোকখি।

অশুম্না "আ"লেন শিদবগী মশাগী কযাৎ মাপনদগী পুথোকখিবা যেক ৭ শলাই ৯ গী লৈবিবা আসনা তাকপদি লাইযামশিংগী হৌবগী মক খঙহল্লি । মবম অদুনা মতাং মতাংগী ওইবা লাইপুংথৌ মাপন লাইনুবা তবেৎ অসি অহাংবদা নোংলুম ৯ ওইনা তাওদুনা লৈ হাযবা (nine planet) অসিগুম্না খংনৈ । মপুনা নোংলুমশিংদগী লাই নুবা তবেৎ পুথোকই মদুগী পাদমদি অহিংগী নোংযাই অমদগীনা নুংথিনগী নোংযাই অমা ফাওবনা নোংমা শাবগা নোংমা আসবু নুমিৎ হাযনা খংনৈ । অদুগা অমুক নোংমা তবেৎ অসিবু তাইপংনা নুমিৎ চযোন অমা হাযনা খংনবি । নুমিৎ চযোন অমা অসিগী মনুংদা থৱাইগী লাংওন অচৎপা চৎতবা পুম্নমকপু পোকপিবি ।

মবম অদুনা হাযবিবা নুমিৎ তবেৎ অসিবু ইমা ৭ নি হায়না খংনবি । ফাৎথিবশিংনা লাই নুবা তবেৎ হাযনা নুং পান অনিমক্তা পোকপা শিবগী যুম্ফমনি হাযবা তাকই অমসুং ইমা তবেৎনি হাযনা শিংথানবি । মসিবু লাই নুবা তবেৎনি হাযনা খংনৈ ।

মবম অসিনা পিক্লবসু পিক্লা ঐখোয়গী ইবমদম লাইবৈপাক অসিগী ইনাৎকী লাইনিং খুদা মৈহৌবোন মযাম অসি ফাথিবশিংনা হকচাং কযাৎতা পাদম থমদুনা হকচাংগী নুংলোন্দা তেংপানবা হৌবগী মমীবু তাহন্দুনা মদুদা ৱাখল ইচেনগী চাওববা থকশী খাশীগী যুম্ফম লিংদুনা থৱাইবু নিংবগী লাইনিং খুদাশিং মৈতে ঐখোযনা অৱাংবা থাক্তা লাইনিং খুদাগী ইচেন থম্মী । মবম

অদুনা থবাইবু নিংবা হায়বা পবমলোন অসিনা পুন্সিগী অবাংবা থাক ওইনা লাইনিং খুদা ওইনবি।

খুদম ওইনা কনাগুম্বা মমা অমনা মচা অমবু তুবদা মচাশিং অদুবু থবাই মি কৌবগী পবম অসি চৎনবি ওইনা মৈতৈ ঐখোয়গী ইনাৎকী অবাংবা থাকপু উৎনৈ। মমাশিংনা থবাই মি কৌবদা হে থবাই মঙামক মিগা থানা তক্কমক মি মি কু কু হায়বা বাহৈ অসিনা থবাইবু কৌশিনবগী চৎনা লোনচৎ লিকলম ওইনৈ। মবম অসিনা লাইবৈপাক্কী লমদম অসিদা লৈবা মীওইশিংগী লাইনিং খুদাগী অবাংবা থাককী থবাই নিংবা অসিবু মক ওইবা লাইনিং লিচৎনি হাযনা লৌনৈ । থবাইবু মশক খংনবা হোৎনবদা অবাংবা থাককী মাইচৌশিংদি মশানা মশাবু মশক খংজবগা লোইননা পুন্সি নুঙমনবদা (শিবা) থবাইগা কোন্নজবা হকচাংবু লোইননা চৎপা ঙম্মী । থবাইনা থবাইদা লৈবিবা খংবা হায়বা মযাই অদু ফংদুনা তুংদা তৌবক্কাদবা অমদি ওইবক্কদৌবা মবম কযাবু খংবা ঙমলম্মী ।

মবম অদুনা নিংথৌশিংনা লৈপাক লৈশেমলোন, লৈঙাকলোন, লৈকললোন কযাদা মাইচৌশিংগী য়াথং মখা পোন্না লৈপাক্কী বাযেল থৌদা তৌবম্মী। মাইচৌশিংনা চিংঙু লাইশিংগী যাইবী থবাইশিংবু বাবি শান্নবগা অমদি চিংঙু লাইগী পাওতাক লৌবগা লাইগী মখা পোন্না তাইপাংগী ফননবা পুন্সিগী যাইফনবা থৌবম থৌদা কয়া পাংথোকই । অদুনা মফম অসিদা খুনতাবীবা তাইপংশিংনা লৈকাই অমা লিংবদা উমং লাই অমমমবু ঙাক শেল্লকই । লৈকাই খুদিং খুদিংদা অমদি খুন খুন খুদিংদা চহিগী ওইবা নুমিৎ থা থাবান য়েংদুনা উমংলাইশিংগী থৌবম পাংথোকই । খুনগী লৈকাইগী অফা ফৎতা পুম্নমক লাইদা তাইনহল্লি অমসুং লাইদা ঙাকথোকহল্লি ।

অসিগুম্বা চৎনা পথাপ অসি ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লৈবি । খুদমগী মশক ওইনা থবাইবু নিংই হায়বগী থৌবম্মু মযেক লানা থবক্লা উৎলি । অদুগী খুদমদি কবিগুম্বা উমং লাই অমা থোং হাংদুনা হবাওবগী থৌনি থৌবম তৌবদা থবাই লৌখৎপগী পবম অসি হাননা পাংথোকই । থবাইবু লৈতানা লৈহল্লগা যাইবি থবাই অদুদগী অমাইবী অমাইবশিং অদুনা পাওজেন পাওতাক লৌবগা থৌবম পাংথোকই । লমদম অসিদা লৈবা তাইপংনা থবাই নিংবগী থৌবম্মা মকওইবা লাইনিং খুদমনি হায়বা তাকই ।

লাই হবাওবদা খুনগী অহন অমদি লৈকাইগী অহনশিংনা ফমফম মথং মনাও নাইনা ফম্নবম্মী ফমশিং অদুদি ঃ-

(১) হনজবা (২) হিদং (৩) পাখংলকপা (৪) নিংঙোনলাকপা (৫) লাবোই (৬) শিংলোই হায়না খংনবিবা অসিনি । অসিগুমলবা ফমশিং অসি ফমলগা লৈঙাকপগী মশক খংননবা অমদি লৈকনবগী মশক খংনবা অমদি থবাইগী লৈশেম্বগী মশকপু খংননবা তা, থাং, চুংশেন অসিনচিংবা খুৎশু খুৎলাই কয়াগা লোইন্না থব্রাইগী অফবা থৌবম্ম পাংথোকই ।

(১) অফবগী মতিক মযাই (Sprit of goodness)

(২) থব্রাইগী অফবা থৌবম্ম হৌদোক্লবগী (Establishment of Reasoning) (৩) ফত্তবা থবক তৌবশিং মাংহন্নবগীদমক (Destruction of Evil doers)

মিহুন ১০৮বু লাইফম ১০৮ নি খংনবা ঃ

অশুম্না ঐখোযগী লাই হবাওবদা খুৎশু খুৎলাইশিং অসিনা তাকলিবদি থব্রাই অ'সবু মক মখোং চেৎনা ঙাক শেন্না লৈগদবনি হাযবা তাক্লি । অসিগুম্বা পানদা উৎ'লবা থব্রাইগী থৌবমশিং অসিবু হকচাংগী মনুংদা মশিং থিঙমদনা লৈ হাযবশে খংহান্ন । লৈবিবশিং অদুগী মনুংদা মফম ১০৮ খকপু অবেপ্পনি হাযনা লৌখৎলগা লাইফম ১০৮ হাযনা খংনবি । লাইফম ১০৮ অদুদি হকচাংগী মনুংদা ঙকলবা "অ"লেন পাখংবগী মৈশানা ইব্রাই ইনিন পিবি । পিবিবা ইব্রাই ইনিন ইহুন অদুবু মপানদা তাইপংনা মিহুন হাযনা খংনৈ ।

মিহুন ১০৮ বু লাইফম ১০৮ নি হাযনা থম্মী । অসিগুম্না কংলা লাইফমদসু মশিং থিঙমদবা লাইফম ৩৬৬ লৈ । মদুগী মনুংদা লৈপাক্কী অফবা থৌবম থৌকাইবগী লাইফম ১০৮ বু খনগৎতুনা অফা- ফৎতা লৈপাক্কী থৌনি থৌবম কয়া মাইচৌশিংনা পাংথোক্লবম্মী অমদি পাংথোকনৈ ।

মীওইবগী হকচাংগী মনুংদা মীহুনগী যুম্ফম ১০৮ বু অহকপা লাইফমনি হাযনা থমলগা লাইফম মাপন অমবু অমুক নিংশনাবগী খনগৎলকই । মদুবু মৈতৈ ঐখোযনা লাইনিং খুদা হায়না কযাৎ মশক খংনা থব্রাইগী (১) হৌফম, (২) লৈফম, (৩) তৌফম মশক (থবক) মশিবু রাখন অমবোমদা পোকপা, হিংবা, শিবা হাযবা যুম্ফম অহুম অসিগী মতিক মথৌ মঙম যৌন্নবা লাইনিং খুদা অসি ফমদুনা থব্রাইগী হৌবকফম মশক খংন্নবগী অমদি থব্রাইনা মপোক অমদা পোকউনবগী লিক্লম কযা কুপ্না খংবা ঙম্মী । লাইনিং খুদা ৯বু মশক খংলবা লাইনিং পবে চেৎপা তাইপং মীশিংবু (১) মী মক (২) মী মহেন (৩) মী মচং ওইবা মীশক্লী হাযনা অব্রাংবা থাক্তা লাইগুল্লবা অমদি লাইমক্লী খন্দুনা

তাইপংশিংনা মখোয়গী পাওজেন পাওতাক লৌরগা পুন্সিবু মশক খংনা হিংদুনা থবক থৌরম কয়া পাংথোক্লে ।

মরম অদুনা থক্তা লৈরিবা মাইচৌশিংনা পাওজেন তাকপা মতুং ইন্না নিংথৌশিং কযানসু ব্রাখন চমম্লবক্লবদা লাইনিং খুদা ফমদুনা মপুগী মঙান অশেংবা ফংঙম্মী । অসিগুম্না মীওইবগী হকচাংগী মনুংদা লৈরিবা মীহুনগী যুম্ফমবু মুন্না খংলগা অহকপা অমাইবশিংনা মীওইবগী হকচাং মনুংদা লৈবিবা লাইযামশিংবু মশক খংহল্লম্মী । খোংলোমদা ইঙশল্লকপা ফাওবকপদা লাইনিংথৌ ব্রাংব্রেনগী যুম্ফম কাইরকএ হায়বা খংনৈ । কোকলোমদা ঙাওরক্লবদা কৌব্রু লাইনিংথৌগী যুম্ফম শোকএ হায়বা খংনৈ । অসিগুম্না মীহুন খুদিংমক্কী লাইপুংথৌশিংগী মাননবা যুম্ফম অমমম থম্মী । অসিগুম্না থব্রাইগী যুম্ফমশিং অসিবু লাইপুংথৌ লাইরেম্বী কযাগী মম্রিং পাদম তৌদুনা খোইদৌদা শিদবা মীহুনবু লাইনিংথৌ পাখংবনা মম্মৈনা মযানা চিক্লনা হক্কী চাংবু (১) মফম (২) মতম (৩) মবম চানা পুন্সিবু যোর্কাপবি অমস্যং থৌনি থৌনিরোন কযা অমাইবশিং অসিনা লাইগা তাইনবা হায়বদি লাইগা ব্রা ঙাংনদুনা পুন্সিবু কন্নরি । মসিনা তাকপাদ মতম পুম্নমক্তা মীওইবা ঐখোয় অসি থব্রাইলেন শিদবা অসিগী লাইনিং কাংলোনবু লোইন্দুনা লৈ অর্মাদি থব্রাইলেন শিদবা লাই অসিগী মচানি হায়বা অসি চপ চাবা মীওইবতা নক্তনা লেংলিবা পুম্নমক অচং চংতা পুন্সি পুম্নমক লাইগী মচানি হায়না শিংথানদুনা অচেৎপা থাজবগী যুম্ফম থম্মী । মবম অদুনা লাইগী মচামক্কনি হায়না লৌদুনা লাইনিংথৌ, লাইবেম্বীশিংদা পালেম হায়না কৌই । লাইনিংথৌদা পম্পৌ হায়না কৌই । মবম অদুনা লমদম অসিগী মীওইশিংবু লাইগী মচানি হায়নৈ । লাইগী মনাইনি হায়বদি হাইনদে । মরম অদুনা মফম অসিদা লৈবিবা লমদম অসিবু লাইরৈপাক কৌনবি । মবম অসিনা ঐখোযগী যুমগী মনুংদা লাইনিং খুদা মাপনগী কয়াৎ লৌদুনা যুম অমবু তাইপং মপুগী মশামক্লি খন্দুনা যুমজাও কাজাও ৯ হায়দুনা যুম শানবগা লাইনিং খুদা ৯ গী মফম নাইনা থম্মী । অসিগুম্না মপানদসু লাইনিং খুদা ফংন্নবগী খুদা ৯গী মফম লৈ ।

খুদমগী মশক ওইনা ঃ

(১) চীংখৈ য়াই মরু উমংলেনদা খুৎ, তাং তাবুম অসিবু ওন্না ওন্না ইনিংথৌ কাংবানা লাইনিং খুদা পরৈ চেৎখি ।

(২) নোংমাইচিং চিংশাদা মী মরি উমংলেন কৌবা লাইনিংফম অমা লৈ, মদুদা লাইনিং পরৈ চৎখিবদি নিংথৌ কাংবগী মপাবী তারি লৌশিংবা অসিনা

নোংপোক য়ি মবি উমংলেন অসিদা লাইনিং পবে চেংখি ।

(৩) ৱাংব্রেনগী মহৌ চীংদা থমমাবী উমংলেন কৌবা মফমদা তাবিগী মপাবি শাকাপপা নিংথৌনা লাইনিং খুদা চংখি ।

(৪) শাকাপপাগী মপাবি ৱাংকাপ্পানা খা থাংবা লি মবি উমংলেন্দা মতোন লোম্না লাইনিং খুদাগী পাবে চেংখি ।

(৫) ৱাংকাপ্পাগী মপাবি নিংথৌ ককশুবনা শনথোং লাইজি পাংবা শানথোং চিংগী উমংলেন্দা পবে চেংখি ।

(৬) ককশুবগী মপাবি তোলোংবনা থাংচিং চিংগী নি মবি উমংলেন্দা লাইনিং পবে চেংখি ।

(৭) তোলোংবগী মপাবি পিতিংকোইনা লাই মতোন ফরুংবগী লৈবিবা পাখংবগী সি মবি উমংলেন্দা লাইনিং পবে চেংখি ।

(৮) পিতিংকোইগী মপাবি লাংবিচাদি মীযাম পুম্নমক্না লোইননা নিপানমক্তা লাইনিং পবে চেংখি ।

(৯) লাংবিচাগী মপাবি শোই পাইবাদ অৱাং হি মক যাই মক কৌব্রুগী উমংলেন্দা লাইনিং পবে চেংখি ।

অসুম্না নিংথৌবের্নশিংসু লাইনিং খুদা মাপনদা ফমলগা থৱাইলেন শিদববু মশক খংজবা ঙমখি । মসিনা তাকলিবদি লমদম অসিদা লৈবিবা মীওইশিং অসি থৱাইবু অচেৎপা অমসুং মশিনা পুম্নামক্তগী অহেন্বা লাইনি হায়না থৱাইবু নিংনবর্মী। অদুগা থৱাইবু শিদবা হাযবা মীংখৈ অসি থৱাইগী লেংদবা মীংখৈনি হাযনা লেপনৈ। থৱাইনা লৈবিবা মফমবু "আ" হাযবা ৱাহৈ অসি থৱাইগী হৌবকফম অমসুং থিফম ওইবা মফম অমা ওইনা পুক্নীংগী, ৱাখনগী অচেৎপা ইচেন হৌফম অমা ওইনা ফাথিবশিংনা "আ" অসিগী মনুংদা "লেন" হাযবা পুম্নমক্তাগী হেন্নবা পাক চাওববু পুখং খংলবা মহাক হাযবা অদুনি, হাযদুনা "আ"- লেন পাখংবা কৌনা মদোম লৈ, হাযনা থাজনৈ । মঙোন্দগী তিং অমা পুথোবকই হাযবদগী অতিংকোক পাখংবা হায়নসু খঙনবকই। কোক হাযবদি ইহাং হাংনা লৈবিবা অদুবু অকোকপা হাযনা কৌই । অমনা পুম্নমক্তাগী ইহেন হেন্ববু কোক হায়নসু খংই । মবম অদুনা "আ" + তিং + কোক = আতিংকোক হাযবা ৱাহৈ অসি চোংথোকখি ।

ফাংথিবশিংনা পোইবৈ লমদম কংলৈপাক অসিগী লাইগী মরুবু অতিংকোক শিদবনি হাযনা ৱাখন ইচেনগী থাজবা যুম্ফম অমা ওইনা শৈবেং

শৈথা হৌরকই। মরম অদুনা আতিংকোক, অতিংখম, আতিয়া মরু শিদবা কৌবা তাইপংনা য়েলহৌরকপগী য়ুন্ফম অমা ওইনা শৈরেংগী শৈথাবা অসি শাংনা শাংনা ইদুনা ফাথিবশিংনা অমদি অমাইবা অমাইবি অহকপা কয়ানা লাইগী থৌরম থৌদা হৌবদা ঝাহৌশিং অসিনা অহানবা শৈথাবগী মরম ওইনা থমই। "আ" হায়বা য়ুন্ফম অসি (Universal) গী হৌরকপগী (Principal) ময়াম্বু হৌফম অমা ওইনা খংহল্লি। মরম অদুনা 'আ'গী য়ুন্ফমদা লৈরিবা উবদি ফংদবা ঝাখন ইচেননদি থাজবা থল্লিবা মহাক অদুবু "আ"লেন পাখংবা হায়না অমদি অতিংকোক মরু শিদবা হায়না শৈহৌ শিনথা ওইনা অবেপ্পা ঝাইহ অরেপ্পা লাইগী মীংথৈনি হায়না ফাৎথিবশিংনা লেপ্পি।

ঐখোয়না ঝাফম অসিদগী খংবা ঙম্মী অদুদি লেংলি পল্লীবা পুম্নমক অসি মরু অমদগী হৌরকপনি হায়বসি খংহল্লি। অমনা হৌরকইবা মরু অদুদা মাগী মাগী পুন্সি অমুক অরোইবা ওইনা পীখমনৈ হায়বগীদমক হৌবা লোইবা লমদমনি হায়দনা ফাথিবশিংনা পোইরৈ লমদম অসিবু লাইগী লাইবৈপাকনি, হায়না পুয়াগী কোরবাকশিংদা ইদুনা তাল্লি। মসিবু উদবগী মনুংদা থাজবগী য়ুন্ফমনা অরেপ্পা হৌফম লোইফম অমগী য়ুন্ফমনি তাল্লি। মিংনা উবগী য়ুন্ফমদদি ইমা ইপাবু ঐখোযগী হৌফমনি, লোইফমনি হায়না তাল্লি।

মিংনা উবা লাইদি ইমা ইপানি হায়না ফাৎথিবশিংনা, ইমা ইপাবু লাইমক্লী হায়দুনা খুরুমন্নে। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈবা মীওইশিংনা লাইশিংগী থৌরম তৌবদা লাইশিংবু পলেম পম্বৌনি হায়না কোলোই মিংলেন থোন্দুনা পলেম পম্বৌমক্লী হায়না থৌরম খুদিংদা থৌনিরোন থৌরম তৌদুনা ইবাৎ থৌরম পাংথোক্লে।

ইমুং মনুংদা লৈরিবা লাইগী খুদা লিংবগুম লৈকাইদসু খুঙ্গং খুদিংদা লাইগী খুদা য়ানরি, থাজবগা লোইননা য়ুম শাবদা খা য়ুম, লাই য়ুম হায়না খাইদোক্লুনা তাইপং মীশিংনা য়ুম শাবদা নুমিৎ, থা য়েংদুনা য়ুম শান্নে। য়ুমগী মনুংদা য়ুমগী উরেপ্পু পুম্নমক্তাগী অহননি হায়দুনা মহাকপু উরেপ হায়না খংনৈ। মমাং থোঙজাও অদুনা হকচাংগী য়া অসিবু খংনৈ। অদুগা মিং অনি অসিবুনা মিহুৎ থোঙগী পাদম লৌই। নোংপোক্তগী নুমিংনা থোকলকপদা নুমিংকী মঙানশিংনা য়ুমগী থোঙজাও অমদি মিহুৎ থোংশিংদা চংহল্লি। ফকলাংদা তারিবা মঙান অদুনা থকতোকরক্লুনা ইমুংগী কাচিন কোয়া পুম্নমক মশেক য়ৌহল্লি। মদুনা তিন কাং ফংতবা লাইনাগী তিন্নাগী মহিক কয়ামরুম শিহল্লি। মমাং থোঙলোমদগী থোকলকপা নুংশিং অমসুং মনিং থোঙলোমদগী চংলকলিবা নুংশিংশিং অদুনা ইমুং মনুং অদুবু শেংহল্লম্মী।

অৱাংলোমদা মৈতৈগী য়ুমশিংদি মনিংথোঙ ফাৎনৈ । নুংশিৎ নুংশাগী মরমদা শেংদোক্লবগীদমক্তা অৱাংদা মনিংথোঙ ফাৎপা অসি নুংশিৎ নুংশাগী মরমদা নুংশিৎ অশেংবা ফংন্নবগী চাওরবা শরুক অমনি ।

লমদম অসিগী য়ুমশা কৈশারোল য়েংলুরগস্ লমদম অসিগী লৈরন্নীবা ইপা ইপুগী ৱাখন অসি অশুক্কী থাক ৱাংনা পুক্তিবু মশক খংনা তিংগুম্বাগী ৱাখল উৎলি। হায়রিবা পরমশিং অসি থিগৎলুরবদি তেংপাম্বা (Univers। হৌরকপগী মরম কয়াগা মরি থাদোক্লবা য়াদবা য়ুম্ফম অমা ওইরি ।

মদুনা তাকপদি তেংপাম্বা অসি পুংমম মমদুনা লৈরিঙৈদা য়েৎ থংবা শরুক্কী মচি অমদা থৱাইগী মমিগী মচাক ওইবা থৱাই মিচাক হায়না খংনব অমা থোকঅম্মী । মহাক্কী শক্তমদি লুপানা পানা য়োম্বাগুম্বা লংখ্রবা মঙান অমগা লোইননা থোকঅম্মী । অমনা ওই থংবা মচি অমগী চিদাই অমদা থৱাই + মমি + মচাক = থৱাইমিচাক সনানা পানা য়োম্বাগুম্বা চরু অঙাংবগী মচুগুম মঙানতনা থল্লবা অমা থোক্লম্মী মসিবু ফাথিবশিংনা অসুন্না শিংথনবম্মী । য়েৎ থংবা চীদা লুপা পাথোম য়োমগুম্বা । ওই থংবা চিদা সনানা পথোম য়োমগুম্বা নত্তু তুরিক খুদিংদা থাজা থৌৱান মিচাক্লা কোংগোন থিল্লিবা হায়দনা তেংপাম্বা মপুবু পুনেমজবদা ৱাহৈশিং অসি শিজিন্নরম্মী । অমমবা তেংপাম্বা অসিদা হাননা থোকখিবা থৱাইমিচাক অনি অসিনা হান্না থাপক্লবা মচি চি অমমমদা থোকপা উখি । মরম অদুনা মচি চিদাই হায়বা ৱাহৈ অসিদগী চি হায়বা ৱাহৈ অসি লৌরগা য়েৎথংবা চিদা থোকইবা থৱাইমিচাকপু লুপা পথোম য়োমগুম্বা হায়না শিংথনৈ । ওই থংবা মাইকৈদা হায়বদি মখারোমদা ওই থংবা চিদা সনানা পথোম য়োমগুম্বা হায়না শিংথনৈ । মশিং থিঙমদবা চহি কয়া থৱাইমিচাক অনিসিনা ইহান হাননা থোক্লনা লৈরম্মী হায়বগী ৱাখনদা পাক চাওববু পুখং খংলিবা "আ"লেন পাখংববু "আ" - লেন পাখংবগী য়ুম্ফম অসিবু য়েৎথংবা চিদা লুপা পথোম য়োমগুম্বা, অমনা ওই থংবা চিদা সনানা পথোম য়োমগুম্বা হায়দুনা তেংপানবা মপু "আ" - লেন পাখংববু খোইলুমনৈ। অমদি লাইশোনগী শৈরেং লেংবদা শিজিন্নৈ । থৱাই মিচাক অনি অসিগী মতুংদা থা, থৱাইমিচাক কয়ামরুমসু থোরকখি । তেংপাম্বা মপু খোইলুম্বদা নত্তু তুরিক খুদিংদা থাজা থৱাইমিচাক্লা কোংগোন থিল্লিবা হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নখি ।

তেংপাম্বা মপুবু খোইলুমজবা(Verses at Lord of Universes। হায়রিবা থৱাইমিচাক অনি অসি লুপাগী মচু মানবা অদুনা অৱাংগী মাইকৈদা

থোকই হায়না অৱাংবু ফাংথিবশিংনা য়েৎ ওইনা লৌই । অদুগা ম্না মচু (চরু অঙাংবা) মানবা থৱাইমিচাক অদুনা মখারোমদা থোকই মখাবু ওই থংবা শরুকনি হায়না ফাথিবশিংনা লৌনৈ । অমরোমদা অৱাংগী য়েৎলোমদা থোকলিবা থৱাইমিচাক অঙৌবা অদুবু পম্বৌ ইপাগী য়ুম্ফমনি খংনৈ । ওইদা থোক্লিবা সনাগী মচু মানবা থৱাইমিচাকপু পলেম ইমানি খংনৈ ।

অসিগুম্লবা থৱাইমিচাক অনি অসিবু ফাংথিবশিংনা শজিক অমদি থাবা হায়না খংনৈ । হায়রিবা থৱাইমিচাক অনি অসিগী মঙান অমম্মনা তেংপানবগী য়ুম্ফম অসিদা মঙান অনিনা কারনগী থেংনফম ময়াই অদুবু ময়াই য়ুম্ফম হায়না খংনৈ । মসিনা অনিমক্কী য়ুমগী ওইবা ফমবান অমনি হায়না খংনবনা য়ুম + ফান = য়ুম্ফান হায়বা ৱাহৈ অসি থোকখিবগী পবম পেইরৈ ফাথিবশিংনা লাইরৈপাক্কী ফাংথিবশিংনা য়ুম্ফান হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নৈ । য়ুম্ফান হায়বসিগী ময়াই য়ুম্ফমবু কংলা য়ুম্ফান হায়নসু খংনৈ ।

মরম অদুনা লাইরৈপাক্কী লৈকাই খুদিং অমদি খুন খুদিংগী য়ুম শাবদা অমদি লাইগী লাইশঙ শাবদা মথক্তা হায়খিবা য়েৎ খংবা চিদা থৱাই মিচাক থোকখিবা ওই থংবা চিদা থৱাই মিচাক থোকখিবা অনিসিগী মঙানদা অহাংবা কাবন চংনখিবা, অদুগুম্বা হৌখিবগী মপুগী য়ুম্ফমগী শক্তমনি খংল্লবা লাইশং শাবদা চি অনিনা লোংনখিবা চিরোং অনি হাপনরিবসিনি । চি অমনা য়েৎতা চি অমনা ওইদা অহানবা তেঙপাম্বা মপুগী অহাংবদা থোকখিবা থৱাইমিচাক অনিবু হৌফম শাংফম্মী খংল্লবা তেঙপাম্বা মপুগী ইচেন লিক্লম্ন কাওদনবা তাইপং শিংনা নিংশিংহল্লি । মবম অদুনা ঐখোযগী অরিবা কোবপাকশিংগী শৈবেং লাইশোন পারুবগা লাইনা খংবা ঙম্মী । মদুদি অতিংকোক, অতিংখম, অতিয়া মরু শিদবা, অতিয়া হায়বদি অহাংবা অসিদা য়েৎ থংবা চিদা লুপা পাথোম য়োমগুম্বা, ওইথংবা চিদা সনানা পাথোম য়োমগুম্বা নত্তু তুরিক খুদিংদা থাজা থৱাইমিচাকনা কোংগোল থিল্লিবা, তাইপং য়েলহৌঙৈগী অমম্ম লৈশা হল্লকপা, পোইতিংগু নোংথাং তরংলেন হায়বদি অহাংবদা লেন ওইনা লৈবিরিবা । মহাক্না করম্না লৈ তাকলিবগে হায়রবদি মতম পুম্নমক্তা নোংথাং কুপ্লাগুম অচৎ চৎতা, লেংলিবা পাল্লিবা পুম্নমক্কী নুং পানগী পুল্লিদা নোংথাং কুপ্লাগী পবম য়াওরি । অদুগী পাদমদি শাদসু ঙাদসু উচেক্তসু তিন- কাং পুম্নমক্তা অমদি তাইপং পুল্লিদসু মীৎ + কুপ = মীৎকুপকী থৌ অমা ওইনা পাংথোকইবসিনি । তরংলেন হায়বসি “আ” হায়বা য়ুম্ফমদা অমম্মবদগী মঙানগী মরিক্লা অরংবা মকুপ কয়ানা লংনা থোরক্তুনা মশিং থিঙমদবা চহি

চক কয়া অহাংবা অসিদা তা ওদুনা লৈবক্সী , মদুগুম্বা তবং অদুদা "আ" লেন পাখংবগী মমিং তবংলেন হায়না কৌবকই । মহাক্তা তবংলেম্দা লৈবগা অচৎপা চৎতবা থৱাই লাংওন কযাগী তিং অমমম পোইথোকলকই (পুথোবকই) । মদুদগী পোইতিংঙু নোংথাং তবংলেন হাযবা ৱাহৈ অসি চোংথোবকই ।

নোংথাংনা তৎতনা কুপলিবা অসি হকচাং মনুংদা মীৎনা তোইনা কুপলিবা অসিগী পদমনি । 'আ' হায়বা য়ুম্ফমদা লৈবিঙৈদা "আ" লেন হাযনা কৌনবে । আনশুবদা মঙানগী মবিক্তা তবং তবং (শেংনা) থোকপা মতমদা তবং লেন হাযনা অমুক কৌবে । অহুমশুবদা তিং মযাম অমা মশাদগী পোইথোবকই হাযবগী পোইতিংঙু হাযবা মিংলেন অসি চোংথোবকই । অশুম্না চহি চক কযা ওন্না ওন্না লৈবক্লদা মতমদা তবং অসিদগী লাই + ঈ = লাইঈ কৌনা অইং অশাগী মও° অমা ওইবকই । 'ঈ' হাযবা বাহৈ অসি ফাৎথিবশিংনা মবম কযাগী হকৌল থৌদোক্কী পবমদা শিজিন্নৈ । হাযবিবা ঈ অসি ঈশিং ওন্নকপদা শিজিন্নবা বাহৈদ লাইচা ঈ হাযনা কৌর্গনি । অমবোমদা লেংলি পাল্লবা অচৎপা চৎ ঙবা উ ৱা নাপ্পা শিংবি শা ঙা তাইপং মীশিংগী তিং অমসুং অনিমক্তা হংল্লবগী মবম থৌদোকতা শিজিন্নবশিংগী মশক অমবু ঈ হাযনস্ খংনৈ । অসিগুম্বা ঈ হায়বা ৱাহৈ অসি মচুদসু মহাওদসু মখন কযাগী খেন্নবা য়ুম্ফম ওই । মদুদ উ পাম্বীশিংগী মনুংদা নৌবিঙৈগী মতমদা ঈগী মচু অসি লাইজা ঈশিংগী পাংখক্লম মচু ওনদুনা লৈ । মদুনা পাম্বী অনৌবা অমদা হকতুনা যেংবদা পাম্বী অদুগী থোক্লকপা মচু অদু অচম্বা ঈশিংগী মচু ওইর্গনি । লিবক্লবা অহন ওইবক্লবা চহি চা কযা পুনশিবক্লবা মখোইগী তিংগী হক অমদি ঈশিংগী মচু ওইবম্বা অদো অঙাংবা মচু ওইবক্কনি । অঙাংবা ঈ অদুনা মবম ওইদুনা চা ওববা পামেলশিংদি মতিক মযাই লৈবা "আ" লেন শিদবগী মতিক্কী পাদমনি হাযনা ফাৎথিবশিংনা শিংথনৈ । থৌদোক ৱাথোক কযাগী অমদি হোংঙকইবা ঈ নুংশিৎকী খুদম চাংদম খংল্লবগী য়ুম্ফম ওইনা ফাথিবশিংনা উশিং অসিবু লাইগুম লাংনৈ অমসুং যোক্লুনা থমনৈ । মসিগী খুদমদি লৈকাই লৈকাই খুদিংদা খুন খুনশিংদা উমংবু যোক্লুনা থমনৈ । উমং অদুগী মনুংদা লৈকাই লৈকাই খুন খুন খুদিংদা অবিবা মীওইবাশিংনা থাজাবগী ৱাখল ইচেনদা অবেপ্পা অমা ওইনা উমংশিংদা লাই লৈ হায়বসি থাজনৈ । চহি অমগী নুমিৎ থা অফবা য়েংদুনা থৱাইমিচাক অচংবগী য়ুম্ফম যেংদুনা উমংগী মযাইদা "আ"- লেন পাখংবগী খুভম খুদা য়াদুনা (১) পুক্নিবু নুংশাংনবগীদমক অমদি অইং অশাগী চাংচৎপু লিক্লম কাইদনবা অচেৎপা খুনজশিংনা ৱাখল অমত্তা ওইনা ইবাং থৌবম পাংথোকনৈ ।

ঈ হাযবা ৱাহৈ অসি মচুদা অঙৌবদসু ওই । খুদম ওইনা সনবীশিংনা মচা পোকঅবদা সনবীশিংগী মনুংদা চেল্লীবা ঈ অমদি তাইপং মমা ওইবাশিংদা চেল্লিবা ঈ অসিনা চিঞ্জাক ওইনা থোবকপাদদি ঈশিং অদু ঙৌই । অদুনা চিঞ্জাক্কী ওইনা থোকলক্লিবা ঈ অশে অঙাংবা ওইনা থোক্লকপদা মপানদ শিংলিবা মলাং নুংশিৎ শিদবগী ইৱাই ইনিননা যৈবদা অঙৌবা ওইনা থোকই । মবম অদুনা অসিগুম্বা মশিং থিঙমদবা ঈগী মযেক মহাও মপাঙ্গল মচু পুম্নমক অসি মপু মাগী তেংপাম্বা হৌবকপগী পবম মবম পুম্নমক কয়া ঙসি ফাওবা কাইদনা পোকপা, হিংবা, শিবদা মহৌশাগী লিক্লম অসিনা ওইরব অসিদগী ফাৎথিবাশিংনা পোইতিংঙ্ভ নোংথাং তবংলেন তবং লাইচা অপোকপা অশুম হাযনা মপুৱু পুনেমজবদা শৈবেং শৈথাশিং অসি কোববাক্তো ইদুনা থম্বীব । মবম অদুন উমংদা লাই লৈ হাযবগী উমংলাই কৌনা উমংবু যোক্লবি অমদি খুদা যার্নব । উমং যোকপনা মবম ওইনা ঈ নুংশিৎকী পবম চুম্মা ঙাক্কুনা লৈবা ঙম্মী । ঙসিগী মালেম অসিদা উমংবু তেমথোকউবদগী অমদি কোক থোকউবদগী ঈ নুংশিৎকী পবম কয়া কাইনবকপগী হাযবদি ecology গী পবম Climate কী balance কাইবকপনা imbalance ওইবক্লবা atmosphere অমা মালেম লৈকোইপুংগী (Global Earth) ঈ নুংশিৎকী চা চাওনা কাইবকপগী ৱাথোক লানথোক ওইবকপনা ঙসিদি মালেমগী মীওইশিংনা উমংবু কনবা পামনবক্লি অমদি য়োকখৎনবক্লি । মবম অদুনা হৌজিক্কী মীওইনা উমংবু যোকপা পাম্নবক্লীবা ৱাখন অসে লাইবৈপাক অসিদা লৈবিবা ফানাথবশিং মাসনা উমংবু যোকপগী ৱাখন অশে যাম্না ঙল্লিঙৈগী মতমদা হন্না খংলম্মী । মবম অদুনা লাইবৈপক অসিদা উমং লাই হাযদনা উমং যোকপগী থৌনম অমসুং উমংদা লাই লৈ হায়বগী পবম কযামকম্মু মযেক লানা উৎতুনা চত্থ চাতগী ওইনা মীযোইবগী পুক্নি খুদিংনা লাইবৈপাকসিদা ইবাৎ থৌবম চৎথবি ।

মবম অদুনা লৈপাক অসিগী লাইনিং লিচৎ হাযবা কাবনো হায়না হংলবদি, ঐথোযনা মীতোপশিংদা উমং লাইদা মতম চানা হবাওবিবা অমসুং মদুদা তৌবিবা লাইগী থৌওং অমদি থৱাইবু কৌখৎলগা ইবাৎ থৌবম তৌবিবা, অমসুং মদুদা যাওবিবা পোৎচং অমদি খুৎশু খুৎলাই অমদি শৈহেক শৈশক শিংথবদা খোংলিবা পেনা, তৌদ্রি, তাবিনচিংবা কয়ামকম অসি উৎলগা মীতোপশিংদা ঐথোযগী অবিবগী লাইনিং লিচৎ চৎলম্বা মহৌশা কৌবিবু মশক খংলম্বা (Low and Nature) গী শক্তমবু মযেক লানা উৎপা ঙম্মী । মসিনা ঐথোযগী লাইনিং যুম্ফমনি তাকপা ঙম্মী । ঐথোযগী লাইনিংথৌ যুম্ফমদি মহৌশা কৌবী শিদবা তেংপাম্বা মপুগী নুমিৎ থা, থৱাই মিচাক, লাইপুংথৌশিংগী

অমদি অইং অশাগী থৌদোক রাথোক কযাগী মবম কয়াবু পুক্সিগী যুম্ফমগা থাদোক্লবা যাদবগী মবম কয়া উৎতুনা লাইনিং খুদা শেম্মী । (কন্নগুম্বা লাইগী পাওজেন পীবা অমাইবা অমাইবী মীওইশিংগী মখা পোন্দে) মবম অদুনা ঐখোযগী লমদম অসিদা লৈবিবা লাইনিং যুম্ফমশিং অসি ঐখোয়না মুন্না খাংবা তাই অমসুং চেকশিন্না চৎপগী মথৌ তাই , হায়বসি কাওবোইদবা অমসুং শোইবোইদৌবা থৌদাং অমনি হায়বসি ফাথিবশিংনা তাকপীবম্মী।

তাইপং মলেমদা থেংকৌলোননা শাফোংলকপা

তেংপাম্বা মপু "আ"লেন পাখংবনা কোবৌ তাইপং মালেম্বু শেমলগে নিংলক্লবদা মপাবি অতিয়া শিদবা, অশিবা, কোনজিন তুথোকপা পাখংবা অহুম্বু কৌদুনা রাহোমখি । পাবি নখোয অহুম্বু নপঙ্খৌনা কৌবদি কোবৌ তাইপং মালেম্বু শেমশে কৌবনে । পাবিখোই তিলাং খৈযোৎনা পাইমা পুকনিংবু লৈতনা চংখোন্না ওবো । পাবি কোকহন অতিযা শিদবা নঙনা কৌবৌ নোংলোন মপানমকপু শেমলো । পাবি যাইমবা অশিবা নংনা মালেম তাইপংবু ওইনা লৈশেমলো। পাবি তোলেন নংনা নযাম্বুং যাইমবগী থৌপাংলো হাযনা পাওতাক পাওশিংখ ।

তেংপাম্বা মপুগী মশাদগী হেক থংথনা চিথখিবা মপাবি কোকহনবু অদু নংগব অচিবা লাইনিংথৌ কৌনা কোলোইনখি। মতাক্তী মপুগী মশাগী মশা ওইযে ।

মতুংদা তেংপাম্বা মপু "আ"লেন পাখংবনা মালেম তাইপংবু লৈশেমলো হাযনা পাওশিংখিবা মচা ইবুংঙো যাইমবা সনথোং অপানববুনা মপন পনখৌনা পাওখোন শিদুনা তাইপং মালেম্বু লৈশেমহল্লে হাযবগী অদু নুংগাবু অশিবা কৌনা কোলোই মিংহুনখি। মতাকসু মপুগী মশাগী মশা ওইযে । মপাবি যাইমবনা মালেম্বু তবেৎলক কোইঙৈদা মপনথৌনা লাই মযামগী নিংথৌ (পিপলেন) হাপ্পুনা লাইনিংথৌ কৌনা ফমখোংবু পিনবিখিবা মপাবি যাইম্বা অশিবা লাইনিংথৌনে ।

কোনজিন তুথোকপা মপাবি অতোম্বনা পালেম মমা ইবেম্মা লৈমবেন শিদবীগী মযাথং তুংইন্না মপুগী ফমখোঙবু তবেৎলক কোইঙমখি । তেংপাম্বা মপগী মশক ওইবা মপাগী ফমখোংবু মশক খংঙে হাযবগী পাখংবা হাযনবু কোলোইখি। মপুনা মপবি অহুম্বু কবম্বা মপাবিনা পাম্বৌবু মশক খঙবগে, অমদি পাক চাওববা তেংপাম্বা (Univere) অসিবু কবম্বা মপাবিনা মুন্না কুপ্পা খংলবগে খংনিংনা যেংনিংলকলবদা মপুনা নোংপোক চিদেন্দা সন অসিবা

অমগী শক্তমবু লৌদুনা তাওথবকখি । অদু নোংদা মপাবি অতোম্বনা মপন পম্বৌবু হাননা শকখংখি । মপুনা পাইমা পুক্লিংবু খৈনিক পেন্না নুংওল্লবদা (পেল্লবদা) মপাবি অতোম্ববু মপা খংবা পাখংবা কৌনা কোলোইর্নখি ।

অসুম্না মপাবি অহুম্মক্না মপন পম্বৌগী অনিংবা অপাম্বা খিবিকপু থৌ ওইনা থৌপাংদুনা কোবৌ তাইপং মালেম্বু লৈশেমলমদাইগী অদু নোংদা মপুনা ইহান হাম্বদা লাথাবি থেংকৌলোনবু চোংদুনা মতম অহুম্ব পুথোর্কখি । মপুনা মতম অহুম্বু পুথোক্লবা চোংখিবা লাথাবি থেংকৌলোন অহুম্বু (১) মঙাং লাথাবি (২) লুরাং লথাবি (৩) খুমন লথাবি থেংকৌলোন কৌনা খংর্নখি ।

মতুংদা তেংপাম্বা মপুনা লৈশেম তুশেম্বদা থৌ পাংল্লবা মপুগী কযাৎ ৯দগী লৈঙাকলোন, লৈকনলোনগী অর্মদি ইবম খোংলমগী ওইনা ইমা লাইবেম্বী ৮ অর্মাদ মাইকৈ ঙাকপা লাইপুংথৌ ৯ মকপু মপুনা থেংকৌ শানা পুথোর্কখি মসিবু তাইপংনা মতিক মযাইগী ওইবা ইমা লাইবেম্বী ৭ অমদি মাইকৈ ঙাকপা লাইপুংথৌ ৯ কৌনা ঙসি খংনবি । তেংপাম্বা মপনা পুথোক্লনা শেমখিবা ইমা লাইবেম্বী ৭ অসিগী মতিক মযাইশিংদি কোবৌ তাইপং মালেম অহুমক্তা লৈ । কোবৌ থক্তা লৈবগনা খক্তা থোক্লিবা খোংজোমনাব ৭ পু কৌনা খংনৈ ।

"তাইপং ওইনা লৈবগা তাইপং মীওইবগী লৈশেমলোন, লৈঙাকলোন, লৈকনলোনগী ওইবা পালেম ওইবি ৭মকপু কৌনা খংনৈ ।"

"মালেমগী ওইনা লৌবগনা নম্মু হকচাংগী কযাৎনুংদা চেন্দুনা লৈবিবা ইবম খোংলমগী ওইনা খংনবা পালেম ইমা ৭ মকপু কৌনা খংনে ।"

"কৌবৌ থক্তা লৈবগনা পালেম ইমা খোংজোমনাপ ৭মকপু কৌনা খংনৈ"

(১) লৈশেমলোন, লৈঙাকলোন, লৈকনলোনগী পালেম ইমাশিংগী মিংখেবোনগা লোযননা মতিক মযাইশিং ঃ-

(১) ইমা কোবৌ নোংথৌ লৈমাগী নুংগী রাহনথোক ঃ

তাইপংগী কোক্তা হানানা অইংবা পুক্লিং, রাখনবু লৈতনা খন্দুনা লৈবিবা, ইবম খোংলম্বু কোবৌ নোংথৌ লৈমা ইমাগী মতিক মযাইনি হাযনা লৌনৈ ।

(২) ইমা নোংথাং লৈমা ঃ

তাইপংগী শিংলি নাওবি, শক- শয়াংশিংবু মতম অমত্তদা ইহুন ইচেন থংথবকপবু, ইমা নোংথাং লৈমা ইমাগী মতিক ময়াইনি হাযনা লৌনৈ ।

(৩) ইমা মালেম লৈমা ঃ

তাইপংগী শম্মু হকচাংগী লৈরিবা পুম্নমক্কী মতিক ময়াইশিংবু ইমা মালেম লৈমাগী ওইবা মতিক ময়াইনি লৌনৈ ।

(৪) য়াইবি লৈমা ঃ

তাইপংগী থব্বাইগী ওইবা হায়বদি তাইপংনা চারিবা থক্লিবা পুম্নমক্কী মথৌ তৌরিবশিংবুনি । মসিবু থব্বাইগী ইবম খোংলমগী মবেম্মনি হায়দুনা তাইপংনা যাইবি লৈমা ইমা কৌনা খংনৈ ।

(৫) ইহাইনু লৈমা ঃ

তাইপংগী শম্মু হকচাং মনুংদা চেল্লিবা ইদা ফৎতবা অকাইবা অতোইবা তৌরকইবা পুম্নমকপু হায়দোকপগী মথৌ তৌরিববু পলেম ইমা ইবেম্মা ইহাইনু কৌনা খংনৈ ।

(৬) পলেম ইমা ইথাইনু (ইখাইনু) ঃ

তাইপংগী শম্মু হকচাংদা অফবগা ফৎতবগা তোৎশিন্দুনা লৈবিবা পুম্নমক্তাগী ফৎতবগী ওইবা শকক মখৈবু খাইদোক্তুনা মথৌ তৌরিবা অদুবু পালেম ইমা ইথাইনু কৌই ।

(৭) ইহুমনু ইমা ঃ

তাইপংগী শম্মু হকচাংদা লৈবিবা থোং কয়াৎশিং অমদি লু-তোংদা ইবম খোংলমশিংনা লৌশিল্লকলিবা খুদিংমকপু ফৈ হায়না খম্বা মখৈবু খনগৎতুনা লৌশিল্লকপগী মথৌ তৌবিবা ইবম খোংলমবু পলেম ইমা ইহুমনু কৌই ।

লৈশেমলোন, লৈঙাকলোন, লৈকনলোনগী ওইবা ইমা তরেৎকী নুংলোনদা লৈবা মতিক ময়াইগী ওইবা মিংখৈলোনশিং ঃ

(১) হি পোকপি (২) য়াইপোকপি (৩) হিকুবি
(৪) য়াইপুবি (৫) হি-লৈমা (৬) য়াই লৈমা
(৭) য়াইসনা য়াইখুতোন ।

ইমা তরেৎকী মিংখৈলোনশিংবু তাইপং ওইবশিংনা অসুম্না শোন্নৈ । ইমা ৭না খাইদোকপিয়ু, ইমা ৭না হুমদোকপিয়ু । মসিদি ইশাদা ঈ নুংশিংকী ইবম খোংলমগী লৈরিবা অদুগী মনুংদা খাইদোক হুমদোক্লবগী মতাংদা পলেম ইমা তরেৎতা চংজন্দুনা হায়জবনি ।

লৈশেমলোন, লৈঙাকলোন, লৈকললোনগী ওইবা ইমা ৭ অসিগী কোয়ৌ থন্তনা লৈবা মতিক ময়াইশিংগী মিংথৈশিং :

(১) শাচিক (২) থবা (৩) থয়াই (৪) থাতোন
(৫) নোংথৌ নুপি (নুবি) (৬) কোবৌ নুপি (নুবি)
(৭) তোংচেং নুপি (খোংজোম নুবি)

লাইপুংথৌ ৯গী মিংখৈবোনশিং অসি অনি থোক্ন লৈ। (১) মকুলোন্দা কোবৌ নোংথৌগী ওইবা লাইপুংথৌ ৯গী মিংখৈ। (২) মাইকৈ ঙাকপা লাইপুংথৌ ৯গী মিংথৈ।

(১) খুনুং লোনগী মতমদা মকু লোন্দা কৌবা কোবৌ নোংথৌগী ওইবা লাইপুংথৌ ৯গী মিংখৈবোন।

(১) ইপুনলেন (২) ইকংলেন (৩) ইতাইলেন (৪) লৈকাচো (৫) নোংকাচো
(৬) ব্রামুপা (৭) ব্রাঙৌপা (৮) নুংকাপা (৯) নুংচোংপা

তেংপাম্বা মপূনা লাথাবি থেংকৌলোন অহুম্ন চোংদুনা মপুগী কা ৯ দগী পুথোকখিবা মাইকৈ ঙাকপা লাইপুংথৌ ৯ গী মিংথৈয়োনশিং :

(১) খম্লাংবা পাখংবা (২) ব্রাংব্রেন (ব্রাংপুলেন) (৩) কৌব্রু (৪) চিংখৈ মবজিং (৫) নোংপোক অপাম্বা (৬) খানা চাওবা লাইনিংথৌ (৭) লোইয়ালেন লোইয়ানিংথৌ (৮) সনথোং মবিবা (৯) থাংজিংনি।

মখোইগী মতিক ময়াইশিং :

(১) খম্লাংবা ("আ"লেন পাখংবা) : "আ" + ঙিং + চিং + শিদ পঙ্খৌ "আ"- লেন পাখংবা মঙোন্দগী লোইনমক পোকই। মাগী মফমদা খংদবা লৈতে। হেক খংদবা উদবা পুম্নমক মাগী মফমদা খংবনা ইবাই লাই। মহাক্কী মফমদগী মহি পুথোকখি, মহিবেন পাখংবা কৌই। মাগী মফমদগী মৈ পুথোকখি, য়াইবি মৈতিংলেন পাখংবা কৌই। (ময়াইলেন) মহাক্কী মফমদগী নুংশিৎ পুথোকখিবনা মালংবা হামলেন, হুমলেন, নোংলৈ য়াং পাখংবা কৌই।

(২) ব্রাংব্রেন (ব্রাংপুলেন) : য়াইবি মিবেনগী ব্রাবম পুম্নমক্কী থৌবু পুই হায়বগী ব্রাংপুলেন পাখংবা কৌএ। তাইপংনা কোন্না থৈথবক্লুনা ব্রাংব্রেন কৌনখি।

(৩) **কৌব্রু :** মক ময়ামবু মফম অসিদা কৌদুনা খুনদিন্নফম ওইবা, অমদি মক পুম্নমক্কী মকোকশিংবু কৌফম মফমবু কৌব্রু, কৌবলেন কৌব্রু অপাম্বা পাখংবা কৌএ । কৌব্রু পাখংবা অসিদি ব্রাকোক ব্রালেন হৌফমনি পুম্নমক্কী খুনাদম্নফমনি ।

(৪) **মাৱজিং:** লেংলি পাল্লিবা অচৎ চৎতা পুক্সি ময়ামগী মবি মখোংশিংবু কযাং নাইনা মানা হানগা শেম্মী হায়বগী মাব হন্বা হায়না কৌই । (মানা ইহান হান্না শেম্নকই) মবি পুম্নমক অদুনা কযাংকী মখোঙ মবিন শাগৎপদা মবিশিং অসিনা শাগৎকদৌবিবা মশাগী মচাকপু ফাজন্দুনা মশাবু কোনশিল্লি হায়বগী মাৱজিং শকোন হায়না কৌখি। ঈশিং, নুংশিৎ, মালেম, অতিয়া পুম্নমকপু ফাজিন্দুনা কোনশিনখি হায়বগী শকোন কৌখি । অদুগুম্ন মবি মবাং পুম্নমক অমগা অমগা চিংশিন্নাবগা ঙানাদুনা লৈর্নখি, মদুদা অশিংবা হায়বা লৌশিং থোকখি । মবি অমাগা অমাগা চিংশিন্নববু চিং + অমগা অমগা ঙান্নবদগী ঙা + হায়বা ৱাহৈ অসি থোক্লকই । লৌশিং হায়বা বাহৈ অসিদগী শিং হায়বা ৱাহৈ অসি লৌথোকই ।চিং + ঙা + শিং = চিংঙাশিং (নুংলোনগী) মদুদগী পিং, .ঙ.ঙে কৌই । মদুদগী পিং লাওবা মখোন (Circulation) অমা থোক্লকই ।

(৫) **নোংপোক অপাম্বা :** নোংদম্বা মকগী বা মবম পুম্নমকপু পোকহল্লকই অমসুং অচ শিদবগী চি পুম্নমকপু নোংদমবীবকই হায়বগী নোংপোক অচিবা হায়না কোলোইবকই। (নোংদমদগী নোংপোক লাকই) মবম অমনা পোকইবা মবম পুম্নমক অদুবু মপান্দা শক্লম নাইনা পাম্বা তশেং তশেংনা ফজনা উৎলগা উহল্লকপবু নোংপোক অপাম্বা কৌই ।

(৬) **খানা চাওবা ৱাংব্রেন (ৱাংপুলেন) :** খানা চাওবা অসিদি অঙকপগী মশক্কী অচি হিং "আ"লেন শিদবনা মখাদা ইহান হান্না শাইওন তৌদুনা লৈ । নহাননোং লৈশেম্বদা মালেম অসিগী মখাগী ফম্বানদা মালেম ঙাক্লুনা ইহান হান্না খাদা চাওনা লৈবিখি, মদুদগী মহাকপু খানা চাওবা কৌনা লাইযামশিংনা খোইবম্নখি । ঙসি ফাওবদা খানা চাওবা অথৌবা কৌনা তাংজেংগী চিংখোংদা চেল্লিবা ইম্ফাল তুবেনবু নুংজাওনা পন থিংখি । পন থিংখিবগী মহাক্কী মতিক ওইবা খুদম ঙসি ফাওবা তাংজেংদা লৈবি লাইযামশিং অসি মখাবোমদা লাকপদা নুংজাওগী পন থিংদুনা ঈশিং হাগৎহন্দুনা লাইযাম পুম্নমকপু চৎহনবা ঙমহনখিদে । ইপুধৌ ৱাংব্রেন্না মঙোন্দা লাক্লুনা খোইকমজখি অমসুং হাযজখি । ঐখোযবু ঙাকপিযু অমসুং খাগী লৈপাক

ঙাকপদা অথৌবা অমা ওইনা যেৎতা ফম্বান লাংবিয়ু হায়না হংকৎচখি । অদু নোংদগী ঙসি ফাওবদা শুগুনুগী লাইশং অহুম লৈবদা খোব্রাইগী য়েৎ থংবদা অথৌবা কৌনা লৈবিবি । মযাইদনা লাইনিংথৌ শনথোং মহিবেন্না লৈবিবি। খ্বাব্রাইদগী ওই নোংপোক থংবদা ইথৌ ব্রাংব্রেন্না লৈবিবি । হৌজিক হৌজিক শুগুনুদা চৎল্লগা খুদমশিং অসি উবা ফংবিগনি । শুগুনু অমসুং তাংজেংদা খানা চাওবা ইপুথৌগী খুভম লেংদনা লৈবিবি।

(৭) **ব্রাবোই নিংথৌ লোইয়া লাকপা ঃ** অচি শিদবদগী পুথোকখিবা অতিযাগী নুংশিৎনা লেংলিবা পাল্লিবা অচৎ চৎতবগী হোনজিল্লীবা নুংশিৎ অসিদা অবোইবা অবেপ্পা পংখৈ নাইনা উৎলিবা মহাকপু ব্রাবোই নিংথৌ কৌনা খংনৈ । মবম অদুনা লৈপাক্কী লৈঙাক লৈকললোনদসু অবেপ্পা পংখৈ খংল্লবগীদমক ফোংনা চাওনা খুদম ঙসি ফাওবা পিবি। মহাক্কী নুংশিৎকী নিংথৌনিনা মথক কুপ্পা লাইশং শাবা যাদে । মহক্কা মফমদা লৈপাক হুপ্পা ফিবান কৎলবদি হৌজিকসু নুংশিৎ শিৎতুনা অবোইবগী নিংছি নিংছিবগী বাবমগী থৌ পুন্নমক উৎপি । মবম অদুদগী মহাকপু ব্রাবোই নিংথৌ কৌনবিবশিনি।

(৮) **সনথোং মবিবা ঃ** তেংপনবা লেংলিবা পাল্লিবা (being) থব্রাইগী লাঙওন পুন্নমকপু শন্দোক্লবগী থোং অমা ওইনা লৈবিবিবা মহাকপু শনথোং মবিবা কৌই । মহাকপু হকচাংগী মনুংদসু লৈবগুম এাইপংগী যুম যুম খুদিংদসু শনথোং কাজাও হাযনা নাইদনা লৈবি । শনথোং ম্না মহি হাযনসু কোলোইবি । অসিগুম্না মপান্দসু লৈপাক্কী ওইনা শনথোং মবিবা ডমং লাইগী খুভম ওইনা লৈবি । শনথোং চিংজাওদা শনথোংগী লাই নিংথৌগী লাইশং লৈবি । মহৌশাগী নুংজাও ঙাক্তানা লাইগী লাইশং ওইনা মীখুৎ চংদনা লাইশং ওইনা নিংথিজনা লৈবি । (ব্রাঙু শগাংগী মনিং চিংজাওদা লৈবি)

(৯) **থাংজিং পাখংবা ঃ** পুন্নমকপু অচি শিদবদগী যাইবিবু মথং মথং থংথবাক্লুনা লেংলি পাল্লিবা অচৎ চৎতা পুন্নমক্তা থব্রাই মাবু থংথ- থংথনা চিথবিবকই হাযবগী থাংচিং পাখংবা কৌই । লোনথৈ লাকপদগী থাংজিং ইবুথৌ হাযনা কৌনৈ । মানা যাইবিলেনবু অচৎ চৎতা পুন্নমক্তা খুনথোক কুমহৈ শান্নৈ হাযবগী থাংচিং পাখংবা কৌই ।

তেংপাম্বা মপুনা পুথোকখিবা থেংকৌলোন তবেৎ অমসুং মাপনগী মীংখৈবোন অমসুং মতিক মযাইশিং ঃ

তেংপাম্বা মপু 'আ'লেন পাখংবগী পাওতাক পাওশি তুংইন্না অশিবনা মালেম্বু শেম্বা লোইরবদা, মপাবিনা শেমলিবা মালেমবু মক মরা চেৎলববা পুম্নমকপু মপুং ফাববা পাইমা নুংদা নিংখন্নদুনা য়াৎথোক্লগা মপুনা (১) লৈফননা (২) নোংফননা (৩) লৈনিক্লা (৪) লৈকাওনা (৫) অচাইনা (৬) অতাননা (৭) লৈখোমনা (৮) লৈনেৎনা (৯) লৈহাইনা যেংখিবা খোংজোং খোঙহাই খিবিকপু থেংকৌলোন তরেৎ কৌনা খংনবদি থরাইনি, থরাইদি নুপিনি নুপিদি থাংনি থাংদি পলেম ইমা ওইবিনি।

থেংকৌলোন ৯ কৌনা খংনবদি হকচাংবুনি। হকচাংবুনি হায়বদি নুপানি, নুপাদি তানি। ইমা, ইপা অনিমক্কী ওইনা খংনবা থেংকৌলোনগী পথম্লোনবু থেংকৌলোন ৭ অমসুং ৯মকপু কৌনা খংনৈ।

তেংপাম্বা মপুনা পুথোকখিবা থেংকৌলোন ৭ অমদি ৯ অসিদ চোংবদা মক ওইনা পাইবা খুৎশুদি থাং অমসুং চিংকোইনি। মপুনা চোংদুনা পুথোকখিবা থেংকৌলোন ৭ অমসুং ৯ অসিবু ৭কী যুম্ফমনা পলেমনা ৯গী যুম্ফমনা পল্লৌ ইপামক্কী হায়না ভসি ওইপংনা শৈশক শৈথার্নি।

মপনা পুথোক্কুনা চোংখিবা থেংকৌলোন ৭ অমসুং ৯ গী নুংগী ওইবা রাহনথোকশিং

(১) নোংফন : অশিবনা মালেম্বু লৈশেম্বদা 'আ'লেন পাখংবা তেংপাম্বা মপুনা থোক্লা মতম্দা যেংবদা নোংফম কৌই।


নোংফন

ফোতো: সুখাম মকতোম্বী

(২) লৈনক : মপুনা মালেম্বু শেমাহন্বা মতম্ থোক্কীবদা যেংবা মতুংদু লৈনক কৌই।

(৩) লৈফন : মপুনা নোংফনদগী অমুক নিকশিন্বা অদুদগী অমক লৈফন ওইনা অমুক ফন্দোকপ, মলেমশু হন্দুনা যেংবদু লৈফন কৌই।

(৪) অখোম : মপুনা লৈফন্দুনা যেংলম্বদগী অমুক মালেমগী হী যাইশিংবু অমুক খোমজিন্দুনা যেংববু অখোম কৌই।

লৈফন



ফোতো: সুখাম মকতোম্বা

(৫) অচাই ঃ মপুনা হী যাইশিংবু খোর্মাজন্দুনা যেংলবা মতুংদা হী যাই মযাম্ভু অমুক মালেমদা চাইথোবকপনি মসিবু অচাই কৌই ।

(৬) অতান ঃ মপুনা হী যাইশিংবু চাইথোল্লবদা মালেমদা লৈবিবা ফৎ চবা চাওথিবা পুম্নমকপু অমুক তানথোকপনি মসিবু অতান কৌই ।

(৭) অকাও ঃ মপুনা হী-যাই কযামকম্মা মালেম শেমখিবশিংসে কাও কাওদুনা অমুক যেংববু অকাও কৌই ।

মথক্তা লৈখিবা থেংকৌগী পবমলোন তবেৎ অসিবু পালেম ইমাগী ওইবা থেংকৌলোন ৭ নি হায়না লৌনৈ । পালেম ইমা ওইবীগী মতিক মযাইশিংগী ওইবা থেংকৌলোন ৭ অসিগী মথক্তা ৮গী লৈনেৎ ৯ গী লৈকক্কী পবমলোন অনি অসি হাপলগা পবমলোন ৯ অসিবু অমুক পঙ্খৌ ইপা ওইবগী মতিক ময়াইগী ওইনা খংনবা থেংকৌলোন ৯ নি হায়বা খংনৈ । অসুম্না ইমা অমসুং ইপাগী ওইনা খংনবিবা থেংকৌলোন ৭ অমদি ৯ অসিগী মথক্তা (১০) লৈ হাই (১১) লৈথিন (১২) লৈকক, লানকক অহুম অসিবু অমুক্তা হাপচিল্লবদি থেংকৌলোন ১২ কৌনা খংনৈ । থেংকৌলোন ১২ মকপু খংনবদি চহি অমগী মনুংদা লৈবিবা থাশিং ১২ অসিগী মতিক মযাইশিংবু খংনৈ ।

মপুগী থোং কয়াৎতগী পুথোকখিবা চয়োনগী ওইবা নুমিৎশিং ঃ

১। মপুগী মিৎ য়েৎতগী নোংমাইজিং পোকএ ।

২। মপুগী মিৎ ওইদগী নিংথৌকাবা পোকএ ।

৩। মপুগী নাকোং যেংতগী লৈপাকপোকপা পোকএ ।

৪। মপুগী নাকোং ওইদগী যুমশকৈশা পোকএ ।

৫। মপুগী নাতোন যেংতগী সগোলশেন পোকএ ।

৬। মপুগী নাতোন ওইদগী ইবাই পোকএ ।

৭। মপুগী চিন্দগী থাংজ পোকএ ।

চয়োন অমগী মনুংদা লৈরিবা নুমিৎ ৭ নিগী ওইবা পালেম ইমা ৭ কী নুমিৎ নুমিৎকী পুরিবা ইপাশিংগী মিংথৈশিং ঃ

১। নোংমাইজিং নোংপোক নিংথৌনা (অচিবা) পুইএ ।

২। নিংথৌকাবা - কৌব্রুনা পুইএ (নুংলোন্দা ব্লাংব্রেনবুসু নিংশংগনি)

৩। লৈপাকপোকপা খানা চাওবনা পুইএ ।

৪। যুমশকৈশা - চিংথৈ মার্বচংনা পুইএ ।

৫। সগোলশেন - বাংব্রেননা পুইএ । (সনা মহিবেনগী মতিক মযাইনি)

৬। ইবাই - সনথোং মবিবা লাইনিংথৌনা পুইএ ।

৭। থাংজ - থাংজংনা পুইএ ।

চয়োন অমগী মনুংদা লৈবা নুমিৎ ৭ কী মিংথৈরোনশিং অসি অসুম্না খংনৈ ।

১। অশী - নোংমাইজিং

২। হযেং - নিংথৌকাবা

৩। হাংচিৎ - লৈপাকপোকপা

৪। মশেম - যুমশকৈশা

৫। মবৌ সগোলশেন

৬। মকাপ - ইবাই

৭। মশিং - থাংজ

চয়োন অমগী লৈরিবা নুমিৎ ৭ কী পুরিবা লাইরেম্বী ইমশিংগী ওইবা মিংখৈশিং

১। নোংমাইজিং - য়াম্না ইংবা তপ্না ইমা পাম্থোইবীনা পুইএ। (থবক্তী ইপানা তৌই।)

২। নিংথৌকাবা ইমা শিলহেনবীনা পুইএ। (যাম্না লৌশিং পীবা)

৩। লৈপাকপোকপা - ফৌওইবী ইমানা পুইএ।

৪। য়ুমশকৈশা - ঙারৈমা ইমানা পুইএ।

৫। সগোলশেন - ইমা পানথৌইবীনা পুইএ।

৬। ইবাই - ইম্নোইনু ইমানা পুইএ।

৭। থাংজ ইমা যাইসন্না পুইএ। (তৌগে ঙম্বা চাবগে ঙম্বা)

তেংপাম্বা মপুনা লাথাবি থেংকৌলোন অহুম অমাদ লাইরেম্বী ইমা ৭কী ওইবা পাবমলোনগী থেংকৌলোন ৭ লোইননা পম্থৌ ইপাগী ওইবা পাবমলোনগী খংনবা থেংকৌলোন ৯ মকপু পুখোক্লন্দা। মপুনা থেংকৌলোন ৯গা ৩ গা পুনশিল্লগা থেংকৌলোন ১২ দগী চাত্ত ১ গা মপুন্দা লৈবা থাবল ১২ মকপু পুখোকখি।

মখোইশিংগী মিংখৈরোনশিংদি

খুন্নুংলোন্দা কৌবম্বা থাবল ১২ গী মিংখৈরোনশিং	*কেনা চক্তা কৌনবকপা থাবল ১২ গা মিংখৈরোনশিং*
১। থপী	১। সজিবু
২। কামপা	২। কালেন
৩। চাঁলপী	৩। ইংগ
৪। অশাও	৪। ইংগেন
৫। অলেম (অবেম)	৫। থৌবান
৬। থৌব্রা	৬। লাংবন
৭। অবৈ	৭। মেরা
৮। চীংথম	৮। হিয়াঙ্গৈ
৯। নোংথম	৯। পোইনু

১০। অৱাচিং	১০। ৱাকচিং
১১। অসিং	১১। ফাইবেন
১২। অহুম	১২। লমতা

অসুম্মা থাবুম ১২ গী মিংখৈবোনশিংবু কৌনা ওসি তাইপংনা খংনবিবা থাশিং ১২ মকপু মপুনা থেংকৌ শনা পুথোকখি।

লাইনিংথৌ অশিবনা লৈশেমলোনগী মনুংদা পুথোকখিবা মপুং ওইবা থেংকৌলোন ৯ অমদি ১২গা লোইননা খৌশালোনশিং

লাইনিংথৌ অসিবনা লুচিংদুনা লাইপুংথৌ ৯, লাই নুবা ৭ অমদি লৈবিবা লাই নুবা পাখং খিবিক্কা লোইননা তাইপং মালেম্বু লৈশেম্বা লোইববদা অসিবনা মপুগী ফনদোংদা কাখৎলক্কুনা তাইপং মালেম্বু লৈশেম্বা লোইবে পাওতাক পাওতমলবদা। মপুনা ফনদোংদগী কুমথবক্কুনা অসিবনা তাইপং মালেম লৈশেম্ববু মিংযেং শংখৈবগা লোইননা মপুনা থেংকৌলোন কযা মথং মথং চোংদুনা পুথোক্লবা তুংদা মপুনা মপুকনিং পেম্বগা লোইননা মপুগী ফন্দোংদা হাঞ্জিন্দুনা লৈখি।

মতম অদুদা অসিবনা তাইপং মালেম্বু লৈশেম্বদা যাওখিবা লাই নুপা, নুপি, লাই পাখং, লৈশা খিবিক্কা লোইননা তেংপাম্বা মপুগী মফমদা লক্কুনা হবাও মথোই কাবগা লোইননা কুম্মৈ ফিযোং কযামকম পাংথোকখি।

লাই নুবা, লাই পাখং খিবিক্কা তাইপং মালেম লৈশেমঙৈদা লাইয়াম খিবিক্কা মানা মানা থেংনবকপা থৌদোক পবমলোন কযামকম্বু পাওতমনদুনা হবাও মথোই কানাখি। (অদু নুংদগীবু লাই হবাওবা কৌখি) মতম অদুদা অসিবা লাইনিংথৌনা মপনথৌগী মঙদা নচানা তাইপং মালেম্বু লৈশেম্বদি, অশুম্মা লৈহোৎনা, লৈতৌনা, লৈখোম্মা, লৈহাইনা, লৈহোৎনা, লৈহোন্না, অকাওনা লৈনিক্কা, লৈনেৎনা, লৈফননা, নোংফন্না, অতাননা তাইপং মালেম্বু লৈশেম্মী, হাযদুনা পাওতাক পাওতমজবগা লোইননা খোঙজোং শাথেক শাথিন কযামকম্বু তিল্লিবা লাইযাম খিবিক্কী মাংদা অসিবা লাইনিংথৌনা চোংদুনা মপুদা পাওদমজখি। মচাগী লৈশেমলোনগী থৌদোক পবমলোন কযামকম্বু উবদা

মপুনা পাইমা পুক্লিংবু হরাও নুংঙাইবগী পানখে নাইদনা পেল্লম্মী । মচা ইবুংঙো অসিবনা চোংলিবা খোংজোং শাথেক শাথিন কয়ামকম্নু হযেং ভুংদা তাইপংনা তাইপং গী থৌদোক পবমলোন কযামকমদা য়াম্না মক হক্লা শিজিন্নবা লাইনিং, লিচংকী ওইবা কাংলোল, পবমলোনগী মপুং ওইবা হৌবকফমগী খুদম ওইনা খংননবা থেংকৌলোন ৯ অমদি মপুং ওইবা থেংকৌলোন ১২ কৌনা খংনহৌবাসনু হায়না মপুনা কোলোইরিখি।

লাইনিংথৌ অসিবনা চোংদুনা পুথোকখিবা থেংকৌলোন ৯ অমদি ১২গী মিংখৈলোনশিং

১। অতান থেন

২। লৈনেৎ থেংকৌ, চাক্লৌথেন

৩। মীপোক থেংকৌ

৪। অকৌ থেংকৌ

৫। লালনিংকাং থৌংকৌ (১) ওগী নাওয়োম (২) বোগী নাওয়োম

৬। লৈচাক থেংকৌ

৭। লৈনেৎ থেংকৌ

৮। লৈতান থেংকৌ (১)

৯। লৈতান থেংকৌ (২)

থেংকৌলোন ৯ গী মতেং পাংননবা থেংকৌলোন ৩ গী মিংখৈলোনশিং

১০। মপুং ওইবা মেন থেংকৌ

১১। অখম, লৈখম থেংকৌ

১২। চেঙ্গোল (চেংকোন) থেংকৌ

থেংকৌ ইশৈগা লোইননা খৌশালোন ৯ না মালেমদা শাফোং তম্লকপা ঃ

লাইনিংথৌ অসিবনা লৈশেমলোনগী খোংজোং শাথেক কয়ামকম্নু চোংদুনা থেংকৌলোন ৯ অমদি মতেং পংন্নবা অহুমগা পুন্না থেংকৌলোন ১২ মকপু পুথোক্লবদা থেংকৌলোল ১২ অসিদগী হেক থংননা তাংথরকপা খোংজোং খোংহাই, শাথেক, শাথিন কয়ামরুম্নুনা অমুক মপুং ওইবা খৌশালোন ৯ কৌবশনু হাযনা মপুনা কোলোইনবিখি ।

অশুম্মা অসিবা লাইনিংথৌনা মপুং ওইবা থেংকৌলোন ৯ অমদি খৌশালোন ৯ মকপু পুথোক্লবা তুংদা থেংকৌলোন ৯ দগী মচেৎ মচেৎ ওইনা খাইদোক্লুনা থেংকৌলোন ১০৮ মকপুসু অসিবা লাইনিংথৌনা পুথোকখি ।

মসিগী তুংদা লমমিৎলোনগী ওইবা পফল ৩৬৬ মকপু অসিবনা থেংকৌ শানা পুথোকখি ।

লাইনিংথৌ অসিবনা মাংদা থেংকৌলোন অমদি খৌশালোনবু পুথোক্লুনা চোংঙৈদা অসিবনা লাইয়ামগা লোইননা মালেম লৈশেমঙৈদা লাইবোননা শৈহেক শৈথানখিবশিংবু (থেংকৌ ঈশৈ) নিংশিংনা মপুগী ফনদোংদা থৌগন ফংনখি। অদু নোংদগী হৌদুনা মপুনা থেংকৌ ঈশৈ কৌখি । থেংকৌ ঈশৈনা লাইবৈপাক্কী লমদম অসিদা ইহান হান্না ঈশৈগী শৈশক তম্না হৌখি । হায়বগী ফাংলম ফাংথিবশিংনা অচেৎপা ব্রাখনগা লোইননা থাজবা থমই । মরম অসিনা লাইলোনগী ওইবা থেংকৌ ঈশৈনা ইশৈগী তৌবকফমগী মপুং ওইবা যুন্মফমান হায়বসি লেংবা যাদ্রবা খুদম অমা ওইনা লৌনৈ ।

লাইনিংথৌ অসিবনা থেংকৌলোনদগী হেক তাংথারকপা খোংজোং শাথেক্লা ওইবর্কখিবা মপুং ওইবা থৌনিলোনগী ওইবা খৌশালোন ৯ অমদি অমাইলোনগী ওইবদা মপুং ওইনা খংনবা খৌশালোনগী লিলকম অনিগী মিংখৈলোনশিং ঃ

মপুং ওইবা খৌশালোন ৯

(১) মরাম নুংশেংপা

(২) মরাম মচা লুম্রাব (মরাম নুংজোম্বা)

(৩) কবুই খৌশা

(৪) মরাম অচৌবা খৌশা

(৫) অথৌ চুংফাং

(৬) অথৌ খৌশা

(৭) থেন খৌশা

(৮) তাংখুল খৌশা

(৯) অথৌ খুনচাও লৈচাওবা খৌশা

মরুওইনা অমাইলোনগী পরমদা ওইনা শিজিন্নবা খৌশারোন

(১) খুনতাক লৈতাক খৌশা

(২) পনিং পামং খৌশা

থেংকৌদগী জগোইনা পানথোক্লা শাংথোক্লকপা

লাইনিংথৌ অসিবনা তাইপং মালেম্বু লৈশেম্বা লোইবদুনা মপুগী ফম্দোংদা লাক্কুনা লাইযাম খিবিক্লা লোইননা হৈকং লৈকং তমদুনা মপুদা পাওতাক পাওতমজখি । লাইযাম খিবিক্লা তেংপাম্বা মপুগী মফমদা হৈকং লৈকং তমজদুনা থৌনিজখিববু লাইপৌলা থাবা কৌখি । অসিগী তুংদা লাইযাম খিবিক্লা লৈশেমঙৈদা মনা মানা থেংনবকপা থবক থৌবম খিবিক্লা পবমলোনশিংবু পাওতাক পাওতম্মদুনা হবাও নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা থৌবম কুমহৈ পাংথোকনখি ।

লাই মযাম্না হবাও মথোই কনাদুনা থৌদোক কুমহৈ শাগাখিবগী লাই হবাওবা কৌখি । অশুম্না লাই মযাম্না হবাও নুংঙাইবা ফাংদোক্লদুনা লাইনিংথৌ অসিবনা লৈশেমলোনগী পাদম লৌদুনা [illegible] শাথেক শাখনা কযামকুমদগী লৈশেম থেংকৌলোনা ঈশৈলোন অমা থেংকৌ ঈশৈশিং কযামকুম পুথোক্লবদা অতোপ অতোপ্পা লাইযাম খিবিক্লা মানা মানা থেংনবকপা থৌবম কযামকুম্বসু পুথোক্লদুনা উৎঙমখি ।

লাই মযাম্না থৌদোক কুম্মৈ শান্নবদা মাইকৈ ঙাকপা লাইপুংথৌ ৯মক্কী চুকশিংবু শেমদুনা মালেমগী পুবা কযাৎ ৯ গী পাফনবু শথোকখি । অদু নুংদগী লাইযাম্না চুকশিংবু কোইদুনা তাইপংগী লৈশেমলোনবু থৌদোক কুমহৈ ওইনা পাওশানবা হৌখি ।

লাই ময়াম্না মানা মানা থেংনবকপা থৌদোক পবমলোনশিংবু পুথোক্লদুনা পাওতাক পাওতমন্দুনা চুক ৯ মকপু কোইনা পৌশান্নঙৈদা, তেংপম্বাগী মচা ইবেম্মা নোংথাং লৈমনা নহাননোংগী লৈশেমঙৈগী মতমদা পাখংবনা লৈথিনগাই ওইঙৈদা পাখংববু থেম্ননবা পুথোক্লুনা নোংথাং লৈমনা মপনথৌনা লাথাবিদগী পুথোক্লুনা থাংগী ওইবা থেংকৌলোনশিং চোংখিবশিংবু পাদম লৌদুনা শানখিবা (চোংখিবা) খিবিকপু নৌহৌন্না নিংশিংদুনা লাই

পাদম লৌদুনা শানখিবা (চোংখিবা) খিবিকপু নৌহৌন্না নিংশিংদুনা লাই হবাওবদা পাওতমন্দুনা পাওশানখি। অদু নোংদা ইরাংথেন পুংমিন্নবনা পুং শাদুনা থিনখি। অদুগা পোইবৈ মোইবেমজাম্বা রাঙম থৌপুবনা পেন্নাগী চৈজিং শেমদুনা (শাদুনা) শৈশক তম্বা হৌখি।

অদু নোংদগী মপুনা মচাগী কুমহৈবু য়েংবদা পেল্লদুনা থাং-তাগী লৈতেংগী ফজনবগী ওইবা থাংলোনশিংবু তাইপংনা লৈতেং থাং ওইনা শংনহৌবশনু হায়না কোলোইখি। অদু নোংদগী হৌদুনা থাংগী ওইবা লৈতেংশিংবু ইমা ইবেম্মা নোংথাংগী পাদম্লফম ওইনখি।

তেংপাম্বা মপুনা লাথাবি থেংকৌদগী মথং মথং পুথোক্লুনা চোংখিবা থাংগা থেংকৌলোন ৯ দগী লৌদুনা লাই মযাম্না হবাওবদা চুকশিংবু কোইবদা খুংলান, খুংথেক, শাথেক্কী অর্মাদি খোঙলোনগী ওইবা পবমলোন কয়ামকম্বু পুথোক্লুনা লাই নুপাশংগী লুচিংবি মচা ইবেম্মা নোংথাং লৈমা অর্মাদি লাইনিংথৌ অসিবদা পাওশন্দুনা শান্নহনখি। অদু নোংদগী চুকশিংবু কোইদুনা শানাখিবদা শাখিবা খুংথোক, শাথেক, খোঙজোংশিংবু চুককোই কৌখি। চুককোইদগী মতমগী ইচেননা তাওথবক্লুনা ঙমবোমদা অরাংবা রাখনবু পদম্লদুনা পুশিল্লবা রাফমনা মালেমাশবু শেম্লকপদা মথং মথং মতমগী লৈবোনশিংবু নীংশিংবা থোকত্রবা মতমগী রাবু শংতল্লি। মদুদি মতমবু "চক" কৌই। "চক" কয়া কয়া চৌখিবগা লোইননা তাইপংপান শেম্লকই। তাইপংপাননা লেপপা লৈতনা অসুম মথং মথং ওইবকখিববু কোইনা চৎপগী মতৌনি হায়দুনা চকপু মতমনা কোইবকই হায়বগী "চক-কোয" কৌবকই। "মৈনা রায়না চংনা শমনা নোযএ" হায়বসি লেপ্পা লৈত্রবা মালেমগী খোঙচৎতা মীওইবগী পুন্সিগা লোয়ননা মৈনা বায়দুনা শম্মা শম্মানা চাকপগুম্না চাক্লি। অমগী মথংদা অমা লেপ্তুনা শুসি মালেমসি ওইবাক্লি হায়ববু ফোংদোকই। মবম অসিনা মতমগী ইচেনগী তুংইন্না চুককোইদগী চককোই ওইনা থংথাবক্লুনা চককোইদগী জগোই কৌনা খংনখি।

অসুম্না লাইবৈপাক্কী লমদম অসিদা ইমা ইবেম্মা নোংথাংনা জগোইগী হৌবকফমগী পাদম্নফমবু ওইখি । অদুগা নুপাগী ওইবা পাদম্নফমনা অসিবা লাইনিংথৌনা ওইখি ।

তেংপাম্বা মপুনা পুথোক্লুনা চোংখিবা থেংকৌশিংগী মনুংদা লৈনেৎ থেংকৌ, অতান থেংকৌ, অখোম থেংকৌ অহুমদগী মপুং ওইবা জগোইগী খুৎলোন, খুৎথেক, শাথেক অমদি খোঙলোন কযামকম্বু নোংথাং লৈমনা পুথোক্লুনা মপুং ওইবা জগোইগী হৌবকফমগী পাদম্নফম ওইনখি ।

থেংকৌলোন অহুমদগী মকওইনা ইমা ইবেম্মা নোংথাংলৈমনা পুথোকখিবা জগোইগী খুৎথেকশিংগী মিংখৈলোনশিংঃ

(১) খুৎচেং লৈবি	(২) লাইচিং
(৩) চুমশা জগোই	(৪) চুমশা মাঙদা কাবি
(৫) চম্প্রা ওর্কাপ	(৬) চম্প্রা খাইবি
(৭) লৈনেং জগোই	(৮) চুমশা অনোইবী আসনাচংবা

জগোইশিং আসনা মকওইবনি । আসগী তুংদা লেমচৌবনা থেংকৌলোনশিং অতৈদগী অতোপ অতোপ্পা জগোইগী খুৎলোন, খোংলোন কযামকম্বুসু নোংথাং লৈমা ইমানা পদম্নফম ওইনখি । থক্কী ইপা ইপাশিংনা জগোইবু নোইবা হায়নসু কৌনে। থেক্লা নৌনা ইংনা তপনা শাবা জগোইদু অনোইলোন জগোই কৌই ।

লাই হরাউবা থৌরম

নীংশিংবা থোক্লবা মতম চহি চা লিশিং কয়াগী মমাংগী রাবু অসুম্না নহাননোং হযি-চক, হযা-চক, খুনুং চক, লাংবা-চক্কী মমাং তেংপাম্বা মপুনা লৈথক লৈখাগী লৈবোন নোংলোন পবম শুনা শেম্বা লোইবক্লবদা মলেমদা থরাই পাম্বা কযাগী হৌবকফম ওইবকখি । থরাই পাম্বা পুম্নমক্কগী অথোইবা মী ওইবা অসিমক তেংপাম্বা মপুদগী মিতমলগা শেমখি হাযবগীদমক্তা মীওইবা কৌখি । অসুম্না লৈশেমলোন পুযাদা ইবি । মৈতৈ অমসুং মীতৈদি মচিন মনাওনি, মীনা হকচাংনি, মৈনা থরাইনি । লমদম অসিগী মীওইবশিংদি থরাইবু লাইনি খন্না নিংজবা ফুকপনি।

মীওইবনা লৌশিং লৈবকপা মতমদগী হৌনা মশাগী হৌবকফম থিদুনা তুংগী ইশিনবীবম্বা অদুনা ঙসি ফাওবা তুংগী মীবোনাশিংনা লৌশিং ওইহনবিবক্নী। লমদম অসিগী পাবী পুবীশিংগীসু অদুগুম্না মতিক মঙাল চপ চাববা মতম অমা লৈবম্বগী খুদম ঙসিগী মালেমসিদা অৱাংবা থাক্কী ৱাখনলোন শিন্থাশিংবু পবম অমৎতা হোংহন্দ্রাবা ইনাৎকী শক্তম অমা মপুং ফানা লেমজনিংঙাইমক ওইববা লাই হবাওবা অসি ঙসি ইবমদম অসিগী মফম পুম্নমক্তা শন্দোক্লি, খংনবি অমদি পাংথোক্লি। শিংথাজবিবা ফুকপ অসিগী লাই হবাওবগী নুংগী মপুং ওইবা ৱাখললোনদি থৱাই পাম্বাগা তেংপাম্বা মপু লাইগা অনিগী মবক্তা তাইশিন্নবিবা মবী অমদি মী ওইবশিংনা মালেমদা থাগদবা শিন্থা, মালেমগী মহৌশাগা মতিক মঙমবু কাযহন্দনা মথং মথং চাদা নাওদবকপাশিনি। তাইপং মপু লাইনা মীওইববু শেম্বীবকখিবগী তৌবিমন খঙবা উৎচবা ওইনা লাইনিং লাইশোনগা লোইননা লাই নিংজবি। লমদম অসিগী মীওইবা পুম্নমক্না মশাগী লাইনিং লীচৎতা ইনাৎকী শকলোন যোকখৎতুনা থম্লকই হায়বা যাই। অদুবু নিংশিংবা থোক্তবা মতম চহি লীশিং কয়াগী মমাংদগী ৱাবু অসুম্না নহাননোং ওযি চক, হযা-চক, খুনুং-চক, লংবা-চক্কী মমাং তেংপাম্বা মপুনা লৈথক লৈখাগী লৈবোন নোংলোনগী পবম শুনা শেম্বা লোইবক্লবদা মালেমদা থৱাই পাম্বা কযাগী হৌবকফম ওইবকাখ। থৱাই পাম্বা পুম্নমক্তগী অথোইবা মীওইবা অসিমক তেংপাম্বা মপুদগা মিতমলগা শেমখি হায়বগীদমক্তা মীওইবা কৌখি।

লাই হবাউবা হাযবসি লমদম অসিগী ঙল্লিঙৈ মতমদগী যাম্না মকওইবা চৎনবী অমা ওইনা ইনাৎকা লীপুন্না পুল্লবা অৱাংবা থাক্কী হবাউ-কুম্মৈনা থল্লবা লাইনিং লাইশোন অমনি। উমং লাইবু ঐখোযনা অসুক্কী মতিক কিনা লুনা নিংনবিবসিগী মবমদি ইপা ইপুশিংনা যাম্না লোৎনা থুপনা থম্বীবম্বা ৱাফম অমদি "থৱায" মাবু থিঙৈদা থৱাইগী লীকলম লিখুন ওইনা লাইফম ৩৬৬ খকপু উমং লাই ওইনা নিংনবি। মবম অসিনা থবাইবু মশক খংবা ওইবকই। মীওইবগী থবাইবু মপুং ফানা মশক খংলবা তাইপং মীওইপোকশিংবু ঐ মশক খংলবা হাযবদি ইশানা ইশাবু মশক খংলবা অথোইবা মীওইপোকনি হাযবা খংনৈ। মালেমদা থৱাইবু মশক খংনা লাইনি খংনা নিংলিবা লৈহৌমী ইফুকপচাশিং পুম্নামকপু মৈতৈ কৌনা খংনৈ। তেংপাম্বা অসিদা হান্না শেম্বা কোন্না লোইবা লাইবৈপাক্কী লমদমনি হাযনা খংনবিবা পোইবৈ লমদম কংলৈপাক অসিদগী হৌখ্রগা অতোপ অতোপ্পা মালেমগী মফমশিংদা নৌনা খুত্তা লৈতাদুনা খুনথোক পবমলোনশিং শেম্নদুনা পুন্সিগী অবেপ্পা খুদা অমমম শেমন্দুনা লৈনখ্রবা তোঙান তোঙাম্বা ইফুকপচাশিংবু মীতৈ কৌনা খংনৈ।

মবম অসিনা মীতৈবু হকচাংগী ওইবা শরুকপুনি পাদমনৈ । পুম্নমকশিং অসিনা মীতৈ হাযবসি তেংপাম্বা য়ুনিভবস অপুন্বব নত্রগা তাইপং মীওইবশিংগী ওইবা হকচাংগী অপুন্বা শক্তম্ব ওইনা লৌই ।

মৈতৈশিংনা ঐ মশক খংলবা থব্রাইবু লাইনি খংনা নিংবা ইফুরুপচাশিংবু তেংপাম্বা অমদি মীওই পোকশিংগী নুংদা চোঁল্লবা থব্রাই ওইবা কযাগী মশকপু খংনবিবা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অসিনচিংবা কযাগী শকলোন ওইবিবা থব্রাইগী ওইবা শক্তম্ব পাদম্নদুনা লৌই । মবম অসিনা থব্রাই অমদি হকচাং হাযবাস মতম পুম্নমক্তা ইলোইতা লোইন্দুনা লৈবা থাদোক্লবা শুকযাম্নব মাদ্রবা তেংপাম্ব মপুগী অবেপ্পা যুম্ফম অমনি হাযবা খংনৈ ।

মীওইবনা লৌশিং লৈবকপা মতমদগী হৌনা মশাগী হৌনকফম থাদুনা তুংগী ইশিনবিবম্বা অদুনা ঙসি ফাওবা তংগী মাবোনাশংনা লৌশিং তাইপং মপুগী শাইওন লকলমনি, শিংলা, নাউবি, ল তোং কযানা মশা মবেং ফন্ন হকচাং কযাৎনুংদা লৌবি, মদুগী মনুংদা থবাইনা কংদোংফম ওইদনা অচং অহিংগী তাইপং পুন্সি ওইবি। থব্রাই মাবু তেংপাম্বা অসিদা খঙবা উপ মদনা নুমিৎ থা, থব্রাইমিচাক্কী মঙান উঙমদ্রবা অচিক অশানা চঙদ্রবা চীংনুং লোকনুংদগী হেন্না শুকপা মফমদা থব্রাইগী কাযদোংফম ওই হাযনা চিংশিন্দুনা ইবাৎচবনি । তেংপাম্বা মপুনা তাইপংপান ওইনা পাম্বা যানবা চাহ চা কযা চঙনা তাইপংদা শাইওন্দুনা লাইযাম কযা শাথোকহনাখবনা খুদমাদ উমং লাইশিং খুন্দাবকখিবসিনি । লাইশক লাইমিং খেন্নবগী মতুং ইন্না তৌগদৌবা মথৌ মঙম কংপা যাবা য়াদবানচিংবা পোৎলমাশং লৈ ।

অসুম্না লাই হবাউবা হাযবা শকলোন অমা ঙসিসু খুননাই আসগী লাই ওইব্রবা ইপা ইপুশিংনা থম্বীবম্বা অসিমক ইনাৎপু যাম্না নুংশিজনা লুম্না লৌজবা লাইবৈপাক্কী লমদমনি হাযবসি তাকই । লোইননা ঙসি ফাওবদা লৈপক্কী মাইচৌ অমদি ফাৎলম ফাৎথিবা অখং- অহৈশিং কযামকম্না অসিগুম্লবা ইনাৎ অসিবু অমাং অতা থোক্তনবা কুপ্পা শেন্নবীদুনা লৈবম্মী । মসিমক্কা লমদম অসিবু লাইগী মতিক চেল্লবা ইপা ইপুশিং অমদি খং- হৈববা মাইচৌশিং, ফৎলম ফাৎথিবা ব্রাংউবা কযানা খুন্তা লৈতবমবা পোইবৈ লমদমনি হাযনা শিংথানদুনা লাইগী লৈপাকনি লৌনৈ ।

পোইবৈ লমদম কংলৈপাক অসিবু লাইবৈপাকনি থাজনবগা লোইননা ইনাৎকী ওইবা লাই হবাউবগী থৌবম পুম্বা লাইয়াম্না খুন্তাবকপা অহানবা উৎতুনা পাংথোকই। লাইনা লাই হবাউবা মতমবু নিংশিংবা থোক্রবা মতমগী

য়াবু খংহন্দুনা হযি-চক, হযা-চক, লাংবা-চক্কী মতম অদুৱাইদগী হৌদুনা লাই হবাউবগী চৎনা লিকলমশিংবু চৎনবা হৌবকখি । মবম অসিনা লমদম অসিগী ৱাংউবা কযানা খুদম কযাগা লোইননা অবিবা পুযা কোবপাক কয়াদা ইদুনা তুংগী মিবোনশিংগীদমক থম্বীবম্মী ।

মথংদা নোংপোক নিংথৌ পাখংবা অনিনা নোংমাইজিং চীংদোন্দা লাইযাম য়াউনা হবাউবম্বগী খুদম ফংলদুনা খাবা সলাইগী মৌ ওইবম্বী পাখংবাবু লাইনি খংলক্লুনা খাবা সলাইনা পাখংবা ইবাংখিবদগী হবাউবা হৌখি । অসুম্না তাইপাং মীওইবনা লাই হবাউবা অসি লেপ্তুনা চৎথবকই । মতমদুগী হবাউবা থৌবমসু যামলমদে, মথং মথং নিংথৌবোন কযাগী মাগী মাগী মতমদা ফজা ফজববা য়াখনলোন্দা পুথোক্লদুনা মৈহৌবোন, লৈশমলোন, মীশেমলোন, লাইনিং ক্যাংলোন, ইনাৎকী থৌবম কযামকম্মু লৌখৎতুনা নিংথিজবশিংবু লৌখৎতুনা থৌ পাংনবম্মী । অনৌবা হাপচিল্লকপা লৈতেংদা খুৎলোইবা ফজহন্দুনা চৎনহনবা মদুনা চৎনবী ওইহনবা হাযবসি মতমগী ইচেনদা লোইনবকই ।



লাইহবাওবা

লাই হবাউবা লমদম অসিগী মীৎযেংফমনি । লমদম অসিগী নুপা নুপী পুম্নমক্কা চৎনবী ফিজেৎ লৈতেং অমাইবাশংনা শোনবা লৈশেম নোংশেমগা মবী লৈননা, লাইশোন তিনশোনশিং, অশৈবশিংগী শৈবেং, পেন্নাগী মথং মথং চীংখাং যৈনা পুথবকলিবা শৈশক শৈথা সুব শৈবেংশিং লোইননা অবিবা লোনগী নিংথিজবশিং তাবা উবা ফংহল্লি । পুকচেন তিংনা পাঙ্গন থোক্লা শান্নবা মুক্না, মুক্না কংজৈ, লমজেননচিংবা মশান্নশিং ইনাৎকী "লাই" হবাউবা হাযবসিদা শগোন্নবকলি। অমাইবা অমাইবীশিংনা নুং-পান অনি ফাওবগা

লাইগী ওইবা থৌইনশিংবু মীওইবগীদমক পুক্লিং ৱাখন অমদি লৌশিং পিদুনা তাইপং পুন্সিগী অৱা- অনাগী খুদি তুবৈ ঈবৈ পীরগদবা কয়াদগী ঙাকথোকচহৌবা ঙমহল্লি ।

লাইরৈপাক্কী লমদমদা ইনাৎপু মপুং ফানা য়োকখৎপা থৌবমগী শরুক অমা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা লাই হরাউবগী অহৌবদগী অরোইবা ফাওবদা উৎলি । মদুদি ৱায়েন থৌদা থৌশিন, থৌগললোন, লমচৎ- শাজৎ, লোনচং, লিচৎ, কেবা, মৌবা অমদি অকন অথৌগী মওং পুন্নমক শুনা মাংলমচৎকী নীংথিজখ্রবা ইনাৎকী শকলোনশিংনি হায়না খংনৈ ।

ঐখোয় পুন্নমক্না খংমিন্নগদবদি উমং লাই হায়বসি কবিনো, কবিগী লাই হরাওগদৌরিবনো ? শন্না হায়রবদা "হকচাংনা উমংনি থৱাইনা লাইনি " হকচাংগা থৱায়গা পুল্লগা তাইপংগী পোকপা, হিংবা, শিবা, শিবগা থৱাইনা চৎফম, থৱাইনা অমুক হন্নকপা ফাওবা তাকই । অমবোমদা খুন্নাই অসিগী মশক তাকই। লাই হরাউবদা থন্বীরমলিবা জগোয খুথেকশিং ৱাহৈ বাতা, লাইরোনশিং অসি অসুক্কী মতিক মরুওইবা মশক ঙাক্লেনি । মসিনা তাক্লি অদুদি লাই হরাওবা অমদা লাইনিংথৌ লাইরেন্বী অনি অসি পুল্লগা লাই হবাউই । লাই হরাউবগী পান্দমদি খুঞ্জাওবা লৈচাউবা, চাহোংবা, ঙাহোংবা, নুংঙাই য়াইফবা, পুন্সি নুংশাংনা পানবা অসিনি। খুন্নাই অসিগী হৌরকফম, পুন্সি মহিং, চৎনবী, য়ুম্বালোনশিং নিংথিনা তাক্লি । তাইপংগী থৱাই পাম্বা অমা শেম্বদা পা অমদি পীগী মশক চংই । মরম অসি লৈবনা লাই হবাওবদা নুং অমা পান অমা অসুন্না অনি থোক্লা য়েংগনি (লৈগনি) ।

মখোন অমসুং পেন্না

লমদম অসিগী লৈশেমলোনগী ওইবা লিক্লমগী ওইবা পরম কয়ামকমদা য়াম্না মরুওইবা অমা ওইনা লৈরিবা মখোন অসিনা মরম ওইদুনা থৱাইবু য়েন্নীং হুনবদা মখোননা (খোনজেন) অসিনা ইহান হান্না তেংপাম্বা শেমলকপদা খোম্থাং অসিনা হান্না থৱাইবু শেম্বা অমসুং মীকপ থোকহন্বা মদুগী পরম্বু মৈতৈ ফাথিবশিংনা পেন্না হায়রিবা খোংনবগী পোৎচং অসি শিজিন্নরম্মী । মরম অদুনা মৈতৈশিংনা লাইগী থৌরম তৌবদা ইহান হান্না পেন্নাগী খোম্থোক পেন্নাগী খোঞ্জেন কয়ানা লাইশিংবু হৌদোক্লে । থৱাইবু মখোন অসিনা য়েন্নীং হুলহন্নী অমসুং পুক্লিংগী ৱাখন পুন্নমক নুংশি নুংওনগী

যুম্ফম কয়াগী মর্মি তাহল্লি । পেন্নাগী মপুক ওইবিবা পেন্নাগী চফু অদু মালেম লৈকোই পুংগী শক্তম লৌদুনা মালেম ইমাগী যুম্ফমনি খংহল্লি ।



খান্তা লমজাও ইবেম্মী

পেন্নাগা চৈজিংনা অহাংবদা উবিবা অতিযাগী অকোনবা শক্তম অদুগী পাদম লৌদুনা পেন্নাগী চৈজিং শেম্মী অমসুং অতিযাগী শক্তম তাকই । অতিযাদা লৈবিবা মশিং থিঙমদবা থা, থবাই মিচাক নোংথৌ ভুবেননচিংবা পুম্নমক অসি নুমিদাং যেংবদা অকোনবা অমশুম্না উই । মদুগী পদম লৌদুনা পেন্না চৈজিংদা অকোম্বা অমা ওইনা শেমদুনা অচি ফিথুপ লৌবগা মশিং থিঙমদবা শবিক কয়া অদুনা থবাই মিচাকশিংগী শক্তম লৌদুনা পেন্নাগী চৈজিংনা কোকৌ ইপা ওইবগা পেন্না পুংলেন্না মালেম ইমাগী শক্তম লৌদুনা কোকৌ মালেম অনি তিন্নবগা মদুদা থোক্লকইবা খোন্থাংনা থবাই লিক্লম কযা শেমাখবগী লিক্লম চাওনা উৎলি । মবম অদুনা ইহান হান্না লৈবম্মীবা খোনজেনগী মথৌ অসি থাদোকপা থান্নবা যাদে হাযবা পবম কযা পেন্নাগী নুং + লোন – নুংলোনগী ইচেনদা তেংপাম্বা হৌবকপগী পাবম কযা উৎলি । পালেম পম্বৌ অনিগী যাথং মখা পোন্না পুন্সি হিংবগী লাইনিং খুদা শেম্মী । মবম অদুনা ফাংথিবশিংনা মিৎনা উবা লাইদি ইমা ইপানি হাযবদি পালেম পম্বৌনি হাযবি ।

লৈশেমলোনগী মনুংদা পেন্নানা শফোংলকপা

লাইযাম খিবিক্লা লৈশেমঙৈগী মতমদা থেংনবকপা খিবিকপু পুথোক্লদুনা মপুদা পাওতাক পাওতমজববদা পোইবৈ মোইবেমজম্বা য়াঙম থৌপুবনা লম কোইনা চংলকপদা থেংনবকপা থৌবমশিংবু মপুদা পুথোকচদুনা কংঙমখি ।

পোইবৈ মোইরেমজম্বা ব্রাঙম থৌপুবনা মালেম লৈশেমঙৈদা তুম্বা মঙক যাওদবা অমা পাল্লম্বাদগী থেংনদুনা পুবকলম্মী । মসিগী তুংদা শনম্বা অশিবা অকংবা অমা থেংনবে । মখা লাকপদা খৈবোই অশিবা মতু য়াওবা অমগা থেংনবে । মথং মথং অসুম লাকপদা শমদোন অয়াংবা মশা পাম্বা কোইনা পাইবা ঙম্বা শগোননা পাইদুনা লাকপদা শম্বনদা মতু খবা পকহৌখি । অদুবু পুদুনা অসুম কোইনা লাকপদা নোং শবিক হাযবা পামেলবু মহৈ নিংথিনা মপুং ফানা পাম্বা উহৈ অসিবু হেক থেংনবদা মনুংদা লৈবা মকুগা মহৈগী মকুগা থেংন্দুনা শ্রীং শ্রীং লাওবা ইব্রাইখোন অমা থোক্লম্মী । (অদু নোংগীবু নোংশবিক কৌই) ব্রাঙম থৌপুবনা থেংনবগা পুবকপা পোৎলম চৈবম খিবিক্লা পুর্নশিল্লগা তক্লবদা মদুদগী ইব্রাই ইনিনখোন অমা থোক্লকই । অসিগুম্লবা পোৎশক (খুৎলাই) অসিবু মপুদা কৎলগা লাই মযামগী মখুৎশু ওইঙমখি ।

লাই মযাম্মা হবাও মথোই কাদুনা থৌবম কুম্মৈ শানাবকপদা ব্রাঙম থৌপুবনা পোৎশক অসিবু লেন্দুনা খোংদুনা লাই মযামগী মফমদা থৌগন ফংঙমখি । অদু নোংদা লাই মযাম্মা পুক্লংবু হুনা নুংঙাই যাইবা মথুম হৌনা পুকনিংব অনৌবা যেনানিং হুন্না নুংঙাইনা পেন্না তাংখি । অদু নোংদগা মপনা পোৎশক অসিবু পেন্না কোলোই তমখি । পেন্না তাবা হাযবা ব্রাহ্ম অসি মতম অদুদগী লাই মযাম্মা খংনদুনা চৎনবা হৌনাখি । অসিগুম্লবা পেন্না অসিনা লাই মযামগী থৌবম কুম্মৈ শানাবদা লাই ইকৌখৎপা অমদি লাই হবাওবগী মপুং ওইবা ইব্রাই ইনিনখোনগী ওইবা যাম্মা মকওইবা খুৎলাই অমা ওইনা লাইবৈপ্লাক্কী পোইবৈ লমদম কংলৈপাক অসিদা শিজিন্নবা হৌখি ।

মবম অসিনা পেন্নলা লাই ইকৌবা লাই যাকাইবদা অমদি লাইশোন তিনশোনগী ওইবা থবক থৌবম খিবিক্তা চংদ্রবা যাদ্রবা খুৎলাই অমা ওইনা শিজিন্নখি । ঙসি ঙসিমকসু তাইপং মীওইবনা লৈশেমলোনগী লিক্লম লিচৎ কাযহনদনা লৈশেমঙৈগী পদম লৌদুনা পেন্নাবু ঙাক শেন্দুনা থম্লবি অমদি যোকখৎনবি ।

পোইবৈ মোইবেমজম্বনা ইব্রাই ইনিনখোনগী ওইবা মখুৎশুবু মপুদা কৎলবদা মোইবেমজম্বা মদাইবেম্মা পুবকপা মতুম তাবা তুম্বাদা শগোনগী শামৈনা লৈপুল্লগা শেম্বা তুম্বা যাংপিবু মালেম লৈকোইপুংগী পদম লৌদুনা শেমহনখি । অদু নোংদগী মালেম ইমাগী শক্তমবু খংন্নবা পেন্নাগী তুম্বা য়াংপি কৌনা কোলোই মিংহুন তমখি ।

তুম্বা য়াংপগী শামৈদা তকনা লেন্না ওইঙমগদৌবা মশকপু তেংপাম্বা মপুগী পাদম লৌদুনা পোইবে মোইবেমজম্বা মদাইবেমদা লৈশেমহল্লে । অদু নুংগী চৈচিং কৌনা খংনখি । তেংপাম্বা মপুগী পাদম লৌদুনা পোইবে মোইবেমজম্বনা মকোক মমৈ নাইনা চৈদা শামৈনা মবী ওইওল্ল নোংশবিকপ লৈপুল্লগা মথক মখা চিংদুনা ক্লেন্দুনা শান্নবদা নোং শবিক্লা চিং চিং লাওবা ইরাই ইনিন অমব থাক্লকই হায়বগী চৈচিং শনিক (শবিক) কৌনা কোলোই মিংন তমখ ।

পেন্নাগী তুম্না য়াংপিনা পালেম ওইবা, চৈচিংনা পম্বৌগী মশকপু ওইবা অসিবু তেংপাম্বা মসিগা হৈবকফমগী মশকপু ওইবা পালেম পম্বৈমক্লি নিংনৈ পালেম ইমাগা পম্বৌ ইপাগা তক্লবগা ইরাই ইনিনখোন অমা চাকই (থোক্লকই অদদগী থোক্লকপা ইরাই ইনিনখোননা পেন্নাগী শৈহেক তম্বা হৌখি ।

অসিগুম্লবা পেন্নাগী শৈহেক শৈথা অসিবু মিতমলকপাদ লৈনুংলোন, খুনুংলোন. লৈনুংতিংগী মপ লৈনুংলোনবু লিবী মনুং নুংদবু বাঙম তেংথাজবে । লাব, লিবি, লাব লৈনুং তিংাব তিংনাইদবা মনুং লৈনুং নুংদগী মালেম অম্মমবদগী মনুং নুংদগী মনুংদা লৈনুং মনুং তাইপং নুংবু ফাওবকপদা হয়েংনোংগী তুংলমচংক্লী লৈবোন নুংলোন তাইনা অম্মম লৈশা হল্লকপগী অহাম্বগী থৌদোক পুম্মমকপু লৈনুংলোন শবৈ অশৈবগী পাদম্মদুনা পোইবে মোইবেমজম্বনা শৈহেক শৈথা তম্বা হৌঙমখি ।

ইমা ইপাগা পোকপা, হিংবা শিবগা নুং অমসুং পানগী ওইবা পবমলোনশিংবু থাং অমসুং তাগী ওইবা পবমলোনশিংনি লৌনৈ । থাংনা পালেম ইমাগী পবমলোনশিংবু খংনৈ । তানা পম্বৌ ইপাগী ওইবা পবমলোনশিংবু লৌনৈ । থাংগা তাগা অনিনা তাইপংবু ওইবনে । মবম অসিনা পেন্নাগী ওইবা মশক শক্তম অসিবু তেংপাম্বা মপু অমদি পালেম ইমা লৈমবেনগী পাদমবু লৌদুনা মীতমখিবা ওইঙমখিবনা পেন্নাবু থাং- তা অনিমক্কী অপুম্বা মিংখৈ ওইনা লৌনৈ ।

লৈশেমলোনগী মনুংদা পুংনা তাইপং ফাওরকপা

লাই নুপা নুপি খিবিক্লা তাইপং মালেম্বু লৈশেমঙৈদা ইব্রাংথেননা খা পাংনা খোংদবকখিবনা, পামেন উকক মবিন হোবা অমা তানফঙদুনা, মসিবু ঐবু কবি তৌঙমসিবনো ব্রাখন্না অসুম লাকপদা শানম্বা অচৌবা অমগা হংকোক অচৌবা অমগা কংদুনা লৈবম্বা অমুকসু থেংনবে ।

মশক অনিদুগী মউনবু লৌবগা মতু মমান ফোইদোক্লুনা শেন্নে। অহম্বা তানফংবা ৱাং উকক অহোবা অমগুম্বা অমগা শেমদুনা উকক অনিবু মউন অমমমনা মমাই উ মচা অমগী মবিনা মউন অদুগী মপান্দা হুতুনা য়েৎ থংবা মমাইলোমদা লৌশিল্লগা চিংবদা, অহোবা উমাই অনিদো কুপ্লিবা মউন অদু পোংখৎতুনা লৈরম্বদগী চাং মান্নানা তিংলে।

উকুবু অদুনুংদগী পোংতিং পোঙ্গন মিংহুল্লে। পোংতিং অদুগী মকুনা তিংনা লিফাদুনা লৈথল্লগা মখুৎনা যৈদুনা খৎতুনা শানাবদা মখোনবু যাম্না মেংনা নুংশিনা তোং, তাং, তেং, খোং, খাং, খোং হাযবা ইৱাই ইনিন অমবু তানফংলে।

ইৱাংথেন্না অনিমক মবেংবন্দা যানশিল্লগা যৈদুনা শানবদা কোইনা চীং, খোং কযাদা চৎতুনা শান্নাদুনা লৈঙমলক্লে। লাই মযাম্না লৈশেম্বা লোইদুনা মপুগী ফন্দোংদা লক্লগা হবাও মথোই কইঙদা মপুনা নংগী নংগী নখুৎশু উৎঙমলো হাযৈঙদা। অদু নোংদা ইবাংথেন্না শানম্বা অর্মদি হংকোক্লী মউনগা অনিনা শেম্বা পোংশকপু মপুদা কৎঙমলে। মপুনা ইৱাই ইনিনগী ওইবা ইনিনখোনগী মপুং ফাবা পোংশক অমা ওইঙম্নবা মদাইবেমদা পাওশিদুনা শেমতল্লে।



ফোতো: শোবাম কুল্লা

যেৎ থংবা নাকনবুনা হয়িগী মতিক মযাইবু লৌদুনা মক কৌনা মিংহুল্লে। ওই থংবা শককপুনা হযাগী মতিক মযাইবু লৌদুনা মনাও কৌনা মিংহুল্লে। যেৎ ওই খাইবে। পোংশক অসিগী অপুম্বা মশাবুনা পালেম পষ্ণৌ অনিনা যেৎ ওই নাইনা মক মনাও অনিগী মবক্তা পোংখৎতুনা লৈএ হাযবগী পুং কৌনা মিংহুন তমলে। অদু নোংদগী ইৱাংথেনবু মপু মনাই অনিনা পুংমিন্নাদুনা

মিংহুনখিবা পুংগী পাদম্মদুনা ইরাংথেন পুংমিন্নবা কৌনা কোলোই মীতমনখি। যেৎ ওই খাইনা লৈববু পলেম পম্বৌ অনিমক্কী লৌনৈয়ে। পলেম পম্বৌ অনিদি থাং- তাগী মশকপু ওইয়ে।

ইরাই ইনিনগী ওইবা পোৎশক অসিবু পুং কৌনা মিংহুন মিতম্লবদা লাই ময়াম্মা হবাওবদা ইরাংথেন পুংমিন্নবনা পুং অদুবু য়ৈদুনা থিন্দুনা লাই ময়ামগা লোইননা থৌবম কুম্মে শান্নদুনা লাই মযাম্মা হবাওবদা অচৌবা ইরাই ইনিনগী মশক অমা ওইঙমখি। অদু নোংদগী পুংবু লাই ময়াম্মা হবাওবদা য়াম্না মক ওইনা লৌনখি। লাইবৈপাক্কী পোইবৈ লমদম কংলৈপাক অসিদা ইহান হান্না পুংবু পুথোকখিবা লাইশক্তী ইরাংথেন পুংমিন্নবনা ওইঙমখিযে।

শানিক (শারিক্লা) তাইপাংদা পানথোক্লা মীতমলকপা

থেংপাম্বা মপুনা, লাইযাম পুম্নমক্কা মালেম্বু লৈশেম্বা লোইববদা মাগী মাগী মখুৎশুবু পনথোক্লা শথোক্লনা উৎঙমলো হাযনা লাইযামশিংদা য়াব্রা পাওশিববদা। মপুনা হি মশক যাই অসিদি লৈশিলেনগী স্না হকচাং মকুগী রাখন্ন লৈতমনা মযাইদা তখুবোক লৈশেম্বা শাবে। মতুংদা মকুগী স্না হকচাংনুংদবু লৈয়েংলগা স্না হকচাংগী মযাই শুমদোং লৈফমদা লৈদুনা লৈপান্দুনা শ্রীং শ্রীং কুং কুং হাযবা যাব্রা ইখোনবু শফোংলে। মসিবু মপুনা শানক লৈহুয়া (নোংলুম কুং) লৈখংনা (খংনা) লাইবকচনদা থমলসি ইদাইবেমশা হাযনা লাইযামদা যাব্রা মপাও থমবিখি।

লাইনাও তাবী লাইযেক যাব্রা শফোংবী নঙগী নখুৎফা ওইঙমলো হাযনা শানিকপু মপুনা লাইনাও তাবীদা খুৎশিন্নবিখি। অদু নোংদগী শানিকপু কুবি নোংদম্ন। লাইনাও তাবীনা মখুৎশু ওইঙমজবে। লাইনাও তাবী লাইযেক যাব্রা শাফোংবীনা লাই মযাম্না হবাওবগী থৌদোক কুম্মে শানাবদা মপুগী হী- যাইগী মশকপু ওইবা শানিকপু মখুৎশু ওইঙমখি। অদু নোংদগী শানিক্লা (শাবিক) ঙসি ফাওবদা লাই হবাওবদা অমদি লাইগী থৌবম থৌদা কযামকুম্মু পাংথোকপদা, লাই ইকৌখৎপগী অমদি লাইদা কবিগুম্বা পাওজেন পাওতাক পীন্নবগী মতমদা শানিক্লা হী যাইগী ওইবা ইরাই ইনিনগী অচৌবা থৌদাং যাঙমখি। শানিক্লা মপুগী মশাদা যাওবিবা নোংলুমগী পাদমবু মীতম্মদুনা মপুনা পুথোকখিবা লাই ইকৌখৎপগী অমদি লাইয়ামগী যাব্রা পাওজেন পাওতাক

পীনবগী ইরাই ইনিনগী ওইবা পোৎশক অসিবু লাইনিংথৌ স্নামহিবেনগী নোংলুম্বু পাদম্নদুনা শানিক (শাবিক) কৌনা মিংহুন মিতমনখি ।



ফোতো মিতাং

মতমগী মতুং ইন্না লোনথৈ ওইনা থংথবক্তুনা শানিকতগী শাবিক লাকখি । লাইবৈপাক্কী লমদম অসিদা লাইপুংথৌ ৯গীবু পাদম্নদুনা উমং লাই ৯গী খুদা যারগা খুন খুদিং লৈকাই খুদিংগী লাই হবাওবদা লাইযেক যাবা শাফোংবি অমাইবিশিংনা মখুশু ওইনা শিজিন্নদুনা ঙসি ঙসিমক লাইগী থৌবম থৌদা কয়ামকমদা কাইদনা চংনবক্লি ।


অনোইলোন জগোইগী হৌরকফম

হান্না শেম্বা কোন্না লোইবা পোইবৈ লমদম কংলৈপাক অসিগী মাংলমচংকী লৈশেমলোন, মীশেমলোন, লৈঙাকলোন, লৈকনলোনগী থৌনি থৌবম খিবিকপু নম্মু তাইপং ওইবশিংনা ভুংলমচংতা কাওঙমদনা তাইপাংগী শিম্থা ওইঙম্নবা লাইনিংথৌ অসিবনা চোংখিবা থেংকৌলোনশিংগী মনুংদগী হকচাংবু থেক্লা হাইনা হুম্না কেনা মৌনা শাবিবা অকৌ থেংকৌগী শাথেকপু মচন ইবেম্মা নোংথাংনা পদম্নজদুনা অনোইলোন পুথোকখি ।

অনোইলোনবু খুন্নাই অসিগী থক্কী লাই মকশিংনা নোইবা হায়নসু খংনৈ । হৌজিক মতমগী মীওইশিংনা নোইববু জগোই কৌনা খংনৈ । জগোই হায়বা অসিদি লৈশেমলোনগী মনুংদা লাই ময়াম্না চুক ৯বু কোইনা শান্নখিববু চুককোই কৌখি । চুককোইদগী চককোই লাকখি । মমৈথংদা চককোইদগী জগোই ওল্লকখি। শারিবা জগোইগী মনুংদা হকচাংগী থোংনা, থেক্লা- নৌনা, কেনা

পবমলোনশিংগা তৎনা থানাবা শুকযামক যাদ্রবা, মীওইবগী পোকপা হিংবা, শিবগী মনুং চন্না লৈবিবা থাং তাগী পবমলোনশিং অমসুং পানগী ওইবা থাং - তাগী ওইবা কাংলোন অমদি জগোই ঈশৈনচিংবশিং অসিসু অমনি । অসিগুম্লবা যাম্না মকওইবা থাং - তা অমসুং জগোইগী খোঙলোন, খুৎলোন, খুৎচাই, শাথেক কযাগী খ্বাইদগী হৌবকফমগী মক লেনফুদি, খুন্নাই অসিগী মীয়াম্না ওসি ওসিমক যাম্না মকওইনা শিজিন্নবিবা খুৎচেং লৈবী কৌনা খংনবিবা অসিবুন । যেৎ ওইগী খুৎচেং অনিনা খুৎচেংগী হৎগী মপান্দা খুৎচেং নপ্না নৈনা খুৎ আনি খুৎশা মঙা মঙানা উপনা লোংনা খুৎতোন অনিনা ফাকনা লৈগনি, মসিবু খুৎচেং লৈবি কৌই । মহাক্কী থাং - তা অমসুং জগোইগী হৌবকফমগী মর্কনি ।

অখোম থেংকৌ



ফোতো অরাংবা মঙাং

খুৎচেং লৈবি



ফোতো মৈতৈলৈমা চনু

খুৎচেং লৈবি অসিগী হৌবকফমগী মক লেনফুদি নহান নোংদা ভেংপানবা মপুনা তাইপং মালেম্বু লৈশেমলগে নিংখন্নউদা মপুনা লাথাবি থেংকৌলোন অগুমদগী পুথোক্লুনা চোংখিবা পালেম ওইবী ইমা ৭কী মতিক মযাইগী ওইবা থেংকৌলোন ৭ অমদি পম্বৌ ইপাগী ওইবা মতিক মযাইগী মশকপু ওইনা খংনবিবা থাংগী ওইবা থেংকৌলোন ৯ অসিগী মনুংদা তাইপং মালেমগী হি যাইশিং অমদি তাইপং ওইবশিংগী থব্রাই মঙাবু মিকোন থাকোন্দুনা ফাজিন পুনশিন্দুনা পুম্নমকপু খোমজিল্লিবা অখোম কৌবা থেংকৌদগী পাদমন্দুনা লাইনিংথৌ অশিবনা থাংগী- তাগী ওইবা মহৈগী কাংলোনশিংবু চুংলমচৎকীদমক শেম্বীদুনা থম্বীবম্মী। অসুম্না লাইনিংথৌ অশিবনা থাংগী- তাগী কাংলোন কযামকম্বু শেমদুনা লাইযাম খিবিক্লা লৈপাক ভাকপদা মাগী মাগী চান্নবা থাং- তাগী কাংলোনশিংবু মখুৎশু ওইওমখি ।

অসিগী তুংদা মচন ইবেম্মা নোংথাংনা থাংগী ওইবা অখোম থেংকৌদগী পাদমনদুনা লৈশেমলোনগী থৌদোক কুম্মেবু পাওশানদুনা লাই ময়াম্মা হরাউ মথোই কানঙৈদা লৈশেমলোনগী ওইবা পরমলোন কয়াবু শানদুনা জগোইগী খুৎথেক, খুৎলোন, খোংলোন কয়ামরুম্মু পাওশানখি । মরম অসি লৈবনা খুৎচেং লৈবিগী ইহান হান্না পুথোকখিবা মরু লেম্ফুদি তেংপাম্বা মপুনি হায়বসি লৈশেমলোনগী ৱারিনা অদুমক তাকই । অদুগা থাং তাগী ওইবা কাংলোনগী হৌরকফমগী পাদমনফম অসিদী লাইনিংথৌ অশিবনা ওই হায়না লৌনৈ । অমরোমদনা জগোইগী ওইবা হৌরকফমগী পাদমনফম অসি নুপাদা লাইনিংথৌ অশিবনা ওই । নুপিদনা নোংথাং লৈমা ইমানা ওইনা লৌনৈ ।

লৈশেমলোন জগোইগী হৌরকফম

নহাননোংদা তেংপাম্বা মপুনা তাইপং মালেম্মু লৈশেমলগে নিংখন্নঙৈদা তরংদা থোক্তুনা চোংখিবা থেংকৌলোনশিং অমদি মপুগী মশাগী মশা ওইবা মচা ইবুংঙো অশিবনা তাইপং মালেম্মু লৈশেম নুংশেমঙৈগী পাদম্নদুনা চোংখিবা মপুম ওইবা থেংকৌলোন ৯ অমদি পালেম ইমা ৭ কী মতিক ময়াইগী ওইবা থেংকৌলোন ৭ কা লোয়ননা তোঙান তোঙাম্বা মখনগী থেংকৌলোন কয়ামরুমদগী পদম্নদুনা লাই ময়াম্মা হরাউদুনা থৌদোক কুম্মে শান্নঙৈগী মতমদা শাখিবা জগোইশিংগী খোঙলোন, খুৎলোন, শাথেক অমদি ইশৈগী ওইবা খিবিকপু মথক্কী থেংকৌলোনশিং অসিদগী লৌদুনা লাইযাম্মা থৌদোক কুম্মে শান্নে । মসিবু লাই হরাউবগী মনুংদা লাইযাম্মা জগোই শাদুনা লৈশেমলোনগী থৌদোক কুম্মে শান্নববু তাইপং ওইরবশিংনা লৈশেমলোন জগোই কৌনা খংনৈ ।

লাই ময়ামগী মনুংদা লাই নুবাশিংগী লুচিংবি ইমা লৈমবেন শিদবিনা শাইওনবী নোংথাং লৈমনা লৈশেমলোনগী পাদম্নদুনা খোঙথাং অনি অনি থাংদুনা হকচাং ইপোম খরা পীনা পীনা খোঙ য়েৎ ওয় থংদুনা খোঙথাংগা চানা চান্না শারকপা ঙক্না কোন্ননা ফৈগন নমথনা শাবা জগোইশিংবু লৈশেমলোন জগোই কৌই ।

লৈশেমলোন জগোইগী নুংগী ওইবা পরমলোনশিংদি তাইপং মালেম্মু লৈশেম্নদা লৈহৌ, লৈপেক, লৈতাই, নোংতাই, কোঙ্গোন, কংকুপ, কংজাউ, লৈনেৎ, লৈথিন, লৈশি, লৈহোৎ, লৈকাও, লৈফন, নোংফন, লৈনিক, লৈহাইনচিংবা থেংকৌগী পরমলোনশিংদগী লোইনমক পদম্নদুনা ওইরকখিবা জগোইগী তোঙান তোঙাম্বা শক্তমশিংনি । পুম্নমক অসি খুৎথেক অমত্তা মান্নহন্দনা জগোই শেমলকই ।

লাই হবাউবগী মনুংদা "লাইবৌ" চোংবগী থৌবমশিংগী মনুংদা জগোইগী হৌবদগী লোইবা ফাওবদা চেন্নবিবা ৱারিশিংবুনগা লোইনবা থৌবমশিংদি তেংপাম্বা মপুগী মশাদগী পুথোক্কুনা শেমখিবা তাইপং ওইবশিংগী মতৌদু কবম্মা তাংথবকপা লোইনবকপা লাইশিংগী শিম্বা ৱাবিশিংনি । লৈশেম্বা, লৈঙাকপা, লৈতাকপা অহুম অসিগী ৱাখল্লোনগা লোইননা খোঙথাং খুৎথেক শাথেক্পা কোন্না শাবা জগোইশিং অসিগী হৌরকফমগী মরু লেনফুদি থেংকৌলোননা ওই হায়বসি লৈশেমলোনগী ৱাবনা যাম্না মযেক শেংনা তাকই ।

থেংকৌ হায়বা মশিন অসিগী শম্লপ্পা ৱাহৌদোক

থেংকৌ হায়বসি লৈপাক শেম্বনি । লৈপাক শেম্বদা চংলিবা তি যাইগী মশক ওইনবা মচাক কযাগী কৈশিং অদুনা থেন্দুনা লৈ হায়বগীদমক্তা থেংকৌ কৌবান । নুংগী থুপলবা ইচেননি । তেংপাম্বা মপুনা কোবৌ তাইপং মালেম্বু শেমগে নিংদুনা তবংদা থোক্কুনা যেংখিবগা লোইননা খোঙলোন, খুৎলোন কযাগা লোইননা লাইয়ামশিং পুথোকখিবা অমদি তেংপাম্বা মপুনা মচাদা মালেম্বু শেম্লবা গৌনেকখিবা অদুদগী থেংকৌ শাবা হৌখ্রে হায়না ৱাংউরবশিংনা লৈশেমলোনগী ওইবা অবিবা পুযা কযাদা মযেক শেংনা ইদুনা তাকপিবল্লি । খুদম ওইনা লৈশেমখুদা কাওনা কাওনা নেৎলি হায়বগীদমক 'অকাও' থেংকৌ কৌখি । চোংনা চোংনা নেৎশিনলকই হায়বগীদমক "লৈফন থেংকৌ" কৌখি । চোংথোক চোংশিন লৈনা লৈনা নেৎলি হায়বগীদমক্ "নোংফন থেংকৌ" কৌই । অমবোমদনা মপুনা মালেম্বু মরু মবা চেৎলববা নিংখননদুনা লৈফন নোংফন্না যেংখি হায়বগী লৈফন নোংফন হায়নসু কৌই ।

অমবোমদনা অসবা লাইনিংথৌ অমদি লাইযাম খ্বিবিক্লা মালেম্বু লৈনা লৈনা নেৎলি হায়বগী "লৈনেৎ থৌংকৌ " কৌই । কৌনা কৌনা শাই হায়বগী অকৌ থেংকৌ কৌই হায়বা অসিনচিংবা মবম অসি লৈবনা থেংকৌ অসি যাম্না ফুনা লৌনবম্মী । মসিদি পংচোং চোংবা যাবমদে ।


থেংকৌ শাগদৌবা মীওইদি নিংথৌবু অহুমলক কম্বা তাংবন লোইচাবা যাইনা মশিং পুবা, ফিবান নামম থেৎপা, মৈবুল হাইজৌ থম্বা, খুবোম যাইশিবা, শা ফাবা অমসুং লাল ফাবা মীনা থেংকৌ শাগদৌবনি ।

তেংপাম্বা মপুনা লৈশেমলমদাইগী মতমদা মতম অহুমবু পুথোক্কুনা চোংখিবা, লাথাবি থেংকৌলোন অহুমগী কযাৎলোন অমদি খোঙজোংশিং ঃ

মণ্ডাং লাথাবীগী কযাং পাফনলোন অমদি খোঙজোংশিং ঃ (১) তবপ (২) পুবম তাইচেক (৩) শিলি তবপ (৪) চোংশিন্বা (৫) যাংবি তুবিক (৬) লৈহোং (৭) লৈচাই (৮) লৈফন, নোংফন (৯) পুকম তাইচেকপা

লুরাং লাথাবীগী কযাং পাফনলোন অমদি খোঙজোংশিং ঃ (১) তবপ (২) পুকম তাইচেক (৩) লৈহাই, লৈনেং যেং, ওই (৪) কাবন য়েংবা খোঙথাং অহুমলক যেং, ওই, যেং (৫) লৈচাই (৬) লৈনেং, লৈহাই (৭) লৈফন অহুমলক, নোংফন অহুমলক (৮) অনোইলোন থেংকৌ ঈশৈ (৯) পুকম তাইচেকনা অবোইবা ওইগনি ।

খুমন লাথাবীগী কযাংলোন অমদি খোঙজোংশিং ঃ (১) তবপ (২) পুকম তাইচেক (৩) লৈনেং লৈহাই (৪) লৈহৌ (৫) লৈচাই (৬) খুদুপ খোঙথাং (৭) মথংদা কির্শি কিবগা কংলাগী খোইদৌগী মফমদা চোংশিন্বা (৮) কাবন যেংবা (৯) লৈনেং লৈহাইনা যেংবা (১০) লৈফন অহুমলক (১১) নোংফন অহুমলক (১২) অনোইলোন অমসুং পুকম তাইচেকপা থেংকৌ ঈশৈ শক্তুনা অবোইবা ওইগনি ।



লাথাবীগী কয়াংলোনগী পাফন ।

মপুনা পুথোকখিবা থেংকৌলোন মাপন

মপুনা লাথাবী থেংকৌলোন অহুমদগী অমুক লাইরেম্বী তবেৎ অমদি লাইপুংথৌ ৯ মক্কী মতিক ময়াইশিংবু খংনা পুথোকখিবা থেংকৌলোনশিংগী মখনশিং (১) নোংফন (২) লৈনিক (৩) লৈফন (৪) লৈখোম অখোম (৫) অচাই (৬) অতান (৭) অকাও (৮) লৈকক (৯) লানকক অসিগুম্নবা থেংকৌলোন ৯ অসিবুসু তেংপাম্বা মপুনা চোংদুনা পুথোকপিবমখি। (খোংজোংশিংদি থিজিন হুমজিম্বগী লমদা ওইনা থমজরে)

মথক্কী লৈরিবা থেংকৌলোন ৯ অসিগী ব্রাহ্মোক :

(১)	নোংফন -	তেংপাম্বা মপুনা মালেম অসিবু শেম্বদা থোক্লুনা মপুনা ফন্দুনা য়েংবনি।
(২)	লৈনিক	মপুনা মালেম্বু শেমজিম্বা শজিম্ববু নিকশিন্দুনা য়েংবনি।
(৩)	লৈফন	মপুনা নোংফনবদগী অমুক নিকশম্বা অদুদগী অমুক লৈফন ওইনা অমুক শন্দোকপা অদুগা মালেমসে ফন্দুনা য়েংবনি।
(৪)	লৈখোম । অখোম	মপুনা লৈফন্দুনা য়েংলম্বাদগী অমুক মালেমগী হী য়াইশিংবু অমুক খোমজিনবনি।
(৫)	অচাই	মপুনা হী য়াইশিংবু খোমজিনলবগী তুংদা হী যাই ময়াম্বু অমুক মালেমদা চাইথোরকপনি।
(৬)	অতান -	মপুনা হি য়াইশিংবু চাইথোক্লবদা মালেমদা লৈরিবা ফৎতবা হাওথিবা পুম্নমকপু তানথোকপনি।
(৭)	অকাউ	মপুনা হি য়াই, মালেম শেমখিবশিংসে কাও কাওদুনা অমুক য়েংবনি।
(৮।৯)	লৈকক অমদি লানকক -	মপুনা তেংপাম্বগী মনুংদা লৈরিবা অফবা অমদি ফৎতবা খিবিক্কী পবমলোনশিংবু মচা-খাইনা থম্বনি।

মপুদা ইরু ইশেংগা লোইননা হৈ- থা, লৈথা কৎপা ঃ

থেংকৌ চোংবা হৌদ্রিঙৈদা হৈ- থা লৈথা কৎতুনা মপুদা থৌনিজগনি । মপুদা কৎকদৌবা পোৎলমদি লা লাতোন অমদা খুদৈ ফিদক অঙৌবা অমা থাগনি। হৈ- লৈ মনম নাইবা, কবোক, চু, লফোই চং থোকপা অমা , ক্বা মনা লংথ্রৈ মতোন অহুম লা লাতোন অমদা হাপ্লগা মৈবা মেক্রুপ থান্দুনা কৎকনি । (অদুগা) সনা কোনয়াই, লুপা কোনযাই চনগনি ।

অসুম্না মথক্কী হৈকক হৈথা, লৈথা কৎতুনা খোইকমলমদাইদা অশেংবা কোন অমদা ঈশিং অশেংবা হাপ্লগা ঈশিংদুবু হান্না শেংদোক্কনি। লাইশোনন্দী অসুম্না শোনগনি।

ঈশিং শেংদোকপা

"উং..... লৈ......... হিংশং ইফুৎথোক লাযাবা মি ... . লিং......... ...... হিং .... লাইজ্রা অকবনা শেংজববনে কোকনববনে উংহৈ, উংহৈ , উংহৈ ।" অসুম্না শোন্দুনা ঈশিংবু হাননা শেংদোংক্কনি । (ঈশিং শেংদোকপগী লাইশোন অসি নৎত্রবদি য়াদে হাযবদি লৈতে ।)

মথংদা ঈশিং অদুদা তাইবেন্না, পুংফাইনা, নাপিনা, শিংবিনা লুপলগা ইশাদা খিক্লুনা মখাগী লাইশোন অসি শোন্দুনা ইশাবু হাননা ইক ইশেংথোক্কনি ।

লাইশোন ঃ" শিক্ষ্যি পিথ্রাইবী অশেম্বী খোংদ্রাইবী অশাবী লৈবিকপি, লৈবিকপা, শংখোম্বী, শংখোম্বা, ওইথাংও, য়েৎথাংও, উঙকও, হাপচাও, লিবিও, লিফাংও লৈমা য়োইবেন তোম্পোকপী ব্রাহৈ শিল হৈবী, উং- ত্রৈ শিল হৈবা, নুমিৎ লুতম হৈবী , থবা লানদম হৈবা, অশেং অকবনা লুনববনে শেংনববনে কোকনববনে, উংহৈ, উংহৈ, উংহৈ ।" অসুম্না লাইশোনশিং অসি শোন্দুনা ইশা পুম্বাবু ইক ইশেংলবা মতুংদা অমাং অশেং কোকপা লাইশোন্না শোন্দুনা ইশাদা লৈবিবা অমাংবা, অমোৎপা, ফৎতবা পুম্বাবু অমুক কোকথোক চামথোক্কনি ।

লাইশোনঃ- "শিংদবা মকনা কোকলবনে থৌথিবসু খাগেনি, থৌহনবসু খাগেনি। খাগি নতোম নঙাইবা, হে ইবুংঙো তৌবিবা পুম্নমক নংগিনে হে, ইবুংঙো। নানাই ঐহাক্কী কবিসু খংজা তৈজদবনে। পুম্নমকপু কোকথোকপিয়ো চামথোকপীয়ো উং হৈ, উং হৈ, উং হৈ।" অসুম্না শোন্দুনা তাইবেন- পুঙফাইনা ঈশিংদা লুপলগা ইশাদা খিক্কনি।

থেংকৌ চোংবা হৌদ্রিঙৈদা মানা মশিংনা সিংজু শুদুনা কৎলগা শাবোই ঙাবোই তিনমু লাইমু ফৎতবশিংবু মচিনঙাক তমদুনা হাননা কৎথোক্কনি। থেংকৌ চোংবা হৌদ্রিঙৈদা ইশাগী থবাই মঙামক মীগা থানা তককমকপু মিকৌ থাকৌদুনা মীকোন থাকোনগনি ব্রাহৈদি অসুম্না হায়গনি।

হে থবাই মঙামক, মীগা থানা তককমক ঙসি নোংগী যাইফববা কোকৌদা পালেম পাঙ্কৌ অনিগী থৌগনবু মপুং ফানা থৌগনমিন্নবসে অসুম্না শোন্দুনা থবাই ৫ অমাদ মীগা থানা তককমকপু হৌদোক্কনি।

হোবেন থেংকৌ চোংবা লোইববা মতুংদা থবাই মঙামক মীনা থানা তককমকপু অমুক হন্না মিকোন থাকোনশিনগনি। ব্রাহৈদি অসুম্না হাইগান।

মিকোন থাকোম্বা

"হে থবাই মঙামক মীগা থানা তককমক নহনফমদা হল্লকও নতেফমদা তেবো ম ম মি কু কু কু" অসুম্না লাইশোন শোন্দুনা থবাই মিবু কৌশিনগনি। মাসবু মীকোন থাকোনবা কৌই।

সনা কোনয়াই লুপা কোনয়াই চম্বা

সনা কোনযাই লুপা কোনয়াই ফংদ্রবসু চেং খবা অঙাংবা অমগা চেং খবা অঙৌবা অমগনসু যাই। নত্রগা লৈপাক খবা ঙাংতক তৌবা অমগা খবা ঙৌতাক তৌবা অমগনসু মন্থৎ শিম্বা যাই।

সনা কোনয়াই চম্বগী লাইহৎলোল


কংলৈবু অনি থোকও তুনেম্ব অহুম থোকও (মফম) লৈমুবোন মংঙামক লৈহাওবোন তককমক লৈখবি লৈবান্দী অপোক চনু খমব্রাই যামব্রাইবি কোবৌ নোংলুমপান অঙৌববু লুপা কোনগথা মালেম লৈসনা অঙাংববু সনা যাইগা

চন । (লাইমিং অদু হাযগনি) অদুগা লেংশিনর্বিবোকো হৌ ই ফৌ অসুম্না শোনগনি ।

মথক্কী লাইহৎলোন অসি শোম্বা হেক লোইবকপগীদা ইবুংঙো ঐগী থৌগন হেক লোইবগা নোংগাবিবোকো হাযবা অমা ... ।

হোবেন পুংলোই লোইবগা লাইহৎলোন শিংদু শোল্লগা হিচনজবাগে যাইচনজবাগে নোংগাবিবোকো লেংখৎপিবোকো (লাইবমলেন্দা তিনবিবোকো) হাযবা অমগা মখন অনি লৈ ।

মপুং ওইবা মেন থেংকৌগী পাফল



লাইনিংথৌ অশিবনা লৈশেমলোনগী মনুংদা পদম্নদুনা পুথোকখিবা থেংকৌলোন ৯গী পরমলোন অমসুং মেনথেংকৌগী মপুং ওইবা খোঙজোংশিং ঃ

১। পাফন ৯ অসি পাফন থেংকৌ কৌএ। মেন থেংকৌ হায়বদি মপুং ওইবা থেংকৌ কৌনা খংনৈ।

২। পাফন কৌবদি লৈবি- লৈবিবা মফম মফমদা লৈবিবা নত্রগা থম্বদুবু পাফন কৌই।

৩। মেন কৌবদি মফম অমদা লেংদনা মনুংগী ওইবা তাকপা কবিগুম্বা থবক থৌনম কয়াগী পাংথোকফম ওইবা অদুবু খাক্তুনা থম্বা যাম্না কান্নবা ওইবা মফম অদবু মেন কৌই।

৪। মেন হায়বদি - (১) মপানগী ওইবা মগুন হকপা (২) কবিগুম্বা হেক্তা শিজিন্নবা। (৩) মফম অমদা মগুনদি সিন্না লৈববুনি।


থেনগী মতিক ময়াই

হৌজিক্কা তাইপং পাম্বগী মবী লৈনহনবা চাওখৎলকপগা মবী লৈনহন্না। তু খোং ইংবা। কবিগুম্বদা থবক থৌবম অমগা অমগা শিন্নবদা শিজিন্নবশিংবু থেনগী মতিক ময়াইশিংনি হায়বা খংনৈ। থেন হায়বদি নুংঙাই যাইফবা হায়বনি।

মেন থেংকৌগী খোঙজোং

অমাগী মশিংদা লৈনিক তবেৎলক নিকউ। লৈফন তবেৎলক ফল্লো। লৈহাই তবেৎলক হাইযো। খোঙথাং হায়না হায়না খোঙশিংনা অনিগী মশিংদা খুদোন শোক্লা খোঙকাপ ১৪ চৎলো। অসুম্না অমদগী অনিদা লাকপগুম্না ৭ কী মশিং ফাওবা মথং মথং চৎলো হায়বিবা ৭কী মশিং অসিদা থেংকৌগী যৌবু শাগনি। থেংকৌ শাবা লোইবগা ৭কী মপাদগী চুম্নগী মশিংদা লাক্কনি। মচৎতি হান্নাগী অদুগুম্না চুম্নাগী খোঙথাং নেম্না হায়না শুম্না চৎলবোই (চৎপসু য়াই)। হান্নাদগী খবা হম্বুনা খোঙথাং নেম্না চৎকনি। অদুগা লৈনিক ৭ লক নিকউ, লৈফন ৭ লক ফল্লো। লৈহাই ৭ লাক হাইযো ৮ দগী ৯ দা লাকপদদি ৯ গী মপা যৌবগা লৈনিক লৈফন লৈহাই তৌববোই চুম্না অদুম লাকঅগা মপা মপা যৌবদা খবা খিৎতং খংন্নবা লকক তৌবম্লগা মমৈ যৌন্নবা চৎলগনি।

থেংকৌ শাবদা লাল্লবা মতমদা লাইথুং পত্তুনবা অমুক হন্না হাইজদুনা চোংবগী ওইবা লাইশক



য়েকলিবা লাই অসিদি মথক্তা হায়রিবা খৌশালোন অসি শাবদা লাল্লাদুনা মশাদা লাইথুং পাল্লবা মতমদা খৌশালোন কাইদনা চুম্না অমুক শাদুনা মপুদা শেংদোক্লনবগী ওইবা পফননি ।


লাই খুরুম্বদা চংগদৌবা পোৎলম

খুদৈ ফিদক অঙৌবা অমা, হৈ মনম নাইবা, কবোক, চু, লফোই চং থোকপা অমা, কন্না মনা, লাংথ্রে মতোন অহুম, লা লাতোন অমা অসিনি । মফম অদুদা লাই অসি য়েক্কাদৌবনি । ব্রাহ্মৈদি মখাগী অসি হায়গনি ।

লাইনিংথৌ পাখংবা ননাইনা লাইনিংথৌগী ম্না থৌগন তৌজবদা ম্নাগী নতিক নয়াইনা চাওবা মরম্না কাইহৈদবা খোঙ কাইরে যেংহৈদবা য়েংঙুরে । ননাইগী ইশাদা তেংপাললে ঙসি কৌবা নুমিৎতা কুবিম্নু নমিংদি শ্বব ম্না লাইনিংথৌ কৌএ, মকুগী য়াথংনি ।

য়ুম য়ৌরগা নামৈ লৌথোক্লগা কোনথোংদা খুরুমগনি অদুগা ইশাবু ইরুজথোক্লগা ইমুংদা কোন্না চংগনি । থেংকৌ চোংবদা শোইবদগী অমুক হন্না মতমদদি খোঙজোং মান্ননা হনগনি । হায়বদি মাংদা হান্নাগী চিংনবা লৈরবদি মমাংদুদা থৌগন মচানসু য়াইএ ।

অতান থেনগী পক্ষন মচা



(১) অতান থেংকৌ অসি মেন (মপুং ওইবা) থেংকৌদা চোংলবদি খোঙজোং অচৌবনা মেনগী পাফনদা ৮ লক চোংগনি।

(২) পাফন মচাদা চোংবা অতান থেংকৌ ঃ মেন থেংকৌগীদা চোংদনা পাফন মচা অসিদা চোংলবদি মৌশালোন ৯গী মনুংদগী মৌশালোন অমগা হেক্তা চোংমিন্নগনি।

অতান থেংকৌ হায়না খংনবা থেংকৌ অসি চোংলবদি নিংথৌ পুন্সিএ তানথোং মফৈ পক্লা পাল্লি। (খোংজোংদি থিজিন হুমজিন্বাগী মনুংদা ওইনা লৈরে)

খোঙজোং চৎপা মতমদা শৈথাশি য়াওগনি ঃ হোই, হোই, হা, হা, হা, হোরিললে হোরিল্লা হোরিল্লা হৈয়ুতে হায়া- হে অসিবু থোইনা হরাওবা লৈবনে লৈবনে, শে, শে, নশে, শয়া নশিদা। ঈশৈ অসিনা থেংকৌলোন চোংবদা শেমগৎ শাগৎপা মথৌদা শক্কনি।

মাংনব্রা কায়ননবা মথৌদা শক্কদৌবা থেংকৌ ঈশৈ ঃ হোই, হোই, হা,হা,হা, হেরিললে, হেরিল্লা, হেরিল্লা। হৈয়ুতে, হৈয়া- তে, অসিবু থোইনা হরাউবা লৈবরা লৈবরা লৈতেয়ে লৈতেয়ে।

মথক্কী শৈথা ঈশৈ অসি পাফন থেংকৌগী খোঙজোংনা মেনগীদা চোংবা শাবা মতম পুম্নমক্তা শাবিবা পাংথোকলিবা থৌরম থৌদা অদুগী মরমগী ওইবা মতমদা অফবগী নত্রগা ফংতবগী মতমদা খংনা শক্কনি ।

হৈ য়ুতে অমসুং হৈউতেগী ব্রাহনথোক

১। হৈ- য়ুতে - মাংথবা ২। হৈ- উতে - চাওখৎপা, চাওখৎলকপা

লৈনেং থেংকৌ চাককৌথেন অমদি মীপোক থেংকৌ লোইননা লৈচোং থেংকৌ। লৈনেং থেংকৌ লৈপাক মবা চেংনম্বা ইংনা পল্লে ঃ

লৈনেং থেংকৌ চাককৌথেন হাযবসিদি হৌজিক য়েক্লিবা মেন অচুম্বাসদা শাগনি । লাই মমিংদি লিকয়োমশং কৌএ, শিদবা লাইনি। মমিং শোন্দুনা ব্রাখনদা হাননা খঞ্জবগা চোংগনি । অসিগী তুংদা লাই নুবানা মী পোক্লবা পাফনগী মথক্তা কিশি ৭ মক্তা মীপোক থেংকৌ শাবে । (খোঙজোংদি নুংদা থিজিন হুমজিনবগীদা ওইনা লৈবে)

মীপোক থেংকৌ অমদি লৈচোং থেংকৌগী খোঙজোংশিং অসিদি লৈনেং থেংকৌবু চোংবা লোইবগা মীপোক অমদি লৈচোংগী খোঙজোংদা চোংগনি । (খোঙজোংদি নুংদা থিজিন হুমজিনবগীদা ওইনা লৈবে)

থেংকৌ চোংবদা খৌশাগুম্না চোংগে হাযবর্বদি তোঙান্না চোংবা যাই । হান্না খোঙজোংশিংবু হান্না চোংথোকপা অদুগা খোঙনিক্না কোন্না অমুক তোঙান্না চোংবসু য়াই ।

অকৌ থেংকৌগী মরম তাকপা

(১) ওগী নাওয়োম্না শাবদি লৈপাক চাওনবা শাবনে (২) বোগী নাওযোম্না শাবদি লৈপাক পাম্বগী চাবগী মবম পুম্নমক হোংনবা শবনে । (৩) শোগী নাওয়োম্না শাববদি নিংথৌনা শীবদা শাগনি । কংলদা শাববদি লৈপাক অদু অথৌবা য়াম্না পোকই। মসিগী লাইশক তাকপাগীদি মরু লৈমবেন অনিগী লাংপুং কোক্তা হাপলিবা মওং অসিদা লৌগনি ।

(১) মহপতি ঃ মাং ওইরপ হাপলবদি ওগী নাওয়োম পুবিবা লাই পাখংনি হায়না লৌগনি ।

(২) তুং ওইবপ হাপলবদি বোগী নাওয়োম পুরিবা লাই খংজেংগী শক্তমনি লৌগনি ।

(৩) শোগী নাওয়োমগীনা মাংদসু হাপ্পা অদুগা মনিংদসু হাপ্পা অদুগা মবক্তা হায়বদি অনিদুগী মবক্তা মতেক অমা হাংতক্পা তোংতক্পা থন্বা অদুবুনা মক শিদবা অর্মদি লৈমলেন অনিমক্কী ওইনা হায়র্বদি শোগী নাওয়োম ওইনা লৌগনি।

থেংকৌলোন ৯ গী মনুং চন্বা ইচম চম্মা হায়বা হুম্বা য়াওদনা চোংবা অকৌ থেংকৌ

অকৌ থেংকৌ অসিগী খোঙজোং অসিনা হায়বা হুম্বা যাওদনা ইচম চম্মা শাগনি। থেংকৌ শার্বদি ৫ কী মপাদা শাগনি। (খোঙজোংদি নুংদা থিজিন পর্মাজন্বগী লমদা ওইনা লৈবে)

লাই নুবানা পাইবা থাংদি মকুনা লৈমবেন্দা পিবা লৈপাকক্কী লৈবোই খোঃলেন থাংনে। থংগা র্মমিংদি হৈকুপ হৈচোংবা কৌএ। থাংদোন খুদোন অনা পাকপ পুাববা হকাংাং কন্নবা অদুনে।

লৈপাক্কী নাওয়োম অচৌবনে লৈপাক শেম্বাগী নাওয়োম কৌই। নুগা খাংজেংনা পূববদি লোগী নাওয়োম কৌই। মকুগা লৈমবেনগা অনিনা পূবর্বদি শোগী নাওয়োম কৌই।

অকৌ থেংকৌ আস মখল অনি শুই অমনা মথক্তা শাখবা হাযবা হুম্বা যাওদনা শাবা অর্সিদি থেংকৌলোন ৯ গী মনুংদা চল্লি।

অদুগা হৌজিক মতুংদা শাবিবা হায়না হুম্মা শাবিবা অসিনা থেংকৌলোন ৯ গী মপুং চনদে। অদুবু হাযনা হুম্মা শাবিবা অকৌ থেংকৌ অর্সিদি ওগী নাওযোম্মা শাগনি। লাই পাখং খংজেংনা শাবনি। হাযনা হুমনা শাবা থেংকৌলোন ৯ গী মনুংদি চনদবা অকৌ থেংকৌগী মচোংদি মথক্কী অকৌ থেংকৌ চোংলিবদুগা চপ মান্নে। অদুবু অসিদনা হায়না হুম্মা শাগনি।

মহৈদি ঃ মীগী লৈপাকপু ঙমগে হায়ববা মতমদা শাগনি।

লালনিংকাং থেংকৌ অমদি অকৌ থেংকৌ

লাইবেনগী মমৈদা শার্বদি লালনিংকাং কৌই। মসিদি লৈমা নিংথৌ পুঙ্গিএ লৈপাক মবা তপ্লে। লানগী লানগৌবোন অসিদা খোঙজোং লৈনা লৈনা নেৎলি হাযবগী লৈপাক মবা চেৎলে, লৈমা নিংথৌ পুঙ্গি। অদুগা মসিগী থেংকৌ

অসি শাবদদি খোঙ নাম্মা খংতংনা শাগনি । খোঙ য়েৎনা শাগনি খোঙ ওইগীদি শোকফদে । শাগদৌবা মফমদি ৮ গী মরক ৩ গীসু খরা মখা চৎথরগা শাগনি ।

শাগদৌবা মীশক অদুদি মতিক লৈবা মী ওইববসু তুমন লৌবদি শাফদে। লুখ্রা মব্রাসু য়াদে । থংচপতি খুনিং শোক্লা চপকনি । মকনা তাকপা মতুং ইন্না কৌনা কৌনা শাই হায়বগী অকৌ থেনসু কৌঙ ।

অকৌ থেনবু শাগদৌবা মীশক্কী

মীগী লালবন অকক য়ানথেকপা লালচিন থংবা ফবা মীশক অদুনা শাগনি ।

লাননিংকাংগী লানগৌবোন অসি মেন (মপুং ওইবা) থেংকৌগী চোংবা থেংকৌলোনগী হোইরৌ হোইযাগী ঈশৈ শক্তুনা শাবকঅগা হোবেন লালনিংকাংগী খোঙজোং চোংবা মতম অদুদা মখাগী শৈথালোন ঈশৈ অসি শক্কনি ।

শৈথালোন ঈশৈ

হুইয়েন কৌববুসু শা কৌবসু লান কৌববুসু তোকপা কৌববুসু নুং কৌবা নুংদা লৈবনে। শে শে নশে শয়া নসিদা (লাননিংকাংগী খোঙজোংদি নুংদা থিজিন হুমজিনবগী লমদা ওইনা লৈবে)

লৈচাক থেংকৌ লৈনেৎ থেংকৌ
(তু খোং ফুন্নবা)

লাই নুরাগা পাখংগা মপা মপা হায়না হুম্না শন্নাবগুম লৈতৌবে হায়বগী লৈচাক থেংকৌ কৌএ। লৈচাক থেংকৌবু শাগদৌবা মীশকতি লনদুরোং শাবা মীশক্লা চোংগনি । মীগী লানফমদগী লাম্মী অমবু মকোক ককপা লাম্মী অমসুং চংনা ফাবা ঙম্বা মীশক্লা শাগনি ।

লৈচক থেংকৌ অসিবু শাবা মতমদা নীংগা ফৈবাক্লা লৈতৌবগী মওংগুম্না খরদং নমথবগা য়াম্না পাকথদনা শাগনি । মফমদি মকোক মমৈ অনিমক্কী মফম অদুদা চুম্না চংশিল্লগা শাগনি । শাবা লোইরগা ৭ কী মপাদা অমুক চুম্না হম্বগনি ।

থাংচপতি : খুবাক্লা খুম্না পাইগনি । থংচপতি শেগ্রাক্কী তু য়ৌনা চপকনি।



লোইবদি মমাই নোংচুপতা ওল্লগা লোইগনি ।

লৈনেং থেংকৌ ঃ ৭ কী মপা অদুদা অমুক লৈনেং শাগনি মচোংদি মমাংগী লৈচাক্কী খোঙজোং খোঙনিক্কা মায়ে । অদুবু লৈনেংকিদি চোংবা মতমদা থুপ্পা থুপ্পা লৈনা লৈনা চোংগনি ।

থাংচপতি

শেগ্রাক্কী তু যৌনা চপকনি খুবীনা থাংগী মযাদা নমগনি। লাইযাম্না চোংনা থুপ্পা থুপ্পা লৈনা লৈনা নেংলে হাযবগী লৈনেং থেংকৌ কৌএ।

লৈনেং থেংকৌ অসিদি নিংথৌনা তিল্লম লাইবম তু- খোং ফুনগে হাযববদা নিংথৌগী মনাই লানবন থাম্বা হাযবদি লানফমদগী মী যাম্না ফাদুনা অমসুং পুদুনা লালচিংবা মীশক অদুনা অচংবসু অশিবসু নিংথৌদা কৎপা ওম্বা অদুনা অসি শুম্নবা লৈনেং থেংকৌ অসিবু শাগনি । মফম অসিদা মীওই অসিগী মতিক মযাই থাদনা যাওবিবা অসি, অমনা পুম্না থেংকৌ অসিগী যৌগন ফংবা যাই ।

(১) লৈনেং থেংকৌগী মবম তাকপা ঃ লৈনেং থেংকৌ ওইদা লৈবগা নেৎপনা মী থেম্মনবা অমাদ লৈপাক্কী যাইফা নুংঙাইনবা লৈপাক মবা তপ্পনবা মথৌদা শজিন্নে। অমদি মাংন্নবা কাইন্নবা মথৌদসু অদুমক শিজিন্নে।

(২) লৈনেং থেংকৌনা যেৎতা লৈবগা নেৎপনা শা- লন্দা অকন অথৌগী ওইবদা শিজিন্নে।

লৈতান থেংকৌ অহাম্বা শরুক

লৈতান থেংকৌ অহাম্বা অসিগী মতিক মযাই অসি চোংলমদাইদা হান্নন্না নিংশিংলমগনি ঃ

লৈতান থেংকৌ অসিদি লৈপাক মবা চেৎনবা লাইযাম্না লৈপাক মবা চেৎন্নবা লৈনা চোংদুনা ফন্দুনা লৈপাক নেংলে হাযবগী লৈতান থেংকৌ কৌএ। মসিগী খোঙজোংদি কিশি কিনা কিনা চোংলগা চোংশিল্লগা খোঙজোং খোঙনিকশিংনা যৌগনগনি । (লৈতান থেংকৌগী খোঙজোংশিংদি নুংদা ওইনা

লৈবে)

লাইদি ঃ থাংজিংনে থাংচপতি শেগ্রাক্কী তু য়ৌনা চপকনি । থেংকৌ অসি শাবদা মাযোক্লবা যাদে, কৌব্রুগী পাফনদা লোইগনি । মশিং তকক্কা মকোক্কা তাইনবা কবক্তা লোইগনি ।

লৈতান থেংকৌ অনিশুবা শরুক

লৈতাল থেংকৌ অনিশুবগী মতিক মযাই ঃ লৈপাককী মতিন মকাং হৌববদা তাববদা লৈপাক পুবিবা মাইচৌনা (অমাইবা) শাগনি । নিংথৌ থোক্লুনা কংলাগী থাংজেংদা শার্গনি (ব্রাযেনশং) অশাবা মী অদু কৌব্রুনে। খোঙজোং খোঙনিক্তী খোঙনা লৈপাক্তা থিন্দুনা শার্গনি, শাবিবা লাইশকতি কৌব্রুনে। (থেংকৌ অসিগী খোঙজোং খোর্ংনিকতি নুংদা ওইনা লৈবে)



ফোতো মোইরাংথেম ইবোতোম্বা

লাইনিংথৌ অশিবা (অচিবা) না পুথোকপা থেংকৌ ৯ অমদি ১২ গী মমিংশিংগা লোইন্না মতিক মযাইশিং ঃ

মপুং ওইবা থেংকৌলোন ৯ গী মমিং

(১) অতান থেংকৌ

(২) লৈনেত থেংকৌ অমসুং চাককৌথেন

(৩) মীপোক থেংকৌ

(৪) অকৌ থেংকৌ

(৫) লাননিংকাং থেংকৌ

(৬) লৈচাক থেংকৌ

(৭) লৈনেৎ থেংকৌ

(৮) লৈতান থেংকৌ অহাম্বা

(৯) লৈতান থেংকৌ অনিশুবা

মতেং পাংন্নবা থেংকৌলোন ৩গী মমিং

(১০) মেন থেংকৌ (পাফন থেংকৌ)

(১১) অখম অমসুং লৈখম থেংকৌ

(১২) চেংকোন থেংকৌলোন (মখল অনি)

থেংকৌগী মরম

মতিক লৈবনা থেংকৌলোনবু শাবদা চেংকোন থেংকৌ অখম শাগনি । অখম লৈখম, মেন, চেংকোন থেংকৌশিং অসিদি থেংকৌলোন ৯গী মনুং চনদে । মসিদি মতিক মযাইগী মবমনি । থেংকৌবু চোংবদা পাফন থেংকৌ শাবদা মতিক লৈবনা অখমগী খোঙজোংনা শাগনি । অসুম্না মেন থেংকৌ পাফন থেংকৌ অসিবু শাদ্রীঙৈগী মমাংদা চেংকোন থেনবু কাদুনা হাননা শাবমগনি ।

মকুনা লৈপাক শেম্বা লোইবে লৈবোই ঈশৈ হৌবে । মশিং ১১, ১২ হাযর্বদি লৈখম (লৈখুম) অখম অমদি চেংকোন থেংকৌশিং অসিদি হক্লা লুববা মতমদা থৌগন্নবনি । হাযবদি মতুংদা অসিগুম্বা থোক্তম্বা মতম শাংনা লৈন্নবগী মবমগী ওইবা থেংকৌলোনবু চোংবা মতম অদুতদা অখম অমদি চেংকোনগী (চেঙ্গোন) খোঙজোংনা শাগনি মবক মযাদা লাইনিংথৌগী থৌগন তৌনদে ।

থেংকৌলোনশিং অসিগী কান্নবা

লৈনেৎ থেংকৌ চাককৌ থেন, মীপোক থেনসু কৌএ । মসিগী কান্নবা মহৈনা অফবা পুবক্লবা শাবনি । "লৈচোং" থেংকৌ অসিনা কাই তোইদনবনি । "অকৌ" থেংকৌ অসিনা মচৎ মবি থোক্লা লৈ । (১) চাওখৎনবা (২) চাহোংনবা (৩) নিংথৌ শিবদা (৪) লৈপাক অমবু ঙমগে তাম্বদা থৌগনলি । "লৈতান" থেংকৌ লৈপাক্কী মতিন মকাং চাওববদা হৌববদা অমদি লান পাংবদা থৌগনলি । অখম, লৈখুম অমসুং চেংকোন অহুমসি খোঙজোং মচৎ অমৎতনি। লৈপাক ইংনা

পান্নাবনি। পাললান্দবী হেনদোকতনবনি। অসুম্বী ময়াই চম্লনবনি "অতান" তানথোক্লবনি। নোংগা থেংকৌ লাল্লু চোমাই চম্বা, সায়াং অথৌবা চাকখাংবা ফৎতবা লাক্তনবদা থৌগনলি ।

থেংকৌ শাবা তম্বাদা থুনা ফান্নবা অর্মাদি শোইদনবা হায়দুনা পাফন য়েক্লগা শানৈ, খংলবদি য়েকত্রবসু য়াই । মসি চহি নৌবগী ব্রাফম লৈতে । থৌবমবু নিংথিনা খংলবা, পুকচেন লেপ্লবা মীনা থেংকৌ শাবা য়াই । চহি নৌরিবা লাইবনা কোনুংগী শঙ্গাই শাবগী ব্রারী শিংবুন কয়া অমা লৈবি। থেংকৌগা খৌশালোনগা থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ । মৈতৈ ঐখোয়না থেংকৌ, খৌশালোনগী থৌগন তৌরমদাইদা হয়েংদি থৌগল্লনি হায়ববদি, ঙসিদগী হৌনা লাইনিংথৌ সনা লাইদা থৌনিলোন অমসু পাংথোক্লে । মসিদা পাফনগী মযেক অমা য়াওই । পোৎলমনা ফিদক অঙৌবা অমা, হৈ-মনাম নাযবা, কবোক, অথুম- অহাও, চু, লফোই লফাং চং থোকপা অমা, ক্বা মনা, লংথ্রে মতোন অহুম, লা লতোন অমা অসি য়াওনা খোইরু থাওমৈ অমগা লোইন্না থৌনিজগনি । অসুম হায়না থক্কী ইপা ইপু লাইশিংনা চৎনরম্মী ।

চেংকোন থেংকৌগী পাফন



নোংপোক্তা হৌরগা থাংজিংদা কীশি কিগনি । অদুদগী কৌব্রুগী কিশিদা অমুক লাকঅগা মমৈ চংনা (কিশি) মকোক্কী মমৈ চংফমদা অমুক লাকলগা মাই থাংজিং ওন্না লোইগনি । (চেংকোনগী খোঙজোং খোর্নিকতি নুংদা থিজিন হুমজিনবগী লমদা ওইনা থমজরে)

চেংকোন (চেংগোন) থেংকৌ অসিনা হান্না চোংলগা লোইরবা মতুংদা

মেনগী (মপুং ওইবা) ৭ কী মপাদগী চোংবনি হায়না লৌরগা মেনগী মকোক মমৈ অনিগীদা মশিং অমগী মপাদগী অখমগী থেংকৌ শাবা হৌগনি । (খোঙজোং লৌবগনি) কন্নাগুম্বনা চেংকোন থেন কদুনা থেংকৌ শাবে হায়নৈ। মীশক অদুনা চোংগদৌবিবা অমদি শাগদৌবিবা মখনগী থেংকৌ অদু মশিং তবেৎকী মপাদা মনুংদা পাফনগীদা পিক্লা শাদোক্লগা লোইবগা অখমগী খোঙজোংনা শখিগনি । (লৈখম অখমগী খোঙজোংশিংদি নুংদা ওইনা থমজবে)

অখম লৈখম থেংকৌ অসিদি অথৌবনা শাফবোই লৈপাক পুবা মাইচৌনা শাগান। লৈখম্মা খম্লবদি লৈপাক মবা তপপে। মেন থেংকৌগী পাফনদা লৈখমগী খোঙগী লৈনিক ৭ হাপ্লগা খোঙজোং ৭লক থাংবা যৌদবনা মেনগী খোঙনা যৌগনি। মসিবু কুপ্না লাইনিংথৌগী থৌগন খংনা থৌনিজবা ঙম্বা মীওই অসিনা থেংকৌলোন অযাম্বা চোংবদা মহৈ ফংনৈ ।

থেংকৌলোন ৯ গী মশক তাকপা


থেংকৌলোন ৯ কৌনা মীযাম্মা খংনবদি লৈপাক্কী ফাননাবদা ওইবা, মশা মতামতগী ওইজবা যাওদ্রবা মতিক ময়াই লৈবা ৯বু থেংকৌলোন ৯ কৌনা খংনৈ । থেংকৌলোন অমাদগীনা ১২ ফাওবা লৈবিবা অসিবু মুন্না শংলবা মীওইনা অতৈ থেংকৌ অমদি খৌশাবোনবু থৌগন চংবদা মতিক মযাই হাপ্লা ঙম্বা মবম্মা থেংকৌলোন ৯ হায়না খংনৈ ।

থেংকৌ চোংবা হৌবমদাইদা মখাগী লাইশোন অসি হান্না শোনবসু যাই। লাইশোন অসি অফবগী মখন, অমাংবগী মখন থৌনিবগী মবমনি


হে, হে, লাইযো ..... হে, হে লাইযো ..... লৈপাক পুম্নামক্লা শুক ককপগুম ককপদা পাইজা যাখুন অমা তানচিন্না হক্কাদবদে । খুবাই নাৎপনা পোকপদে । ব্রাংখৈ নাৎপদা তমবদে। খ্বাই নাৎপদে শিং নাৎপদে এ এক তে। অখোম মযো মক অসি অহাম্বদা খুকমজগদবনে । হায়বদি ঐবু তাকপি তম্বীবা শিন্তাক পুবেন (ওঝা) অদুবু খোইকমজগদৌবনে ।

মপুনা কংগী মথক্তা লাংশিং হন্দুনা চুকপি হুইরেন থবাগী পাফল ঃ


থেনবুং চংবা ৭ ↑ ৬ ↑ ৫ ↑ ৪ ↑ ৩ ↑ ২ ↑ ১ মালেম 'চথেক মবিদা চুকপি হুইলেন থাবা	১১ ← ১০ ← ৯ ← ৮ ← ৭ ↓ ↑ ১২ ৬ ↓ ↑ ১৩ ৫ ↓ ↑ ১৪ ৪ ↓ ↑ ১৫ ১ → ২ → ৩ মালেমগী 'চথেক মবিবু কবন ফাবা




খাগা - হ্রাংগা ফম্বান ফাবা ।




ফম্বানগী ফৈজৈ কাবন লাকপা




শিংথাই ৬১. উবা হুমদাং থাবা



মালেমগী য়ুম্ফম ২৫ শিংখাই ৬১ খোংফম ৬৪ ।



মালেম পাফল ।



ম্যালেম পাফন অচৌবদা চুকখোং কোইবা ।



ফোতো মোহিন্দ্রো শর্মা

পাফন

চুখোং কোইবা তম্নবগী পাফন যেকপা


মপুনা পরিং লাংশিং হন্দুনা লৈশেমলোন থেংকৌ মমি তমখিবা ঃ

নহাননোং তবং মালং ওইবিগেঁ তেংপাম্বা মপু মহাক্লা তেংপাম্বা অসিবু শেমলগে হাযনা পুকনিংনা নিংখন্নগেঁদা অদু নোংগীবু মপুনা তবংদা থোক্লুনা লথাবি থেংকৌলোন অহুম্বু চোংদুনা মতম অহুম্বু মথং মথং পুথোক্লবদা, মপুনা মশাদগী পলেম ইমাগী শকলোন অমা পুথোকলে মদুবু চিংকোই কৌনা মীংহুল্লে। পলেম পম্থৌ অনিবু থাং- চিংকোই কৌনা কোলোই মিংহুল তল্লে । চিংকোইগী মশকপু শিদবী পলেম ইমা ওইনা শথোক্লে । থাংনা পম্থৌ ইপা শিদবদু ওইবিবে। মপু মহাক্তী থাং তা অনিমকপু ওইবিযে। পলেম পম্থৌ অনিনা লৈশেমগে হাযদনা থেন ৭পু কাবকএ মলেম শেমম্মে । অমুক থেন ৭ কুমলকএ লাইবেম্বী ৭ পুথোকলে। মসিবু নুংগী ওইবা যাম্না কৃপ্পা তাইপং মীশেম খুনশেমগেঁগী অহকপা যাব্রানে । মপুনা কংগী মথক্তা লাংশিং হুল্লে । পলেম পম্থৌ অনিনা লাংশিংগী মলেম চিথেক মবিদা চুকপি হুইলেন থাবে । মফম অসিবু চুকপি হুইলেন থাবা কৌএ । মথং মথং মলেমগী চিথেক মবিদ কনে ফবে। খাগা ব্রাংগা ফম্বান ফাবা লোইবে । অদুনুংদা ফম্বানগী মাইকৈ মবিবু ফৈজে কাবন লাকপা লোইবে । মতুংদা উবা হুমদাং থাবে । মযাই থেনবুংদা চংদুনা লৈকাও লৈনিক্লা কযাৎপু মক মবা চেৎলববা যেংলে। চুকপী হুইলেন থাদুনা কযাৎ ৯ বু শেম্বা লোইবে । অদু নুংগীবু মালেম পাফনগা কযাৎ ৯ কৌনা মিংহুল্লে । মপুগী কযাৎ ৯ অসিদগী লাইপুংথৌ ৯ মকপু শাথোকএ । পলেম পম্থৌ অনিনা মালেমগী কযাৎ ৯বু চুকপি হুইলেন থাদুনা চোংবা খোঙজোং খুৎহাই খিবিকপু থেংকৌলোন ৯ কৌনা মিংহুল্লে ।

অদু নোংদা পলেম পম্থৌ অনিনা থেন ৭ কাদুনা থেন ৭ কুমদুনা মালেমগী কযাৎ ৯ মকপু লৈশেমলে অদু নুংদগী লাইবেম্বী ৭ পু শাথোকলে । পলেম পম্থৌ অনিনা থেন ৭ পু অকা অকুম তৌদুনা চোংখিবা হাযখিবা খোনিক, খোঙজোং, খুৎহাই, খুৎলোন, খোঙলোন খিবিকপু থেংকৌলোন ৭ কৌনা খংনখি ।

অসুম্না পলেম পম্থৌ অনিনা মালেম্বু চুকপি হুইলেন থাদুনা চুক থাদুনা ফম্বান ফাবা লোইববদা লাই নুবা পাখং খিবিক্কা লোইন্না তাইপং মালেম্বু মপুং ফানা লৈশেম খুনশেমবগী থৌবু যাংশিনখি ।

তাউরোইনাইনা থম্বান ওইনা শংপা



তাউবোইনাই সিদবনা অহাংবা ত্তবংদা মতোম্মক চোংখৎতুনা মতোক 'লশিং পান্দনা লৈ । নোং ফাবে, মমিং নোংথৌ তুবেং কৌনা মাংবা লৈতনা ঙান্না লৈবে । লাইবেন তাউবোইনাই সিদবগী খোইদৌদগী স্নাগী থম্বান অমা লৈতোন অহুম পান্না শাংলে । লৈতোন অমনা চিংখৈবোমদা কোম্বনা শাংলে । লৈতোন অমনা খা পাংনা কোম্বনা শাংলে । অমদি নোংথক্তা যুংনা কাদুনা শাংলে । চিংখৈ পাংনা লৈতোনগী লৈনদা লাইবৈমা অনি শাংলে । অমনা লাইখুলেমবিনে অমনা পানথোইবিনে অনিশি শংলে । লাইখুলেমবিনা ওকখু শাংলে। পানথোইবীনা উফোং শাংলে । হৌবৈ খাগী লৈতোনগী লৈনাদা লাইবৈমা অনি শাংলে । অমনা লাইশ্রানে অমনা হুইমু লৈমনে, অনিসি শাংলে। লাইশ্রানা তেমবী শাংলে, হুইমু লৈমনা উজোং শাংলে । কোবৌদগী যুংনা কাবা লৈতোনগী লৈনাদা অঙোম সলাই পুবৈবোম্বা শাংলে । লৈতোন অদুদগী থম্বান অমা চোংখৎতুনা শাংলে। লৈনাদি ১০ পল্লে, মদুদগী লৈমবেন লাংযেন ৭, থোকলকই। মদুনা সলাই য়েক ৭ শাংলকই, সলাই ৯ থোক্লা খাইখি । যেক্তি ৭ ত্তনে। ঙাইপংবু পোকপিবা পলেম ওইবিএ । মমিংদি হিবৈমা, যাইবৈমা হিপোকপি যাইপোর্কাপ, হিক্লাব যাইপুবি যাইম্না ৭ অসিনে । লাংয়েন ৭ সনপোৎ ৭ কৌএ , মসিদি লৈমবেন লংওননে মখাগী যাইম্নাদো অনি থোকলে, অদুগা

য়াইখংলোই ৮ কৌনা পুথোকলে । য়াই অসিনা নোংলোন ৯ পুখ্রে, মমিং নোংফুরেন অচিবী কৌএ । স্না অসিনা মালেম লৈরোন ৯ পুস্রে । মমিং লৈফুরেন নামুংবী কৌএ।

লৈতোন্দা থম্বান অমসু শাৎলে, লৈনা ১২ পাল্লে, মদুদা লাই অমা শাৎলে, মতিক ১২ ঙমএ । মমিং ১২ শুইএ, মরৈ ৭ পাল্লে খম্বী কৌএ, মৈত্রেং অরাবা কৌএ, পোইরৈতোন খুনথোকমৈ কৌএ । পোইনাউতা খুনফাউ মৈ কৌএ । থাংজিং উপিউরেন মৈ কৌএ । সদু তেকচাকমৈ, হেম্বা পমচাক মৈ, তরা চাথোং মৈ কৌএ । শংলৌ য়েনফুৎমৈ, চাপোক কদাংমৈ, অহলশিংকুমমৈ, লমজাউ খাম্বীমৈ, সরু তাংশমমৈ কৌএ । অসুম্না মমিং ১২ সুনা খাইখিএ ।

অসিগী মথক লৈতোন অদুদা থম্বান অমসু শাৎলে, লৈনা ১৬ পাল্লে। মখোইদুদি তাইপং খোনজেন য়াইবি ওইনবা লাইনে । মখোই ১৬ সিনা নোংথৌ মতোনগী লাই ১৬ ওইখিএ । মদুদগী লাই ৫ শৎতোকলকই মমিং অর্মাদি লাইয়িঙথৌহনবা কৌই। মশকতি লাইজা য়িরুবুনে। ১ না মুন্না নিংথৌ কৌএ। মশক্তি মালংবুনে। অমনা থাংজিং নিংথৌ অপাম্বা কৌনা লৈএ । মহাক্তি খম্বীবুনে । অমনা লাবা নিংথৌ কৌএ, মশক্তি মালেম লৈপাকপুনে। অমনা পনম নিংথৌ কৌএ, মশক্তি কোরৌবুনে । অদুদগী থম্বান অমা লোংখৎতুনা শাৎলে। লৈতোন ১০৮ পাল্লে, লৈনা ১৮০০০ শুনা অথোম্বা ওইনা শাৎলে, লোইরেন স্নাপুংগী মপানে । মঙোন্দগী মশীং লাকঙমদবা লাইয়াম শাৎলে। তউরোইনাইনা স্না থম্বান ওইনা শৎতুনা লৈরোনসু ৯ নোংলোনবু ৯ ওইবসু ওইবিবা পুবাসু পুবিবা স্নাথম্বান ওইনা শাৎতোকপদি অসিবু হায়বনে তাংনা খংও ।

কুরুম তাউরোইনাই সিদবনা নমু পোংশক ওইনা শাৎলকপা

নমু পোংশক শেম্লবা, মঙাংনা লৈপাক শেম্বা হৌরে, নোংলোন লৈতৌরে অহৌবা অসিবু অশিবা কৌখিয়ে । লুব্রাংনা লৈহোল্লে হন্না য়েংলে (হলয়েং)কৌনখি । খুমন্দা য়েংশিন্নরে (হলয়েংশিৎ) কৌনখি । থব্রাইমিচাক নিংথৌ সিদবদা সেমহনলে (মসেম) কৌনৈয়ে । ছুচিকনা লৌথরে (মরৌ) কৌনৈয়ে । থবানা কাপখিয়ে (মকাপ) কৌনৈয়ে । থাদা শিন্নরে (মশিৎ)

কৌনৈয়ে । সিদি লৈমরোন ৭ কী মিংথোন্নে ।

মঙাং "অসিবু" অচিবা (অসিবা) কৌএ । নোংমাইজিং কৌনবিবর্সিনি, লুৱাংনা 'হনয়েং' কৌএ । নিংথৌকাবা কৌরিবসিনি । খুমনবু 'হনয়েংশিং' কৌএ, লৈপাকপোকপা কৌনরি । নোংথৌ সিদববু 'মসেম' কৌএ, য়ুমশকৈশা কৌনৈয়ে । ছুচিকপু 'মবৌ' কৌএ শগোলশেন কৌনৈয়ে । থাবাবু "মকাপ" কৌএ ইরাই হায়না কৌনরি । থাবু "মশিং" কৌএ থাংসা কৌনরিবর্সিনি।

ওল্লিবসিগী মরম

তাইপং মপুনা লৈমরেনবু নোংলোন্দা চিংখৎলে "নোংমাইচিং" কৌএ : লৈমরেন্না নোংথৌ মতোন্দা কারে নিংথৌকাবা কৌয়ে। অতিয়ানা লৈবা খিবিক পোকলে "লৈপাকপোকপা" কৌয়ে । শিলৈমা লৌসিংগী কৈবিকৈরেন ওই তাইপং য়োমলে 'য়ুমশকৈশা" কৌয়ে । অশিবনা তাইপং থৱাই শেন্নরে "সাকোলশেন" কৌয়ে । নোংথাং লৈমনা তাইপংগী ঈদা লৈবে হায়বগী ইরাই কৌএ । পাখংবনা থৱাই অয়াম্ববু থাংদোকলে "থাংজা" কৌএ । অসি লৈবা নোংদগী মিংথোর্নাসি থোনবনে । ছুচিক্তি সিদবনে থার্বদি থৱাইগী মমিংনে। থৱাই পানবসে থাদগী মমিং থোল্লে, মমিং ১০ নে হায়বা খংগনি ।

থাদগী লৌবা থৱাই মিংথোন

তাইপং মরু শুনখুৱর্বদি, মরু থাদগী মমিং থোল্লে । অঙাংদো মরু তাবগা থুপি শেংনু কৌএ । থা অনিদা অঙাংদো মমিং তেত্তানু কৌএ । থা অহুম শুবদা হঃ য়ুং কৌএ । থা মরি শুবদা হঃ য়ুংঃ হঃ কৌরে । থা মঙা শুবদা হঃ শাঃ কৌএ। থা ৬ শুবদা মিমি হাঃ কৌরে । থা তরেৎ শুবদা হঃ হংঃ ঈমাং তাং শং কৌরে। থা নিপান শুবদা পোইরৈতোন কৌরে । থা মপান শুবদা হঃ রাহা কিংহে কৌএ । থা তরা শুবদা মীমরু কৌবে । তাইপং থৱাই পানবগী থৱাই মীকৌরোন্দী অসিনে হায়রি । মীকৌরোন অসিদি লাইয়িংথৌ স্নামহিনা শিজিন্নর্রিবনে। থাংজদা য়াম্বা উতংনা তারি শারগা মিংখৈ ১০ সি হায়দুনা খোংবদা সাখাই সলাই লখা মরিফুমরিগী থৱাই লোইনা কৌবা য়াই হায়রি। লৈনুং তারি মীকৌরোন কৌএ, মঙাং সিদবনা হায়রম্মে । (মসি তাওরোইনাই

য়াংবি লমলেন পুয়দা ময়েক শেংনা ইদুনা থনম্মে ।)

মঙাং ক্রুম সিদবগী ময়াথং মপুগী মিৎনা নুমিৎ থাগী চৎলম থোকনি হায়রি

নহান্নোংগী লাইরেন তাউরোইনাই পাফনলিলাগী । চেংলৌ মিংকোই থোংশারেম য়েৎলোমগী মীৎনহা য়াইরং চান্না, য়োইবু লৈমবেন ললৈমাগী পাইমা উনকোইনুংদা চোংশিনখিরবগা নাকলু ফিয়াল্লুদুনা হৈরাং মচা য়ান, তাউজিং মরু পল্লুদুনা নৌনাউরকই। নুমিৎ য়ারংচান তবেৎসু হায়দবরা ? কোলোই মীংথোন্দি নুমিৎ তাউহুইরেং অহনবা, লাইবেন তাউদনবা য়োইময়াই, য়োই খোমথোক, খোমথোক ননৌবা, য়োইপবেং, পরেং লৈশংবা তবেৎ অসিবু লৈমরেন লংয়েন তরেৎ নুমিৎকী মিংথোন অহানবনি য়েক তরেৎকী সিদবা লাই তরেৎনি হায়রি ।

লোইতাম থাজ ১২ গী

নহান্নোং লাইরেন তাউবোইনাইগী, চেংলৌ মিৎকোই থেংসরেন ওইরোমগী মিৎনহা য়াঙ্গরংচান্না । য়োইবু লৈমরেন শিলৈমাগী পাইমা উনকোইনুংদা চোংশিনখিরবগা নাকলু ফিয়াল্লুদুনা । তাউজিং মরু পল্লুদুনা হৈরাং মচা য়াম্না নৌনাউবকলে ।

কোলোই মিংথোন্দি

(১) লোইতাম থাজহন (২) থাজরেং (৩) থনুংশি (৪) থায়াইরেং (৫) থানৌতোন (৬) কুপস্না (৭) কুপত্রেং (৮) থানৌরেং (৯) থানুংয়াই (১০) য়োইতরেং (১১) তরেং লৈখম্বা (১২) য়াইখুতোন অসিনে, ঈশিং লাইজগী লাংয়েন ১২ কৌবদি থাজ ১২বুনে হায়বি ।

অসিনসু মতোমদে মিংথোন অমসুং লৈরি

(১) নহান্নোং তাইপং মপুনা ক্রুমলেন মীতম পুথোকপবু । মীতম কিনথরে কিনথনোংগী সচি সায়া কেল্লে, হায়বগী সচি ফোই কৌএ । থাজহান অদুবু মপুগী মমিং লাইয়িংথৌ হনবা কৌএ ।

(২) মপুগী মীহকপু কাহৎলে কোবৌ মৈশানা হাইবগী থাজবেং অসিবু কালেন কৌনখিযে । লাইমিংদি খমলংবা কৌএ ।

(৩) মপুগী তোংসাদগী যিঃ মংলে হাযবগী থানুংশি অসিবু ইমাং কৌএ । অদু নোংদগী ইঙা কৌনখি । লাইমিংদি মোংবা হনবা কৌএ ।

(৪) তাইপংগী মপুনদি মাংফদবনিনা যিঃ দো নৌনা ঈহল্লে, হাযবগী থাযাইবেংদো ইঙেন (যিঙেন) কৌনবে । লাইমিংদি চখাবা কৌএ ।

(৫) মপুগী য়াইবি চোইথোকখিববু খোমজিন্দুনা বানশিল্লে হাযবগী থানৈতোন অদো থবান কৌনবে । লাইমিংদি লুবাং পুঙ্গিবা কৌএ ।

(৬) থব্রাইদো লাংবুম ওইবে হাযবগী কুপম্নদো লংপান থা কৌনখি । লাইমিংদি মুব্রা নিংথৌ কৌএ ।

(৭) হযি মেন তোংলে হাযবগী কুপত্রেংদো মেবা কৌএ । লাইমিংদি মর্বাচিং মাজিং কৌএ ।

(৮) মপুনা ব্রাকমৈ থক্তা কাখৎলে হিহোন তমলে হাযবগী থানৈবেংদো তিযাংকৈ থা কৌনবে । লাইমিংদি কৌব্রু কৌএ ।

(৯) তাইপং মপুনা মতাইবের্মাসিংগী নাউযোকনোংগী লম পোইনা অনি (২) হোন্দুনা চৎলে হাযবগী থানুংযাইদো পোইনু থা কৌনবে । লাইমিংদি লোইযালাকপা কৌএ ।

(১০) মপুনা ব্রাকমৈ হিচিংখৎলে হাযবগী, যোইতবেংদো ব্রার্কাচিং থা কৌনবে । লাইমিংদি তাবং কৌএ ।

(১১) তাইপং মপুনা অমুক অনৌবা যেননিং হুল্লে ফৈনা লংনা হমলে হাযবগী, তাবং লৈখমবাদো ফাইবেন থা কৌবে । লাইমিংদি সংতবং তনৌবা লাইবেম্বীগী চান্না থোইবা কৌএ ।

(১২) তাইপং ফননবা হায়বগী কুবাৎ লম্বু তাইবে হাযবগী, যাইখুতোন অদো লমতা থা কৌএ । লাইমিংদি সংথুপবেং নোংতবেং তবেংবী

লাইযিংথৌগী চান্নাথোইবী কৌএ । অসুম্না লোইতাম ১২গী কোলোই মিংথোনখি হায়বি ।

অসিনসু মতোমদে

লাইবেন তাউবোইনাই পাফন লিল্লা নিংথৌগী, থব্রাই মিবেন ৬ মক্লা খোইনৌ লাঈবেম্বী, মী মযোন ৮ মক্তা চোংশিনখিববগা মপাবি নুংচানববু ওইনা পোকলকলবগা মক থব্রাই মিচাক ওইবক্রে । কোলোই মিংথোন্দী ঃ ছুচিক অহানবা থাবা যোইথংলেন, থব্রাই (থাতোন), ছুচুকলেং, লিকথাবেং চিংচবোইবী, চুকসেননুবী, নোংথৌনাকাবেম্মা, নোংথৌ তুদবেংবা, নোংসা মুবেং, শামু পিশাতোও, উফোংঙাং, আবাই শংবা (মোইবাং সংকোক), নুংকাবেম্মা (লুব্রাং- সংকোক) নানবম সংকোনবা, ওকপুবোই, তাউহুইবেং, তোংচেংনুবী, তোংব্রেংনু লুককপি, খোংচোংননুবী, লব্রাই চাবৈবা, কোবৌ নুবী, হাউকাবেং, খাবা লৈতেং, শিল তবেং (ককসু তোনবা) যাব্রা খুবোন। মক থব্রাইমিচাক ২৭ মকপু পোকলে ।

লাইযিংথৌ লাযোল্লাং তনৌবা নিপাগী শিনুংদা লৈবনে, লাইনৈম্মা তনৌনুং তবের্থবদি নুপীগী শিনুংদা লৈবনে ।

মঙাং ক্রুম সিদবনা লুব্রাং লৈকোইবনা চিংবা, খোযুম লাইয়ামদা লিখিঃ

তাইপং পানবসি অচি (অসি) নে, লৈবোন নোংলোন খাইবনি, ফথুপ মাপন শুবনে। মঙান ৭না স্না লৈতেং ওই, মমাই ৮ শুবনি, শুর্তন যাইবী ৯ না খোইথাংই । হিঃ মকনি যাইমকনি, লিলথুপ লৈযোন ৬ নি মতম লাইবেনবী ৮ না থৌখল্লি । নুমিৎ থা ১ না হৈ- লৈ ওইনা, সিংলেন থেংথা লৈবাং চিনথার্নবি, কংলদি স্নাকোনুংনি । অতিংকোক মকসিদবা হৈবোমব্রা সিদবা কৌনা থেকনা ২ চেল্লিযে । কংলা মেনগী মনুংদা কোইনা ২ চেল্লিযে, মথেক ৩ থোক্লা ঙাল্লি । থোকলকপদা মঙাল কৌই, যুংবদা লুব্রাং কৌই, লুর্মখিবদা খুমন কৌই । অহিং অযুক, নুংথিল কৌই। অনিথোকলগা অমম - অঙান মমিং অচি অসি কৌনবি। লৈবোন ৯ লা কৌই । নোংলোন ৯ না কং কৌই । লাংপুমলগা কংলমেন কৌই । কংলা মেনগী মনুংদা নুমিৎ থাগী মশক্লা শিংলেন লৈবাং ওইবগা চহৈনা মতক ওইন্দুনা চিবংলেন কিংনাইবা কৌনা সিদবা পাম্বী ওইনা লৈএ । তলবা শকহেনবা নমুসিদবা, মীগী মশক্লা নুংউসিদবা তাইপংপম্বী ওইবি।

অতিংকোকপু হয়িনি শোন্নরি, তাউবিরোইনাইগী য়াংবী ময়েক্তি অসিনে। তাইপং পামবিরেন সিদবা মপু মহাক্কী মমী তমদুনা সাবগী তাইবং মী কৌই হায়দবরা ।

তাউরোইনাই সিদবনা য়াংবী ওইনা তিংথোকলবগা লাইগী ময়েক শক্তম ময়েক । নুংশিৎ, ঈশিং, মৈ, লৈপাক, অতিংঙা, ছুচিক, থাবা, নুমিৎ, থা থৱাই মিচাক লাংয়েন ১০ সিনা তিংথোক্নুনা স্না থম্বান অথোম্বা লৈনা খুদিংগী লৈতোন খুদিংদগী শৎলকপনে । খোয়ুম লাই খিবিক্লা লাইরুপ, তিল্লুপ, খাইদুনা মী ওইরি । অচি অসিবু পম্ছৌ কৌরবগা লুমাং শম্নুন্নরগা হাউ পাউখুম্বা। পলেম হায়না কৌবগা লুতুং কিশিনাদুনা হাউ পউখুম্বা লুৱাই হামুন লৈবগা অচিবা কৌনা হাউ পউখুম্বীবনি । তাইপংনা অচি (অসি) কৌবা সিদবা মপু হাযনা তেংথনবদি অসিনে ।

তাউরোইনাইনা মীশক ওইবদি

সিদবা মপু মহাক্কী মশক মমি তমদুনা শাবগী তাইপং মী কৌএ । মী হকচাং মসিবু মীতৈ কৌনা খংনৈয়ে। তাইপং মীশিংগী মনুংদা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎপু থৌৱাইনি খন্না নিংজবা তাইপং ওইবশিংবু মৈতৈ কৌনা ফাৎথিবশিংনা খংনৈএ। মীতৈ অর্মদি মৈর্তৈদ অমৎতগী অমৎতা ওইবনে। মীতৈনা তাইপং মী হকচাংবু ওইএ । মৈতৈনা তাইপং মীগী হকচাংনুংদা লৈরিবা থৱাইবু ওইএ। হকচাংগা থৱাইগাদি ঈবোইদা লোইনদুনা লৈযে, মতম পুম্নমক্তা থাদোক্লাবা য়াদেয়ে।

মী হকচাং অসিবু লৈরোন নোংলোনগী ফিথুপনে, য়ুমগী মশকনে ঐহাক কৌবা হকচাংসিবু অচি (অসি) কৌএ । ফিথুপ ৯ হায়বদি কয়াৎ ৯ খাইবনে । কোক অমা, পাম্বো অনি, খোঙ অনি, থবাক্তা অনি, চনিং অনি, সুপ্না পুনশিল্লবগা ৯ শুবনে । লৈথক লৈখা খাইদুনা স্না ক্লাগোককুম লৈরোন ৯ নোংলোন ৯ খাইরগা ১৮ নি । লৈরোন নোংলোন তুনা হোবা লৈনুংহুৎ (শুরুং) ৯ ফাউরিএ। কংলা ফিথুপ ৩ দগী ৯ শুনা খাই, (কোক) লোইরেন ফিরান য়াই (থবাক), লোইবেন স্নাপুং (মস্বাং), লোইরেন খুনবিরোক কৌএ । ফিরান য়াইদি কোকনি । নোংশিংনে, স্নাপুংদি ঈশিংনে, খুনবিরোক্তগী মৈনে, নোংশিৎতগী নোংশিৎ, ঈশিং, মৈ অসি পোকএ । ইশিংদগী - ঈশিং, মৈ, নোংশিৎ ৩ থোকই । মৈদগী - মৈ, নোংশিৎ, ঈশিং ৩ অসি থোকই। লাই ৯

অসিবু লাইবেন ৯ কৌই । লাইবেন ৯ শিনা শিংলি ৯ ওইবা ৯ অসিনা মা ফানখোং ৯ ওইবগা শিদবা মপুনা মা ফম্বান তোংনা ফম্মিএ ।

তাইপং মীহকশিং অসিগী শিংলীগী মশক মমিং নাইবা শিংলি ২৪ নে । অপিশক অকুপ্পানা ১৭৭ নি, মখোইসিদি হক্তা চাইশিল্লা য়োম্মা লৈ। সুপ্পা পুনশিল্লগা ২০১ শুইএ । থোইনা লুবা মতিক চাউবা শিংলি । ১০ তনি। শিংলি ১০ গী মমিং লৈযে । মখোযইদুদি - আ, কি, কে, কু, কোই, কাই, কৌ, কম, কং, কো, মমিং ১০ অসিনে । শিংলি ১০ অসিদি থবাইনে, মীনে অনিগী ফম্বী (যুম্ফম) ওইয়ে । ৫ না থব্রাইগী ফম্বীনে, ৫ না মীগী ফম্বী ওইযে।

থব্রাই ১০ গী মমিং


হ চোং, হো হ হ, কহুঁ, হি হীং, মেহেসি, হুঁ হা, পিসাতাউ, খোঙাইলেন, ক্ষিংতোবেং, তিনসং পুংলেন থব্রাই ১০ মকসিনা হকপু যোমলিযে ।

মী হকচাংনুংদা শিংলিগী থাংফম থৌবম ঃ


নোংতম নোংখাইবিবা অফ ফৎতা যেংলিবা মপী অহুম (৩) নে । আ, কি, কে অসিনি । আ কৌবদি নুমিৎনে, মিৎযেৎতা থাংঙিএ । কি কৌবদি থানে, মিৎ ওইদা থাংঙে, কে দি মযাইদা চৎপনে । কুনে কোইনে ২ মক্তি যেৎকী নাকন্দা থাংঙে । কাইনে কৌনে ২ মক্তি ওইগী নাকন্দা থাংঙে । কম কৌবদি শিনুংদা থাংএ । কং কৌবদি পেংথোংদা থংঙে । আদা নুমিৎনা লৈবনে । কিদা খানা লৈবনে । কেদা নোংপোকনা লৈবনে । নুমিৎনা থা অনিগী মবক্তা নোংপোক্তা হংছু কৌনা ফমএ । নিংসা হোনথোকপা হোনচিনবগী ছোদি নোংপোকনা পাইবি । হঃ গী ময়েক অসিনা নিংসা হোনথোকপনে । সঃ গী মযেক অসিনা নিংসা হোনজিনবনে বঃ দি লৈচাকনে হায়বা খংনৈএ ।

থব্রাইগী লৈফমদি ঃ

থবাক্তা চোংনা লৈয়ে, নিসংপুংলেন্দী নিংদুনা লৈযে । খোইদা নুংনা লৈযে, খৌবিদা হহুং অনিনা লৈয়ে । কং ঃ হুংদি হক অপুমবদা চাইশিন্না লৈয়ে। থব্রাই ৫মক অসিদি পানফৌবিবা থব্রাইনি। হুং হা হাযবসিনা চিংবা থব্রাই ৫ মক্তি নুংগী থব্রাইনে। হুং হাদি সেক্রোক যৌবনে, পিসতাওনা নমগন য়ৌবনে । খোংঙাইবেন্দী শিংলি ১০০০ গী মনুংদা চাইশিন্না লৈবনে খিং তবেংদি কুমলগা নহাকপু য়োমনা লৈবনে । শিংলিসুং নিংশাসুং থব্রাইসুং ওইবনে, হে লৈকোইবা ।




্খেন অমা কৌএঃ মমৈদা লৈনিক অহুমলক নিকউ লৈফন অহুমলক ফলও খোঙ থাং ২৮ না ৭ লক কোইগনি। খোঙথাং খুদুপ ও কাংউ মকোক যৌবগা লৈনিক ৭ লক নিকউ লৈফন ৭ লক ফললো।




থেন মবি কৌএঃ অমগী মশিংদা লৈনিক ৪ বক নিকউ লৈফন ৪বক ফলনা খুদুপ ঃ থাংউ অহুমদা অদুগা মবিদা ময়াইদা খুদুপ মবিবক কনশিননা লৈনিক ৪বক নিকউ লৈফন ৪ বক ফললো


নেঃ সেঃ হৈঃ হাঃ হাঃ




থেন মঙা কৌএঃ মমৈদা লৈনিক অমুক নিকউ লৈফন অমুক ফন্না মকোক্তা লৈনক ৫ বক লৈফন ৫ বক ফললো লাইনিংথৌ পাখংবা হেন্নাশিনফদে মফমদু যৌবগা থেংনৌ ঈশৈ শকউ।




থেন তবেংকী শাথেকঃ মমৈদা ৭ লক নিকউ, লৈফন ৭ লক ফন্না লৈহাই ৭ লক হাইউ, মযাইদা লৈনিক ৭ লক নিকউ, লৈফন ৭ লক ফললো।




অশুক ... কৌব্র ... কৌ অস দম শুম্লনব নংগা ... হৌবা ...
... মাহুং ... থৌবমদা অজরবা থেংবৌলনবে। খোঙজোংদনুংদ ওইনা
থামখিবে



লোংগী থাংকৌ ... নাংগা থেংকৌ আসাদ লৈপাক ... হৌনা। শিবদা নংগা ... শুম্লা ...
অখৌম্বা ... শিবা মতমদা মহাক্কী ২ বাক্ত মিতেংআ মপুংগা লৈকান্দা ... যাদুনা ই... ...
লৈবা ... গাদমক চোংবা থোংকৌর্ন। খোঙজোংদি খাজিং হুমডিংবগী লমদা ওইনা ...



লৈত্তাক থেংকৌ কৌএঃ হো থাংশে থাংশে, হো তুমশে তুমশে । মকোকলোমদগী ঙাবগা অম্নুক হন্দুনা মমৈবোমদগী হন্না চোংগনি । লৈবিবা কিশি শোইবা যাদে ।



অশুমথেন কৌএঃথেংকৌ অসিসু অসুম থেন কৌএ । খোঙজোংদি থিজিন হুমজিনবগী লমদা ওইনা লৈবে। চোংবদি মমৈদগী মকোক য়ৌনবা চোংগনি। মকোক য়ৌবগা থেংকৌ ঙৈশে শক্কনি ।



তবেৎলক শুবা শিন্তাকপুবেনশিংবু ইবাৎচবা নুমিৎতা থাং তাগী শকনাইববা শিন্তাকপুবেন ২২ না শগোল তোংদুনা সনা কোংনুংদা রাইথুংলবা।



সনা কোনুংগী অগুম অথৌশিংনা কোনংগী সন্নাথোংদা শিন্তাক পুবেনশিংবু ওকপা



শেশো ও গাশিন্তুাক পুবেনশিংনা শায়ো লয়াক্তণ কমলংগ তা ণ কে ময়ুংদা চংনকপ



শিন্ত্রাক পুবেনশিংনা মাগী মাগী ফমফমলংদা লেংশিন্নগী শক্রেম



[illegible] লাইবুংদা [illegible] লেপ লাগেন ইনিংথৌ সেরেন্না, এক্স মিনিস্টর ডাঃ [illegible] তম্বদি [illegible] লাইরেম্বে ডা সোনেজিৎনা সনা কোনংগী অ [illegible] অহৌশিং [illegible] [illegible]

সনা কোন [illegible]



শিংলাক পুবে। শিংদা থাং তাগী মহৈবোইশিংনা ইবাংচদুনা খোইকল্লা।

সনা কোন্নু, ১২।২।২০০১



ইকাই খুম্নজবিবা কংলৈ পিবালেনগী মফমদগী জি গৌর্বকিশোব শর্ম্মানা লংজৈ শিন্তাক পুবেন মিংথোনগা লোইননা মপুগী থৌজন খোঙা ফংজবা।



সাইখোম অব্রাংবা মঙাংদা, কংলৈ পিবালেন ইংথৌ লৈসেম্বনা তাংকক লৈকোইবা মিংথোনগা লোইননা মপুগী থৌজাল খোংঙা খুৎশিন্নবা



ইকাই খুম্নজাববা লাংজৈ শিন্তাক পুবেন দবল্লো খাবনা ইং ২০০৫ গী ফেব্রুৱারিগী তাং ১২ দা মিতালগী ম'পাক নুমিৎকা মবী নৈন্না পাংথোকপা শিন্তাক পুবেনশিং ইবাৎচবগী থৌবমদা, সনা কোনুংদা কংলৈ পিবালেন ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী মফমদগী থাংতাগী লমদা লাংজৈ শিন্তাক পুবেন মিংথোনগা লোইননা কোইযেৎ, খদংচেৎ, খ্বাংচেৎ ফংলবা মতুংদা মশাগী ওইবা রাফম খবা ফোংদোকপা।



১ লক শুবা শিস্তাক পুবেনশিংবু ইবাংচেবো নুমিৎকা মবা লৈঙ্গা ইনাৎকী লমদা কংঃহেন দু... লাকলবা শিস্তাক পুবেনশিংবু, যেক ৭ কী ফিবাল পাইনা মৈতে লানমী অমনা মাং... সনা কোনুংদগী কংলা এম্মা খোংশানলকপা।



মৈতে নুপাগী শগোল তোংবা লানমীগী শক্তম লৌবিবা, অংগবলা অমদি রাই জোনতা অনিনা মাংদা তা পাইদুনা শগোল তোংলগা শিস্তাক পুবেনশিংবু ঙাক শেন্দুনা কংলা তম্না খোংশানলকপা।



ঈশৈগী লমদা শক্লাইরবী লবংগো লৈমা অমদি ভানু লৈমগা লোইননা লোংঙা কোইরেংগী খেলশোরীং খুনলাকপীনা শগোল তোংদুনা কংলদা মপুগী থৌজান খোঙা লৌবা লাকপা ।



মৈতৈ তোম্বা, গোশে, খেনশোরিং খুনলাকপী নাউদালেন খোম্বা (সুরেন্দ্রা) নাচিংবা ইনাৎকী শিস্তাকপুরেনশিংনা শগোল তোংদুনা কংলা তম্না মপুগী থৌজন খোঙ্গ লৌবা লাকপা ।



পু থাংচংচোং খবম খুনলাকপা, পৌশা, চন্দ্রকালা অমদি শিন্তাক পুবেন পুম্নমকনা শগোল তোংদনা কংলাদা খোঙা লৌবা লাকপা ।



কংলৈ পীবালেন ইনিংথৌ লৈশেম্বাবু কংলাগী মনিংথোংদা পৈশা চাইদুনা, কোনুংগী মাইচৌ ইবোচৌনা লাইশোন শোল্লগা মীযাম্মা কংলৈ পীবলেনবু ওকপা ।



অচি শিত্তাক পুবেন খোঙা ফংলিবা মোইবাংথেম বাবাসনা (বাজেন), সগোলবন্দ মোইবাং হনুবা লৈবক ।



মঙাং য়েক নামোইজম তোম্বা মৈতৈদা, কংলৈ পীবালেন ইনিংথৌ লৈশেম্বানা অমাইবা মীংথোনগা লোইননা মপুগী যৌজাল খোঙা খুৎশিননবা , ১২/২/০৭



খুমন য়েক হাওবমচা সনাতোনদা, কংলৈ পীবালেন ইনিংথৌ লৈশেম্বানা লাইয়েক খোরি লাংবা মিংথোনগা লোইননা থৌজান খোঙা খুৎশিননবা . ১২/২/০৭



লুব্রাং য়েক অরাম্বম চা হেরাঙৌ মৈতৈনা কংলৈ পীবালেনগী মফমদগী অমাইলেন মিংথোনগা লোইননা মপুগী থৌজান খোঙা লৌবা , ১২/২/০৭ ।



মহৈরোই, যেংথা হাওরোংবমচা বিশুব পত্র, কংলৈ পীবালেন ইনিংথৌ লৈশেম্বানা লাংচিন 'অম্বাব পাবং' মখোনগা লোইননা মপুগী থৌজান খোঙা লৌবা, ১২/২/০৭



মঙাং য়েক পাওনমচা লাবঙ্গো মঙাং কংলা পাওগী ইদিতবদা কংলৈ পিবালেন ইনিংথৌ লেসেম্বনা মপুগী থৌজান খোঙা খুৎশিননবা।



থৌগল জগোইদা অথোইবা ওইখ্রবা, খুবাই কলা বিদ্যা ভবনগী মহৈরোই ইনুংলৈমদা, মনিপুর ফিমল দিবলপমেন্ত কোপোরেসনগী মেনেজিং দাইরেক্তর কে সুবিতানা, জগোইগী য়েন্দম চংদম্লবগী অহনবা মনা খুৎশিননবা , ১২।২।২০০৭ ।



সাইখোম চীংলেম্বা মণ্ডাংনা থাং হাইবগী অথোইবা মনা, মেম্মী লৈমগী মফমদগী লৌবগী শক্তম , ১২/২/০৭



লানগী ওইবা থাং চাইনবগী মনুংদা মরু ওইনা শিজিন্নবা ফিথুপ খরা ঃ নোংশা ফিথুপ নত্রগা খরৌ ফিথুপ হাইনা খংনবা থাংগী ফিথুপ, লাংজৈ শিস্তা পুরেন মোইরাংথেম মনি সিংহনা থুপতুনা য়েক্লবগী খুৎপাই কল্লকপা ওইবা ।



লাংজৈ শিস্তাক পুরেন মোইরাংথেম মনি সিংহনা চৈবি চিংকোই থুপতুনা খাগী মুক্লা ফিথুপতা পাকথদুনা লৈবা ।



এম এন তি তি কেনা মিতাল ওনদ্রিঙৈ মতমদা তককলক শুবা শিন্তাক পুবেনশিংবু ইবাংচবা (১) চোংথাম অচৌ সিংহ (২) নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রা (৩) সুখাম মক তোম্বী (৪) লৈতানথেম হেবামোং (৫) জি. গৌবকিশোব শর্ম্মা (৬) ময়াংলংবম থবল মৈতৈ (৭) সাইখোম নোদিয়া মঙাং (৮) খোইবাংথেম মনি সিংহ



থাং-তাগী শিন্তাক পুবেনশিংগী মফমদা এম এন তি তি কেগী মহৈবোৎশিংনা পেন্নরা যাকাইবোন শক্তুনা থৌনিজবা ।



এম এন তি তি কেগী লুচিং পুবেন সাইখোম অবাংবা মঙাংনা থাং তাগী শিন্তাক পুবেনশিংদা ঙমজবা খুদোনপোৎ কৎচদুনা খুলুমজবা।



থাং তাগী শিন্তাক পুবেনশিংবু ইবাৎচবা নুমিৎতা ষ্টেট আবকাইভ্স গভমেন্ট ওফ মণিপুরগী ডিপুটি ডাইরেক্তর কে সুসিল্লা লৈমনা ব্রা ঙাংবা।



লুচিং কোকলেন নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা এম এন তি কেগী মহৈবেৎই খেত্রিময়ুম কন্তা অমদি অঙোম বোই অনিদা ষ্টেটকী থাক্তা চৈবী চেম্পীয়নশিপকা অথোইবা মনা ফংলকপগীদমক খুদোন পোৎ পিদুনা ইকাই খুম্নাবা উৎপা ।



লাংজৈ শিন্তাক পুবেন লৈতানথেম হেবামোৎ মৈতৈনা এম এন তি কেগী মহৈবোই কংঙবম লমফাইঙম্বা (অজিৎ) তা অহান্বা ষ্টেট ওপন চেম্পীয়নশিপ ১৯৯৯ দা অথোইবা মনা ফংলকপগীদমক খুদোনপোৎ পিদুনা ইকাই খুম্নাবা উৎপা ।



সোবাম নাতুম সিংহনা লুপ অসিগী মহৈবোই লোইয়ালকপী চনুদা মহাক্লা ষ্টেট চৌব চেম্পীয়র্নাশিপ ২০০০-০১ দা অথোইবা মনা ফংলকপগীদমক খুদোনপোৎ পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎপা ।




চৈবীগী অথোইবা মনা ফংলকপ্লবা (১) কন্তা (২) লোইযালকপী (৩)গিনি(৪) অজোই মখোয মবিগা লোইন্না লুপ অসিগী শিন্তাক পুবেনশিং অমদি মেম্বরশিং ।




লাই ওইশ্রবা লাংজৈ শিস্তাক পুবেন থোংঙাম বিবসিংহনা মোইবাং থাংজিং লাইগী লাইশুংদা মোইবাং কোইবেংনা মণিপুবগী চিপ মিনিষ্টব ওইবগীদমক্তা মালেম পাফম অচৌবদা চুকথোং কোইদুনা থেংকৌ চোংখিবা ।




লাংজৈ শিন্তাক পুবেন সাইখোম নোদিয়া মণ্ডাংনা, তা খৌশালোনগী মনুংদা থক-খা তাইদুনা লৈতাই নোংতাইবা।



লাইওইস্ত্রবা লাংজে শিস্তাক পুবেন মোইবাংথেম ইবোতোম্বী মৈতৈনা থাং-চিংকোই পাইদুনা নোংশা ফিথুপতা লেপ্পা।



(পানথোইবী নুংঙন)
লাংবৈ শিল্পাক পুরেন লৈতানথেম হেবানোং মৈতৈ



(তয়াম্বা শরক)
তাংকক লৈকোইবা সাইখোম অরাংবা মঙাং



LUCHING KOKET



LANGJEI SINTAK PUREI




HIRI KONBA SINTAK PUREI




ACHI SINTAK PUREI



TANGKAK LEIKOIBA


























Tourism Festival Photo:- Mittal 19 / 4 / 09

২। লৈশেমলোনগী মনুংদা খৌশালোন